বি, এ, থিবা

এল, নেত্রজিৎ সিংহ

অফোঙবা,
ইম্ফাল বুক হাউস
পাউনা বজার,
ইম্ফাল।



১বা কোঙবা
কোপী মশীং—১,০০০

মপ্রেস:—সরস্বতী প্রিন্টিং বার্কস, ইম্ফাল

মহেন্দ্র—কমলীনি ! লতা অসে শোইরোইনে—হাই ! ঐনা নহান-রাই পেন্সিল ফংলকপদা লুপা ১।১ দং পিখিবা অত্থু ঙসি ফাও-কাইদনা তুংশিল্লমই-নেসে। নং ঐনা শিথ্রবা তুংদা অরুনগা লতাগা লৈমিন্নজহৌরবদি খুয়া তুশিংকনি হায়বনি—

[ধনেশ্বর ফীংলপ চংঙকই]

ধনেশ্বর—ঐ—ঙসিদংদি থেংনৈদনা করি লাইনা তম্বনো। ইবুংঙো নহাক থিবমুক রাবসি ঐ কনাগী হাক্তকতা থেংনরকত্রি। কদাই কদাইদবু চৎপগে— ? মী উদনবা মন্ত্রবু হৈত্রা করিনো !

মহেন্দ্র—ঐমা ঐখোই তাদহন লেংঙকইন—

ধনেশ্বর—ঙসিত নত্তেনে ইবুংঙো নিতিগী লাকচৈ ইবুংঙোনা থেংনবিদবননি—

মহেন্দ্র—কমলীনি করিনোনে হাই ফীদা—ফীদানে তাদহনগী—

ধনেশ্বর—ফীদাকা ফমজরোই ঐ—ঙাইখো কমদৌগে হাইরিবনো নংগী রাসিবো ঙসিগা হয়েংগা হাইদুনা লৈমখৈ লৈরক্লগা হৌজিক অমুক ঙসি-ঙরাংতগী রানৌ-ওন্দুনা "নচা লাইরিক তম্বা লোইবা ফাওতদি হাইবা অসিবু—নচা লাইরিক তম্বা লোইদুনা তলব চাবা ঙাইরবদি ঐদি পুনশি—কোন্নরেদনা লম্বোইরগা লাই প্রসাদী থুনবগী রাসি তোকসি ঐ-পামজদে-য়াদে—

ধনেশ্বর—নামা ওন্থোক্লসি ইংখোল অসি—কোন্নগী কোন্না থোকপ লাক্কনি—

মহেন্দ্র—তাদহন্না ঙাইবিরকপগী ঙাইবিরকপা পরিক্ষা লোইজরে হাইরি নচাগীসু মমান্নবা পুম্বা থোক্লরক্লবনি মহাক্তং লৈহৌরি খরচ লৈতদুনা— অত্থুগী লুংনাংদুনা লৈজরমইবনি— ঐ

ধনেশ্বর—মত্‌নাকা চৎনদে মহেন্দ্র নচানা লাইরিক হৈরগা তলব চারগা হয়েং ঐগী করি তৌখিরগদগে ঐ খংদে—হৌজিক কালগী লাইরিক হৈবশিং অসি কীজখ্রে ইবুংঙো মত্তা চাদ্রবদি হয়েং "ঐ খংদনা পাজিনা ইংখোল য়োল্লম্বনিক্কা হাইত্তনা থোকতুম ওনখংলকতুনা কেশ শাংন শোক্লত্‌না তোক্লগনি—ঐ কিশিল্লকলে অওইবা—

মহেন্দ্র—হিং হিং তাদহন! ঐগী অরুনকুমারবো অত্তন্নকাদি খর্নবিন্নু অত্তগা হাইস্লু হাইবিন্নু।

ধনেশ্বর—হাইন্নু হাইবা! অত্তুদি করিগীনো ঙাইখো নংনা দলিল অসি অরুনগী সহি তৌহনসি হাইবা য়াদ্রিবদি! সহিত্তস্লু তোকলো. মরম অসিদদি খংহনসি হাইবদা ফাও মাবু তাহনবিন্নু হাইরিবা—করি অর্থনো মশিনো?

মহেন্দ্র—তাদহন্না য়াম্না লুনা খর্নাহনবিখ্রে অদুর্নানি ভাব নত্তবা করিস্লু নত্তে। সংসার অসিদা লুম্বদগী লুম্বা পোৎলম অমত্তং খনবদা মীগী মরল তোনবা শেন্নুগা কৈগ। ওক্লবদা শেন্নু ঊনবা কিত্‌না কৈ লৈবা মাইকৈদা চংই হাইনা ইপা ইপুন। প্রমাণ তৌনন্দ্রো তাদহন—মহাক অসিনদি য়াম্না নৌঙ্গরিবা য়াইফ ফুংঙাইগী লম্বীদা তনৌ-তনৌবা আশাগা লোইনবা খোংদাক্তরকপদা হেক ঙাইরিঙৈ অসিদা নৌনা ঊনু নংবা হাইবত্ত থোক্কদ্র। হাইড়না ননাওনা—

ধনেশ্বর তোক্লসি ইবুংঙো নংগা র‍া ঙাংনবা ঐনা ঊমজবা পোৎ নত্তে, ইত্তিক লৈতে। শেন্দোই খরা খরা হুল্লম্বা তোক্লবসিনা করিগী?

মহেন্দ্র পেন্সিল লুপা ৫।১০ ফংব অসিনা চাবা ফাওবা কোন্নদে—

ধনেশ্বর—নংদি লীলাদগী শেল য়াম্না ফংই হাইনৈদা মীনদি—

মহেন্দ্র—মদু তোক্লে—নচানা কম্না য়ারমখিদ্রে হকচাং শোকই পুন্সি ময়েং তাই—মীরোন লৈতবদা অহিং থেংনা মম্না চৎপা ফত্তে হাইদুনা

ধনেশ্বর—রাদনা অমসুং নোমদনা শেল থোকউ হাইব যাদবনি মহেন্দ্র—ফবে পুন্নমক তোক্লসি নামাদি ওন্তোকসি ৬সিরা হয়েংলা নত্রবদি ঐ য়াম্না চিংনবে—অকিবা অমা পোকলে। নংনা নামা ওল্লোই হাইবগা হপ্পা অসিমগী মনুংদা শেল শিংউ।

মহেন্দ্র—হাইবিদু তাদহন

ধনেশ্বর—অমা হাই য়াদে অমা হাই য়াদে নহাক ঐগী ইশেল মাংহনগে তৌরে হাইবা ঐ ভাব নিংথিনা তাবে। অদু অদা খংদে ঐ চৎলে—নচা লাইনিক তম্বা লোইবগা—লাইবিক তম্বা লোইবগা কদৌনি হৌজিক কালগী নহাবোয়বো ইনাকখুনবী তুপীমচা অমা লৌদুনা যাওং কোক ইন্দুনা লৈথোকখ্রগা নহাক্না কদৌরুনি—? তকসি শোন্দুনা তোকহৌগনি—অবেম্বদা (চৎখি)

[লতা চংলকই]

মহেন্দ্র—কনানো—লতা কযা কুইবে নং অসিদা লৈবা? তাহৌত্রা বা ময়ামদো? তমথোকলুন্দুকো ইপাই হবেম্না ইচাদি মবম ওকপিনীকো—মাংলেদো নং তাগো তাখ্রবদি—আ. হ., হাঃ মং ঐগী মং কাইবে ধনেশ্বরনা ঐগী মং কাইহনখরে—সিবা। ঐগুম্বগী ইচা অকুনবা হৌজিক কালগী অঙাং ককা হাইজবা শাইযে—সেরা মীশিংসে মবল খব লৈবগা—

কমলীনি—মখোই বাবাগীদুবু খবা শাওমনথ্রববা হাইমি—কবি কান্নগদগে রা শাংউবগা—

কমলীনি—মাগী মশেল শিংদোকপিগ্রগা লোইরেদনা--

মহেন্দ্র—হা ? অতুনা চুম্ব্া ফবে লতা। ইপা নঙোন্দা অমুকস্থু মেনগেকো রা অসে হাইদোক্লুহুকো কনা অমতদা

[জ্ঞানেন্দ্র সিংহ চংলকই]

জ্ঞানেন্দ্র—কবি রানো হাইদোকউ হাইদোক্কহুকো য়াম্না তৌনরিবা অসিবো।

মহেন্দ্র—ঐমা ইবুংঙো বাবু লেংঙকইববা ? লেংশিল্লু লেংশিল্লু কবি বা লৈবগেনে ?

[লতা ইমুংদা চংখি]

জ্ঞানেন্দ্র—কবি বাব্ লৈগদগে খুডাইবুংঙো। মতম খব পোথাবিববদি ওকলে, ষ্টেজ অমুক কুমলসি হাইজগে লাকচবিবনিদনা। খুডা ইবুংঙোনা ষ্টেজ হেক কুম্বীখিদবদগী ঐখোযগী লীলাগা মমল খংহন হন্থখবে। কনা অমতগী নিংথিবা আর্ট ্স্থং একটিংনা ড্রামা পাম্বা ভাবকপ্ পেলহলবিদে—মতম খবা পোথাবিববদি ওকলে লীলা অাস অমুক বম্বীবো হাইজগে হাইনা লাকচবনি।

মহেন্দ্র—ঐনা নওনে ইবুংঙো ননাও অরুন অসিনা কন্না য়াখিদ্রে অতুননি—ঙাইখো মতম খবদং, মহাকস্থু থোকলব্রগনি—

জ্ঞানেন্দ্র—মহাকস্থু লাকসহু খুডাইবুংঙোনা যাবিববদি মহাক্লস্থু বৰি হাইগবনো। মতু অমুক ঐখোই কমিটি খন্নবগা শেল খবা হেনগংনবা তোংনজগে ঙসিদি এডভান্স ওইনা লুপা খবা থমজবনগে।

মহেন্দ্র—নত্তে ইবুংঙো ঐহাক শেলগী দমক অতুগা য়ামই য়ামদেগী দমকস্থু লীলা কুমদবা নত্তে। মহাক যাম্না থুনা থোরক্লগদবনি

অহুদা খুড়ানা মাগী খরচ থাজিনবা ঙমদহুনা লৈরবননি। মহাক লাক্লগা মাগী ব্রা অমস্তু তারগা য়াওরবস্তু য়াওদ্রবস্তু মহুদা খন্নসি। মহাক্কী ব্রা অমা তাদনদি মহাক্না য়ানিংদবা থবক অসি ঐনা ঙস্মিবা মখৈ ঙাককে হাইনা

জ্ঞানেন্দ্র—কয়ানো মহাক্কী খরচতি? ঐ কৎচরগে খরচ অহু ঙসি হাইবা অসিন্তদি অমুক্তং কুম্বীদবা য়াদ্রে মতুং তোককে হাই-রবস্তু তোকপিয়ু।

মহেন্দ্র—নত্তেনে ইবুংঙো বাবু।

জ্ঞানেন্দ্র—অহু অদা খংজদে ঐহাক মতম চানা ঐ-গী থাজরককে, শেল অসি অমুক্তা থিবিয়ু লুপা ৫০৲ য়াঙ্খেনি এডভান্স, ঐ চৎচরে।

[ফিংনা চৎখি]

মহেন্দ্র—নত্তেনে ইবুংঙো বাবু। চান্নবা চৎশ্রবরনে হো ইবুংঙো বাবু! ইবুংঙো বাবু! ইসে!

[ষ্টেজ মমখি]

২শুবা উংপ।

—নুমিদাংবাই পুং ৫॥০ গী মতম-লম্বী

[শ্রীঅরুনকুমার সিংহ চহি ২৫। ২৬ কী লোনগানি কলিকতাদগী B. L. পরিক্ষা থারম্লগা থোক্লকই সুট কেশ অমা পাইরকই, মশম মনা ইফা-ফাই, সেণ্ডাল অমা তোংই, খদ্দরগী ফী ঙাক শেংলি। শ্রীবিহারীসিং অরুনকুমারগী Class mate নি, মহাক্না হান্না মণিপুরদা থুংলে, কলেজদগী নৌনা থোকলকপগী ফীজোন অতুম শেংলি, অরুন কুমারগা চহি লেংগানি মখোয় অনি তুংথা মাংথা থোক্লকই]

বিহারী—নখোই father গা ইতাও শাণ্নবা নিপা অমখকতা নংগী চিঠি অতু য়োৎহনখিবনি। কমদৌহৌরি Boarding অতু পুমচিক চিকহৌররিগনিদো ঐখোই লোইনা থোকলক্লবনিনা।

অরুন—নখোই পুন্নমক চংখ্রেদো নোংমা নোংমাগী চিকশিল্লকলে কা অপুম্বা ঐ পুকনিং হুংশিরকপ্না মীকুপ অমা পন্থবা ঙমলকত্রে অতুদগীদি Manager দগী লুপা ৫০৲ খক পুরগা হেক্তা থোকলকইবনি।

বিহারী—অতুগা নহাক আ য়োবদি থেংলনি ঙসি ঐখোইগীদা লৈখ্রো।

অরুন—Bus ফংলবদি য়োখিগে।

বিহারী—Bus পুদি ফংগনিদা অতুদা খরা থেংলুরগনি হাইমি, কৈদৌগে নোংমতসু চাক চরা অমতং চামিন্নখিসি।

অরুন—ঐখোই বাবাগী হ্লুংশা মথিগল অতুদা ঐ তপথবা ঙমদ্রে ঐনগা খরচ লৈতে হাইদুনা অকনবা চিঠিগা ইগ্রেদো।—

বিহারী—অতুদি লাকও হোটেলদা Light refreshment খরা লৌথিসিদনা!

[অনিমক চংখি]

[শ্রীগগনসিং জজ অমনি. চহি ৪৫-৫০ গী লেংনি। ইংলিস fashion দা তকখৎতুনা কেবা নিপানি—শ্রীতুলেশ্বর শর্ম্মা পাঞ্জি অমনি চুম্নগী পাঞ্জি ওইবদগী হেন্দোকতুনা মীগী রাপুবা, নুপী নহা হাইবা, থাজবা' লৈবাক্কী ইরাং খম থেংনা খংগ্রবা ছাত্র, ছাত্রী য়াইতোং খমতোংবা মী তক্লা খংনবা ১সুং তিন্নদবা লৈতবা মীশক অমনি। চহিদি ৩৫-৩৬ গুরে! গগন জজনা মাং থাই—তুলেশ্বরনা তুং থংই অনি অসি জজনা খরা হাল্লপ্পা থোকলকই]

গগন—[চৎনা চৎনা] তুলেশ্বর! হৌজিক কালদদি য়োনা পাম্ন-রকত্রবা অতগা মতম অমদদি কন্না তান্নরম্বা সাহেবকী style, fashion অসি ঐগীদি য়াম্না পামজনা নৈনরুবদগী হৈনগ্রবা অমা ওইত্তুনা থাদোকপা ঙম্বগী পাঙ্গল লৈত্রে। ঐ থংই—লৈবাক্না ঐ অসিবু মীশক পন্দুনা অরিং অরাংবা অমা ওইনা ঙাংনৈ হাইবা। অতুবু সাহেবকী style অসে ফৈনে হাই-ফবনি—

তুলেশ্বর—কনানা ঙাংনজরগবনো তাইবুংঙো! মখোই মখোইনা শেংচ চাজবা ফংদ্রবা অতুদা কল্লকপোই হুংঙাইতবোই ঙাংজবা শাবা হাইদুনি

গগন—মতম অমদি ওইরবনি হৌজিক অসি, মী পুম্বা হাইঙম তৌঙমদবা লৈরকত্রে, খবর কাগজ, মেগাজিন্দা ইনরকইবা লোনদা লোনচৎ, ব্যবহারনি হাইবা অমতা য়াওনদবা। অসি নত্তনা মখল মখা অয়াম্বা কেশ, ব্রাথোক কয়াগী চাং মশিং খংদনা হেনগৎলকই মতুদগী নিংথিনা খংবা ঙমই মতুদি মীশিং অসি অস্নুপকী মতিক মনিং তম্বগী চাং হেনগৎখ্রে হৌনবা হৌনদবা—চৎনবা চৎনদবা থিখিদ্রে ধর্ম্মনি হাইবা মচেৎ অমতা য়াওনরকতবা, মীনি হাইবদা মতিক চাদবা মখৈ লৈখা তারকপগী খুদম তশেংনা উবা ফংলে। চহি কয়ানরুমগী মমাংদা য়ুম ইংখোল ওইরম্বা হৌজিকনা লন্মী ও'খ্রবা লম ইপাই ইপুগী লমনি হান্নগী ওইনা হঞ্জিনগে নত্রগা ক্ষতিপুরণ পিয়ু হাইগুম্বা—মপু অমা ইচাও চাওনা লৈরিবা পাট্টা পাইরিবা হৈকোল লৈকোন, লৌবুক মী ৪-৫ মান্নরগা লন্মী শেম্নিন লৈপাক লৌরনি তেন্ননি হাইগুম্বা—লৈকাই অমগা লৈকাই অমগা ক্রক ক্রক য়েংনদ্রবদি য়াদে মতাগুম থোংথোক ব্রাথোক খুদিং Competition তা ওইবা, মপানা মপুনা তশেংনা য়োন্থোকলম্বা নত্রগা কৎথোকলম্নবা লম, লৌ, মচা মশু মখৈনা খংদে তাদে হাইত্নুনা অমুক মুন্নবা য়েংপগী জাং মখুৎনা সহি তৌত্নুনা তশেংনা য়োল্লবা লমতু খংদে তৌদেনা চিংবগী জাং—থাং তেন, মীশিবা য়াবা খুৎলাইনা তৎতনা শিজিন্নত্নুনা খৎনবগী জাং হাইত্নুনা কান্নদে অমুক করি হাইনি—

তুলেশ্বর—মখোই মী জাং খরা—

গগন—ঙাইখো ঐ অমুক্তা ঙাংখিগে য়েৎকনু কাওঔনি ঐগী ব্রা—

তুলেশ্বর—তাইবুংঙো।

গগন—করি হাইগ্রবগে ঐবু কাওগ্রেদো—ফরে মতম অসিদা ঐগী Serviceসু সুজল্লক্লে—

তুলেশ্বর—কয়া ৱাৎলিবনো ?

গগন—ঙাইখো ঐ অসুম হাইথরককে--অতুনা ঐনা নংঙোম্বা হাইবা ঐগী ইচানুপী প্রাতিমা অসি থাজহৌনবা—

তুলেশ্বর—তাইবুংঙো ! নিপা অমা লৈরে।

গগন—ঙাইখোকো তুলেশ্বর ঐবু অসুম অসুম হাইথহল্লকউবা —ঐগী ইচা নুপী অসিনদি খরাইগী লোনচৎকা মান্ননা য়োকলকত্রবনিনা হয়েং মীগী ময়ুমদা লৈখরগা য়াম্না মীরা তাগনি হায়বা তসেংনা খংলে অতুনা—

তুলেশ্বর—অতুগীদি তাইবু ংো—

গগন—ঙাইখো ঙাইখো অসুম হাইথরক্কে হাইমী, অতুনা য়াওং ইল্লু হাইবা য়াবা মীতা নংগে হাইবমথৈ নংজসনু লুপা য়াম্না পীগনি পুমলৈ লৈথোকসু মঙাই —

তুলেশ্বর—মী অমনা পাক হেক য়াবা পোৎ নত্রিপোৎনিদনা

গগন—য়াদে য়াদে বি,এ নত্রগা এম, এ

তুলেশ্বর—ঐনা হাইনিংবদি—

গগন—ঐনা হাইরকপা অসিদা তাখোবা তুলেশ্বর ঐগী রা কাওখিদৌরে—

তুলেশ্বর—নজা ইবেম্মগী ময়ি অসি খরদি কল্লিদো--অতুনা

গগন—ময়ি কল্লি খংঙেনে অতুনা করি ?

তুলেশ্বর—শেল অসি—

গগন—শেলগী য়ায়া অতুক কোইনা—লুনা ঙাংলিবা ! হায়য়ু লুপা লিশিং ৫।১০ বস !

[অরাপ্পদগী প্রাতিমা "Dady ! Dady !" হায়না কৌরকই। প্রাতিমা চহি ১৫।১৬কী লৈশাবী মপুং ফারবী অমনি মশা মউ য়াম্মা ফবীনি, মশক মচু করিগু রাংতে। বেটমিন্টন শাম্নবগী পোষাক শেংলি। Up to date খম থেংলবী অমনি॥]

গগন—তুলেশ্বর--লাকলে—অসে ঐগী প্রাতিমা লাকলে, য়া অসি মহাকপু তাহল্লোইদৌবনি অমসুং --

[প্রাতিমা লাকপনা হানতুনা গগন জজ য়া মখা তাবা ঙমখিদ্রে, মতাং অসিদা অরুনকুমারসু হোতেলদগী ময়ুমদা হনগে থোক্লক্লে। প্রাতিমাগা অরুনগা ওন্না তৈনবা মাইকৈদা থৈনবদা তান অমা মান্নখিতুনা থেংনগদৌরে ২।৩ লক থৈনৈ]

প্রাতিমা—(থৈদোকতুনা লেপলগ) you get your position (শাওনা য়েংলগা চংলি)

[অরুনকুমার হুইঙক য়েংঙক চা, মুন্না য়েংতুনা লৈ মতু উবদা]

প্রাতিমা –you!naughty boy! turn your face ক্যা দেখতে হো !

গগন—(নুংশা থিবগা লোইননা) ইবুংঙো ! ইবুংঙো শাওগনু চংলো নুপী মচা জ্ঞান লৈতবীনিকো,লম্বী চংপসে তম্বসু কৈ—Always keep by the left. [অসি হাইতুনা প্রাতিমাবু মমাং থাহনা পুতুনা চংথ্রে—তুলেশ্বরসু ইন্নথ্রে) অরুন ঙক্লা য়েংতুনা লৈহৌই।

(লাইট)

অষ্টম স্নুবা থৌংপা

মহেন্দ্রগী মাঙ্গল হুমিদাং পুং৮।৯ তারকপা মতম॥ „ কমলীনি” মোইথাপ নাইরি “ লতা ” লং লংই থাংমৈ লালতেল মচা অমা থাল্লী।

কমলীনি—থাইনদি মোইথাপ নাইবা শিন্নাইবুং কানবা হাইহুনা ঙস্তা ঙস্তানা চাক ঈশিং লোইথোকনরগা, লৈকাইগী ইমান্নবী লৈশাবীশিংগী মত্নমদা নোংমা মোংমগী শিন্ন শিন্নহুনা থবক শুনৈ তরেং ১০।১০ থাহুনা মোইথাপ নাইনবসি লংহুম য়াম্বা তান্নৈ। ইশৈ হৈবনা ইশৈ শকই, রারী হৈবনা রারী লীনৈ কনাগী চু,অলু হুরাললুরগা নোংমা ফাদোকস্‌ু চাথোকই কনাস্‌ু থোইনা শাওনদে অহিং নোংশোইবা থবক শুনরগা অমুকস্‌ু য়াহৌঙনবা তান্নৈ।

লতা—অহল লমমন্নদি শাওনদ্রা ইমা !

কমলীনি—করিগী ?

লতা—মীগী পোৎ-চৈ হুহুনা চারুই হাইহুনা—

কমলীনি—করিস্‌ু কনানস্‌ু শাউদে--পংহহুম হরাওই শিন্নাইবুং কাবীশিংনা চানিংলমাল্লে হাইহুনা পংনোকতুম নোকই, হৌজিক্কিদি কদাই লৈ অমতং হৈ অমতং থৎলুবদা হা ফানরে পুম্নরে—

লতা--থাইনগী পুকচেল ফজনরম্বা মতম অহুদা ঐখোই পোকচরম্নবদি হুংঙাইজগনিদা—হৌজিক্তি অপংবা অতোম্বা ঐখোইগুম্বা মীদি কয়া রানা হিংলিগবা—।

কমলীনি—লোনচৎ অমা পুমহোং হোংখ্রেদনসে ইবেম্মা! হুপি মখৈ লাইরিক তমগ্রে, নিপা হুপি চপ মাম্নগ্রে ফীজেৎতমক খেম্নরে ;

লৈশাবী নৌ মশক খংনদ্রে, তাবদা মুংঙাইত্রবা রা কয়া কয়ানা নিতিগী রাথোক ওইরকলে

লাতা—মীগী লৈপাকতদি মুপী লাইরিক তম্বসি চাং য়াম্না হেনলে হাই ইমা তমোনা রারী শাবদা ঐখোইবুসু লাইরিক তম্মু হাইরমই।

কমলিণী--লাইরিক তম্বা জ্ঞান তানববুদি অফবনি অত্থদা কা হেন্দোকলকপা ফিজেৎ রাঙাং শাজৎ মুপী ওইবীগী লিরি খোইরিজদবা মতৌ অসি উবদা ইমানা পেনজদব হাইনিমা থাইনাগী ইমা ইবেলশিংদি লাইরিকতবু হৈতে হাইবনি হীরম খুদিংমক্লা ফীদমনফমগী মশকনি।

লতা—করম করম তৌই ইমা ?

কমলীনি—নমাখোই ঐখোই খরা খরা নংহৌই মুংশিদা নমা ইতা হাইবিদো লাইমা মোংহাজদেদা, বাসু কয়া ঙাংজদে, খজিক্তমক নোকই, চন্দনদি ঙৌবোক ঙৌনা হেক থিল্লি, পানা অসিনা কয়া চাগনথ্রে নোংহেক ঙানবগা চাক লোইরবনিদো অত্থদগী পানা ইঙাং ঙাংনা হেক চারগা থবক শুবা লাক্লবনি ঐখোয়দা, ফনেক লোনবদি খরতবু তপই হাইবনি হিজময়েক্কা লোনবদি আঃ ওন্থোকপনি লতা হৌজিকশিং লৈজরবদি কয়াদা মুংঙাইজগবা নংবু উজরগা, নখোই পাজি অসিনদি রা খরা ঙাংগল্লিদো রা হেক ঙাংনরকপদা খুমইগা খুমদেগা চৈনবনা খুমদে তুমিননতা লৈ ঐখোইগী নংগী পাজিনা অমুক অমুক চংহনা খামইবনি।

লতা—কনা মাল্লি ইমা ? তামোদি খরা খরা খংহৌই হাই। নহাল

অমুক ছুটিগী থোকলকপদা ঐনা তুম্মাং মতোনদা লৈ হেকতুনা লৈরিঙৈদা " ঐখোই ইমা মাল্লেদা হায়না " লক্করমই ।

কমলীনি—উমা! নং মানগ্রে-হুম থেঙলরিনিনহাই হুপীমচা ঙসিসিবো! করিনো নংগী পাজিনা হৌজিক ফাওবা হল্লকতবা অসিবো? ইমা নংবু থিনবিরগেদনা—

লতা—ইমাদা ঙায়হৌরনি হুংঙাইতে—পাজি লাকপা ফাওদি লৈথিনিদনা—

কমলীনি—মীনিন অমা তাবগুম তৌই লাক্লমাল্লে। [পোৎ, চৈ তরেংনচিংবা লোইশল্লি মহেন্দ্র, ধনেশ্বর চংঙকই]

মহেন্দ্র—ঐখোই তাদহননা ভাব অমদা পুবিখ্রে ননাত্তনদি মী ময়াম অতু তাহ নখঙহনজনিংদতুনা হায়জবা অতুদা তাদহননা পংশাওতা শাওবিখ্রে শাওবিয়ু, শাওবিয়ু--ননাওনা লানবা ঙাক্লি, লায়রবা হায়বা অসি অসিঙাক্লি, মীগী মরল তোননিংবা কনা লৈবগে তাদহন? কৈ লৈবা মায়কৈগা শেনবু লৈবা মাইকৈগা থৈনরকপদা কৈ লৈবা মায়কৈদা চৎলি হায়বতুনি ।

ধনেশ্বর—নং হাকমল্লি মহেন্দ্র! লোননা লোননা লীলা হেকমক য়াওবা, ঐঙোন্দনা য়াওদ্রে হেকমক হায়জিন্দুনা উৎ মচায়বা! নং ঐগী শেল শিংঙোইদবগী মরো অমা তৌরমাল্লেদা মাতুকাদি য়াবা ধনেশ্বর নত্তে—নংমা খঙইবতুনিদনা হা?

[কমলীনিনা ফীদা থাই ধনেশ্বর ফম লাক্তে।]

মহেন্দ্র—অমুক্তা লেংশিনখো, ঐ ভাব তানা অমুক্তা হঙ্গৎকেসে

ধনেশ্বর—ঐ ফম্মোই। তাস্তু তারোয় মরোল অমতা হেক্তা শেংউ চৎচগ্গে--হুমিদাংদা মীগী ময়ুমদা ফমতুনা লৈথিদবো?

মহেন্দ্র—ভাব অমা ওন্থোক্না লান্না পুবিশ্রেনে তাদহন্না—ন্না ঙাংনবা য়ারন্নোই—

ধনেশ্বর—ভাব ফবা ইবুংঙো! ইশেলতা শিংবিমু ন্না হেক্তা ঙাংনহুসি—করিনো? ন্না ঙাংনবা হায়সিবো ঙাংনরেদা ন্না অসে —কয়া য়াম্না ঙাংনখিসি হাইবগে?

মহেন্দ্র—ঐ তাদহনগী শেল শিংগনিনে নচাতদি থোক্লকখিসহুনে—

ধনেশ্বর—নচা ইবুংঙোহুবু সনা থোকপরা লুপা থোকপরা কম্নদা নোকপদা—হেক থোক্লকপদা ঙাইহুনা লৈরিবরা ফমনা? কদায়দগী লুপা পুরক্কদৌরিবগে? লল্লোনবা চৎথিবনি হায়বসু নত্তেদো, শেল শারদৌরিবরা নোট নমলদৌরিবরা? (শোন্থাংননা) হুরাল্লগদবা মঙায়দনা!

মহেন্দ্র—হিঃ হিঃ বিষ্ণু! বিষ্ণু! তাদহন! অহুমক্তি হায়বিন্নুনা—

ধনেশ্বর—নংতনবু নচানি হায়হুনা থাজবননি ঐগী করি থোকতুনা করি য়েংবিরনি হায়হুনা হায়রোইদৌরিবনো? নংগী রাতানা হায়বনি—ঐবুতা অরানবা শীবা রাহৈ খুদিঙদা করিগীনো? লুপা ১০০০৲ পুবিশ্রে চহি ৭।৮ শুরে ঙসি হয়েং তৌবিহুনা মচিৎ, মচিৎ, শেন্দোয়নি খঙদে—শেল্লেপনি খঙদে, খন্না পিবিরমই তোকথোকপিশ্রে ইংখোল পাট্টা থমই মহায়বা নামা ওন্থোকসি ময়াবিদবা নচা নিপাসি সহি তৌহনসি দলিল ওন্থোকসি হিঃ হিঃ তাহনবিগন্নু—মসিগী অর্থ করিনো? ঐগী শেল ফংফম লৈরিবরা? লৈতে।

মহেন্দ্র—ঐগী রাসু অমুক্তদি তাবিখোদনা অহুবু ঙসি লিলা য়াওরুবদি অসিনি লিলাগী প্রোপাইটার ইবুংঙো বাবু অহুনা

ঐ ইশানা ইয়া হেক য়াদনা অহু অদা খংদে হায়হুনা লুপা ৫০৲ থকতং ঙসিতগী হাইহুনা লংশল্লম্লগা চৎথ্রে—মতাং অহু নচা অহুনা থোক্লক্লবা খরচ লৈতহুনা লৈরে, মমান্নবা পুম্বা থোক্লথ্রে হায়বা মৈথক্তা লৈবা মতম অমা থোকখিহুনা ঐস্থ তিংঙোক মাংঙোক্লহুনা লৌশল্লগা লিলাহু য়াওরুরে মরোল অসিমতং ভাব হোদোক্লহৌদ্রিঙৈদ্রা তাদহন্না পংশাওতা শাওবিথ্রে—

ধনেশ্বর—শাওবা শাওদবা থিবিহু ইবুংঙো ইশেলতা শিংবিয়ু লোইহ্রে, নল্লগা য়ুম ইংখোলসে বন্ধক থম্বীরবনিনা চৎথোকপিখরো শেল শিংবিজরবনিনা লৌজহৌরগে ঐ ইংখোল কোইনগে শল থাক্কে ইপোৎ ইরলনিনা—

[মতাং অসিমক্তদা শ্রীঅরুনকুমার হেক থুংলৈ লাপ্তক্লা উবা ফংই।]

লতা—ইমা! ইমা! তামো লাকলে!

কমলীনি—ইমাই! ইবুংঙো! ইচা লাকলেদনা!

মহেন্দ্র—(ফীংনা ধনেশ্বরগী মনাক্তা চঙশিন্দুনা য়াম্না হুশাথীবগা লোইননা) তাদহন! লেঙবিরো—হায়নখিবা মথৈ হায়নথ্রে ঙসিন্তদি লেঙবিরো কদোগে? ননাওবু অমুক্তদি পোকপীয়ু, মখা অমুক তানরগহুসি—

[পুন্নমক ঙাইহাক্তং তুমিন তুমিন লৈনরি অচীকপা অহু থুগাইহুনা অরুনকুমার রা ঙাংলকই।]

অরুন—করি তৌরবগে বাজী? অস্থক য়াম্না হাইজরিবা অসিবো হা--ইমা!

ধনেশ্বর—(খোল য়াক্লা) হরে কৃষ্ণ! হৌরক্লেদো খোল নৌরপ্না

রাঙাং মুংশিদবা শিজিন্নবা। "হায়জরিবা" হায়বদি ইবুংঙো শেল তোনবিরগা শিংবিদ্রবদি হাইজবা হায়বসিংহাইদনা, নত্তে হায়জদ্রবদি য়ৈবিগে হাইত্রাও? রা শাংচুনা কান্নদে--সে! হয়েংমক শেন্দোয় শেল্লেপ লুপা ২০০০৲ শিংউ নত্রগা য়ুম ইংখোল থাদোকউ।

অরুন—ঐবুতদি ভাব অমুক্তং চানবিতুনা তাহনবিখো অতুগা—

ধনেশ্বর—পংগে হাইনা পঙশিন্নরবা ইবুংঙো নহাকপু কনানা ভাব তাহনবা ঙমগদগে?

অরুন—ওন্থোকপা মওং হায়বতুনি ভাব করি অমতা হেক তাদেদা, অহিং অথেঙবা অসিদা পংলাওতা লাওতুনা শাওনবা অসিবু—

ধনেশ্বর—তো! তো! আইন তৌবা হৌবকলে, আইন তৌবা, চৎলে ইবুংঙো, ঐ চৎলে, হয়েংতা শোয়ন্নবা শেল শিংবিযু নপানা নং লাক্লগা শেল শিংগনি হাইবনি। (চৎখিবা)

[মতাও অসিদা মহেন্দ্র অতু মকোক পায়তুনা ফমথখি, অতুদগী মিকুপ অমগী মতুংদা জ্ঞান য়াওদনা পঙথখিতুনা লৈমায়থক্তা তুথরক্লে]

লতা—ইমা! বাজি তুথখ্রে, করিনো অমা তৌরে।

অরুন—(ফিংনা) বাবা! বাবা!

[পুন্নমক চংতুনা খোঙ পায়বা য়াও খুং পায়বা য়াও সেবা তৌনরি--কা অতু মমগ্রে]

মৱিশুবা থৌপা

কা অমা

—অয়ুক পুং ১০। ১১ তাবা মতম

(বিহারী অমসুং কীর্ত্তিসিংহ লেংমান্নবা মরুপ অনি ৱারি শারমই। শ্রীঅরুনকুমারগী মরুপ ঙাক্তনি—।)

বিহারী—অনি থোক্লবদি নহাক করম্বা কাঙবুদা য়াওগনি ?

কীর্ত্তি—হৌজিকপুদি ঐদি Neutral ওইদুনা লৈরনি।

বিহারী—অদুনা করি কান্নরি ?

কীর্ত্তি—ঐখোইনা Group অমবু lead তৌদুনা চৎপসু ঙমদে, তাইশিন্নহনবসু ঙমদে, অদুনদি করি তৌরুনি য়াওরুদুনা—

বিহারী—করি ৱাহৌদগী কায়নখ্রিবনো ?

কীর্ত্তি—মচিন মখৈত শেংনরম্বা মপুকতি য়াওরমদবা অদুগা পক্তিরমগাইদা লোইনবা হেক ফুদোক্লরকপনিদনা—করিদৌনি হায়বগে ?

বিহারী—অদুবু কনাগী অমাঙবনো ? ঐখোয়গী জাতিগী অমাঙবা নত্রা ?

কীর্ত্তি—নত্তবদি !

বিহারী—অদুনদি মখোয় কাঙবু অনি অসিবু ঐখোয় প্রজাপুম্বগী য়েক্লবনি, প্রজাগী মাঙনবা শিনবা কাংবু অমনি হায়না লৌদুনা চার্জ তৌবা য়াই, অদুগা মখোয় মখোয়গী ওইজবা থিবগী লায়না অদু মরু ফংনা ফুকতোকহৌদুনা জাতিগী মাঙনবা শিল্লিবা অসিদগী ইজাতিবু কনহৌবা য়াই, ফত্তবা মীগী মপুন্সিদি জেলদা লৈহনথিবা—

কীৰ্ত্তি—মতম তৌরদি পেনগ্রনিদা—

বিহারী—কীর্ত্তি ভাই হৌজিক্কী জগৎতা শেলগী মমল অসি ওন্থোকনা য়ামহনগ্রে, মতুদি অচুম্বা অরানবা পুম্বা শেলনা কুপতুনা পুগ্রে, শেল লৈরবদা ঙমদবা থবক লৈথিদ্রে— শেলগী মিহৌবা অমসুং মপাঙ্গল লৈরিবা মখৈদি নংনা নিংলিবহু করিসু ওইবা য়ারোই।

[খঙহৌদনা অরুনকুমার চংলকই]

বিহারী—হৈমা! অরুন কদোমদগীনো? মতম ইচা চাদনা?

অরুন—ওন্থোকপা দশা অমা তারে, ইবুংঙো!

বিহারী—করি তৌরবগে? দশা লাইমসু তাগল্লিদা নং অসে!

অরুন—(কীৰ্ত্তি উরকতুনা) এঃ Brother সু লৈবিরমই?

কীৰ্ত্তি—অহোয় লৈজরমই। পরিক্ষা কনদৌনিরম্বনো? মঙ্গল ওবিগনিদনা!

অরুন—অহোই, থোইদোকনা হুংঙাইতবা যাওজখিদে।

[কীর্ত্তি থবর পাতুনা লৈগ্রে, অরুন বিহারীদা ওনশিন্দুনা য়াম্না পুকনিং চঙনা হায়রকই] বিহারী ঐহাক জ্ঞান মম্লতুনা লাকইবনি নং থবক অচিনবা লৈবরা? লৈত্রবদি রা অনা ঙাংনসি অরুবনি অতুগা বাজারদা ফার্ম্মাসিদসু চৎপা তারি।

বিহারী—চাক চারগা চৎসিদনা হৌজিক্তি মতম চাদ্রে

অরুন—চাককা চংবা পোৎ নত্তেনে ভাই।

বিহারী—হেন্না নং অমা অতুম্না হেক রাগনবা অসিনা করিসু লৈতবা থবক অমগী, হিঃ লুখ্রবনি, হা অছুনি হেক্তা হায়—।

সে, অমুক্তদি ফমথখো হায়বা, চাক লোইদৌরবনিনে—

অরুন--বাবা য়াম্না কননা নাহৌরি হায়মি। out post কী doctor না ওন্থোক্লা য়াম্না লুনা হায়খ্রেবো, মতা চাদ্রবদি heart failure ওইবা ফাওবা য়ান। লৈ হায়রক্কই। য়েংউ অসি ইরকইবা হিদাক অসি লুপা ৫০৲মুক চঙবা য়াই হায়রি, পৈশা পাই নাতৎপী অমা ফাওবা লৈত্রি, অসিনসু কে৷ননবা পোৎ নৎতে অমুক লুপা ২০০০৲ হিদাক ওইনা লৈবা তারি।

বিহারী—তানিঙদ্রেদ্রা কনা ডাক্তরনোনে লুপা ২০০০৲গী হিদাক্কী prescription পীরিবা অতুবো ?

কীর্ত্তি—হোয়নে তাবদবু কিরেনে করিনো? (মপাললোমদা য়েংথোকলুই)

—এঃ ঐগা তুলেশ্বর লাকইনা।

বিহারী—ঐ পুন্নমক খঙঙে--সে ঙাইহাক্তং ফমখো চাক চারগা চৎসি ঐসু য়াওগে। [অসি হায়তুনা অরুনবু চিংথতুনা ফমহল্লি। অরুন বিভুলা চুবতুনা যমই মখুৎ অনিমক চুবা মেংলি শুন্দা য়েংতুনা লৈরি]

তুলেশ্বর---(রা ঙাঙনা ঙাঙনা চঙঙকই) হেঃ হেঃ ইচেবু থোইদোকপা লৈতে লৈজদেমা ইচেবু, ঐ ইবুংঙোহল অমুত্তা উনজগে হায়তুনা

কীর্ত্তি---ঐজ্ঞা লেঙশিনবিরকসি ! বি, এ, ওইফাৎত্রিবা অনিথক্তি সিদা লৈজরে। ঐখোয় ঐজ্ঞাগী বি, এ, লৈনবা থিবিবা অসি ফংদ্রিবোইদকো, ফংদ ফংদ্রগা ঐজ্ঞা I. A. গুম্বা Matricকুম্বা খরা হনথবা জাৎসু মথীবিউ কদোগে ননাই ঐখোয়সু লাইবক ময়েংজহোগে ? [ফাল অমদা তুলেশ্বর ফমথৈ]

তুলেশ্বর---হায়নু হায়মি ইবুংঙো ! কীর্ত্তি রাসেবো ! মীনা ঙাঙবসু

লৌদ--মানা ঙাঙবা, খনবতনা মচুমলে হায়হুনা লৈখ্রবা---।

কীর্ত্তি—কদোমদগীনো ঐখোয় ঐজ্ঞানা মসিবু তিন্নরুরিবা অসিবো

তুলেশ্বর—হেরা ইবুংঙো তৌববুদি মহাক্কা তিন্নবা অসিনা ইয়াম্বগীদি খরা উপায় মওইয়ে, কুম খুদিঙ লৌশাল যণশাল খরা খোম্বিরুইদো ফৌপোং ৫। ১০ অমা হেক খপথজহৌই, শেম্লোল, থুমদোল থৌবা লবায় থরায় খরা হেক চংপিরুই কুম অমা চানবা ঙা, হরাই চেংরাই খরা হেক সৌশিনজহৌই. অহা তৌনা পাল্লিবনিদো ইয়াম্বদি নত্রবদি ইষ্ট সেবা অসিমা শোয়দৌনি।

কীর্ত্তি—বি, এ, অসি অহোঙবদা থিকিরেনে ঐজ্ঞাখোইনা খরা মমল কানা হুল্লবদি নহান্না ফংলগদবনি।

তুলেশ্বর—মমলদি ফনা কারেনা, লিশিং মঙা য়ৌরেনেনহাই ইবুংঙো!

কীর্ত্তি---হিঃ ফনা হাইগংলমলেনা, হৌজিক হৌজিক লুপা থীবি খুংশিন্নবিনিকো ঐজ্ঞা?

তুলেশ্বর—খুংকা খুংকা হেক্ত শিন্নবি—!

কীর্ত্তি—পামহইদকো লুপা অসি—আই এ, বি এ, ওইহৌদবা তোল্লিদকো!

তুলেশ্বর—ফাগি তাহুসি ইনাওশা, (বিহারীদা) ইবুংঙোহল! কুমশিনা কনা বি এ, থারম্বা! কনা কনা শোয়দনা পাস ওইরক্কদৌরিবা?

কীর্ত্তি—করিগীনো ঐজ্ঞানা রারিবা অহুবো? বি এ, দি অমতা নত্তনা অনিবু লৈবেনে, ইনক হেক নকনা

তুলেশ্বর—কনা কনানিনা?

কীর্ত্তি—সিদা ফমলিবা ইবুংঙো অরুন বাবু অসিমা অহুগা ইনাং

বীহারি, শোয়দনসু পাস তৌরগদবনি।

তুলেশ্বর—(অরুনকুমার য়েংলগা) ইবুঙঙো অসিদি মহৌশা খঙদেনা! চুমত্রনে ইবুংঙো অমুক্তং খল্লুদনা মশক মতৌনা ফজরিবা—শগৈনে জাংনে রাংতেদা ইবেম্মা অসি—

কীর্ত্তি-রা অমা লৈনে ঐজ্জা, মরল মথুম অত্থদি অরায়বনিনে, করিশু লৈজদ্রবী লায়রবী নুপী মচা অমা ফাওনসু মযুম পান্নবা হোংনবদা অসুক রানখিদে, মহাক্কা রারিবা অসি—

তুলেশ্বর—কনিগীনিনা ?

কীর্ত্তি—মঙ্গা ইবেম্মা অত্থবু কীবা নত্তেনে ঐজ্জা, মপা ইবুংঙো জজ সাহেব অত্থবু কঁবনিনে তিন্নবা ঙম্মোয় হায়দ্রুনা। নত্তে মহাক্কী ওয়জবা থিবা অত্থবু তোক্লবরা ? মত্থ তোক্লবদি মী হেক্তা ফঙগনি।

তুলেশ্বর—মত্থদি য়াবনোয, মপোক্কীনি। নত্তে (অরুনকুমারদা) ইবুঙঙো অসিবু কনানা পোকপনো ? করি লমদা লৈবনো ? পীনিঙথ্রেদা নুপীচা অসে, করি মীং হায়য়ে হৌজিক্কীত্থবো ?

বিহারী—"তারন"

তুলেশ্বর—হো! হো! অরুন হায়বদি, হায়বদি নুমিৎ—। করি নুমিৎতা পোকপগে ?

বিহারী—হৌজিকমক পক্ক রাযনা য়েঙবা তারবরা ঐজ্জা! নুমিৎকা খিগৎলক্লবসিনদে (চঙখিবা)

তুলেশ্বর—অওইবনি ইবুঙঙো কীর্ত্তি কনানোনে, ইবুঙঙো অসিবো ?

কীর্ত্তি—ঐজ্জা ঐনা ফাগী তোজবনিদা—লাইরিক্কীবুদি বি এ, তা নত্তে পাস তৌরিবা বি এল, সু পাস তোগদৌরিবনিদা,—

অতুবু ঐজ্ঞাগী অতুগুম্বা ভাব অতুদা চঙগদবা মীতাবু নত্তেদা, কাম্নরোয়—

(বিহারী থোক্লকলে)

বিহারী – চাক লোইরে অরুন লাক্লো।

অরুন – ঐ চাক চাররোই বিহারী নঙ চারুরো।

বিহারী—নঙ চাদ্রবদি ঐদি করম্না চারুনি ?

কীৰ্ত্তি – ঐজ্ঞা লেঙলসি, ননাইশিঙগী চাক ঈশিং মতম অমা ওইরমাল্লে।

তুলেশ্বর—অতুবু—

কীৰ্ত্তি—লেঙদ লেঙডসিনে – ননাই ঐ কোম্না হঙ্গৎকেনে, চৎলে, ইনাওশা (অনিমক থোকখি)

বিহারী—করিগীনো অরুন নহাক্লা ঙসি অসুক রাখল তৌরিবা অসিবো ? সে লাকও হায়নি, চাক অসি ইংগ্রনি—

অরুন—চাক চঙদ্রবনিনে বিহারী, বাবা শোযবা য়ানা নাতুনা লৈহৌরি, মীগী লুপা ২০০০৲ তোল্লি হায়, ঙসি শিংদ্রবদি য়ুম ইংখোলদগী তাম্হোক্লনি হায়রি, ঐবম অসিদা ঐনা চাক চারুতুনা করি হাওগনি ? ঐগীনি হায়বা হোজিক পাই নাতৎপী অমা ফাও লৈত্রি।

বিহারী –করিগীনো অতুক য়াম্বা লুপা তোনবদে ?

অরুন—ঐগী লাইরিক তম্বদা চঙবনিদনা, খন্দুনা য়েংউ, বাবাগী Income গা ঐগী লাইরিক তম্বগা, ধনেশ্বর কৌবা ইনাক খুনবা নিপা অমদগী য়ুম ইংখোল বন্ধক থমতুবা পুবা শেল ওইরমাল্লে। চহি ৪।৫ শুরবনি, নহাল ঐনা লংফৈদগী থুংবা

হুমিৎ অহু মতা চানরুহুনা শেল য়াম্না কন্না থৌরম্বই। বাবানদি ঐবু শুখং খঙহননিংদবা শেনফমনি। ঐনা রা অসি হেক খঙখিবা অহৃদদি বাবাগী অরাবা হায়বহু ওইখিহুনা থৌদোক অসি থোকগ্রবনি। বিহারী! ঐ কোক অসি য়াম্না ঙাওরে। চুম্নগী শেল লুপা ২০০০৲ অহু নৈতবদা নত্তনা বাবা শিবা চঙবা খঙদনা লৈ:হৌরি, (ফম্বদগী হিপথগে তৌই) হুম! লুপা ১০০০৲ অসিবু শিংখিদ্রবদি ধনেশ্বরদা—। হিদাক লৈরুহুনস্থ কাম্নররোই (ফীংনা ফুক হোৌগৎলি)

বিহারী—শেল অসি য়ামখ্রেদা অরুন, হৌজিকপু ঐখোয় নখোয়গী চহি মত্তাং অসিনা অতুক য়াম্বা শেল পুবা ফঙগনিস্থ থাজদে লুখ্রেদা নঙগী রাফম অসি!

অরুন—হৌজিক রা ঙাঙনবা ঐজ্ঞা হায়বহু কনানো? মহাক্না লুপা লিশিং লিশিংগী রা য়াম্না ঙাঙলম্বদাই, ঐদি কয়া মুন্না ভাব তাহৌদ্রে—

(কীর্ত্তি অমুক ফীংলপ চঙঙকই)

কীর্ত্তি—বিহারী! কমদৌসিগে? ঐজ্ঞা বি, এ, খিবা হল্লো হায়বা য়াদ্রেনে হায় ভাই।

বিহারী—করিগীনি হায়বগে?

কীর্ত্তি—ইবুংঙো অরুন বাবুবু হংহুনতা লৈরে হায়মি, য়ারবদি অমুক্তা পুহুনা চৎলুগে হায়না কন্না তক্তুন লৈরেবো!

বিহারী—নহাক্নবু থরা মুন্না খঙব্রাও, করম্বা মীভানো জজ অহু অমসুং মাগী মচা হুপী অহু!

[অরুন ভাব তাদনা বিহারীগী ফম্মুংদা হীপথখি]

কীর্ত্তি—মচা অতৃগীদি ঐনা করি খওগনি হায়বগে অতৃগা মপা জজগীদি থরগী মথৈ খণ্ডই শম্না হায়রবদা—লৌয়াম চাবা, ইংখোল লমহাং খোঙ্গা, অঙকপা ফংবা কেপীটেলিস্ট, মীনা তিন্নবা ওম্বা মীতা নৎতে, করিগীনো নওনা হওলিবসিবো কুপ্না অমুক অসিদবু থাজিনখিগে হায়রিব্রাও, মাবো ?

বিহারী—(অরুনদা) তুহনা লৈরিবসি উরবরা ? মরম খওলবরা ? শেলগী দরকারনা ঙাওরিবনি, চুম্নগী দরকার নৎতে ঙসি হয়েং ঙাইবা য়াদ্রবা হৌজিক হৌজিকমক, ফংদ্রবদি মখোয়গী বাবা হিংবগী আসা থাদোল্লবনি। অবস্থা অসিদা লৈগদবগী শরুক মরায়ক্তুম য়েংঙহললুরসিরা হায়রিবনি, মপাগী করি রানো ? মচাগা পান্নগদবনি, মপা নোংমা শিথ্রগা লোইরেনা।

কীর্ত্তি—খঙদ্রেনা মত য়ৌথ্রবদি—

[তুলেশ্বর চংঙই]

তুলেশ্বর—কদায় ইবুংঙো হাযবীত্নবো ? হেঃ রাধে ইনাওশা কবিসু খল্লুহুদা, লাইবক ফরবদি জজ সহেবকী মরল পুম্না ফংহৌগদৌবি-বনি, মহাক্না মচা হুপী মথন্তা পোকচবীনি, মহাক্কীদি কনানা লৌবিহৌগনি, হুপী মচা অহনা য়ানবা থরা চৎপিরগা লোইরে। অমুক্তদি পুরুগেদা—

অরুন—[ফিংনা ফুক হৌগৎত্নুনা] হুম ! নত্রে ঐ চৎলগে, বাবা উনহৌদত্নুনা তোক্লরনি, ঐনা সিদা লৈথোকইঙৈদা, ঐ চৎলে।

(চৎকে তোই)

বিহারী—অরুণ নঙ বুদ্ধি তাদ্রে ঙাইখো হায়মি ! (ফাবা)

কীর্ত্তি বাবু ভাব তারেদনা, চৎহল্লুসে অমুক্তং (অরুণদা) সে ! অরুণ

নং ঐজ্ঞা তুলেশ্বরগী তুং অমুক্তা ইল্লু নংগী লুপা ইাঈবত্থ ফংত্র য়েংশি হাঈবা !

অরুণ—হাঃ লুপা ! কনাদগী ? ফংগদ্রনে ?

তুলেশ্বর এঃ এঃ ইবুংঙো ! ইগাম্বনা পীগনি শোয়দনা পীনি লাইবকশাবু তিন্নরম্নবদি চৎত-চৎসি লাকও—

অরুণ—(ফিংনা) ফরে চৎলসি ; খরা থুনা চৎলসি ইস ! বাবা ! বাবা !

লাইট

৫ শুবা উৎপা

(গগনজনগী বৈঠকখানা—অয়ুক পুং ৬ তাবা মতম জজ সাহেবকী মনাই মুপা "য়াইমা সিংহনা" চা-থরুবা পাত্র ময়াম অমমমতা থাংদোকপা হৌরকঈ ।)

গগনজজ—য়াইমা ! অমমমতা হেক থাংদোকইদকো নং অসে ! হৌগ্রবদা তানবা ফংদ্রেবা মমল নাইদ্রবা মতম অসি মাঙনবতা হোৎনবনা নথৌ ওইবসিবু ঙকঈদা—

[য়াইমা রা তাত্থনা লাইহাক লেপ্তুনা লৈ]

আঃ রা তাত্থনা অমুক লৈরেদো ! মতম অমতদা তাবা, উবা, খঙবা অমসুং থৎক পাঙথোবপা ঙম্নবগীদমক মতম অমতদা ঈশ্বরনা, না, মীৎ, থোপ অসিনচিংবা ইন্দ্রিশিং অসি পীবিরঃ ই-বনি—তাবগী অমুক লেপ, উবগী অমুক লেপ, খঙবগী অমুক লেপ করম্বা মতমদা থবক পাঙথোক্বনি ?

(চা শেমত্থনা থক্লা ২ কোয়না কা অত্থ চৎলি অমসুং পোৎ-চৈ পুম্বা থম্ফম লাবফম চারবা হায়না অসুম য়েংই

১স্থং শেমজিন শাজিনবা য়াবনা শেমজিন শাজিন্দুনা থমই অস্থম চৎপত্থদা Dressing table মথক্তা "প্রতিমানা" Powder নচিংবা থাত্থনা কেরম্বগী পোৎচৈ ইচায় চাই-খাইরম্বা থেংনরুরে]

ওহো! য়াইমা! পাউদার অসি কনানা চাইখায়রমই টেবল মথক অসিদা—?

য়াইমা—(মুন্না তারগা তপলপ্না) ইবেম্মননি।

গগন—(য়াইমগী মতৌ তমত্থনা শাওনা) ইবেম্মননি।

নংদি তাকপিবা য়াদ্রা নত্রগা লোইশিনবা য়াদ্রা চাইরিবসি অমাঙবনি হায়না অঙাংনা তৌরম্লবস্থ—হঃ হানে য়াইমা!

[য়াইমা হুইঙক য়েংঙক চাংনা লৈ]

Little drops of water make the
mighty ocean
Little drops of sand
make the pleasant land.

নং খঙদরা য়াইমা! পিক্লবা ঈশিং মরিক মরিক্লা চাওরবা মহাসমুদ্র ওইখি; কুপ্লবা লৈঙোয় মরিক মরিক্লা স্থংঙাইরবা পৃথিবী শেমখি॥

কুপ্লবা Powder গী মরিক মরিক্লা পাউদরগী কৌটা অসি ওইখ্রিবনি খঙব্রা?

মীনা তাক্লবা নাইদনা ১স্থং থৌদাবা ঙাইদনা মথৌ তৌবা মী অত্থবু কৌনৈ, মী অচঙবা, লেকচর তৌত্থনা তাক্লগস্থ থৌদা লিশিং পীত্থনস্থ মথৌ খঙদবা মীত্থবু অশীবা মী কৌই—

হঙ্গং হন্দা চংপা ঙম্নবস্তু মখোঙ পাল্লি হায়তুনা মীঙোন্দা মুন্না য়েংলবস্তু মম্নিং পাল্লি হায়তুনা অমুক হায়বদা খঙদবা মীবু ১সুং মীজাংপু কৌনৈনে য়াইমা! অপঙবা!

য়াইমা—অমা তৌরিঙৈদা অমা হেকতা হাইবিন্নকই অমা হেকতা নংহৌদে—

গগন—ঙাংবা খুম্বা মতম নাইনসি য়াইমা! নত্রবদি রা অনি য়েংখায়নতুনা নংগী ঐগী রা অমত্তগী অর্থ থোক্লরোয়, খুমগন্থু, ঐ রা ঙাংবা লোইদ্রি—মতম মাংহনগন্থু, নহাক্কী থবক অতে লোইরবরা, ঙসি অয়ুক্কী লেকৌ শাকৌ তৌতুনা লৈরিবসে?

য়াইমা—লোইজরে—

গগন - হায়ন্থু! থবকপু লোইবা হায়বা লৈব্রা?

শীং খায়ববরা?

য়াইমা—হোয়!

গগন—শঙ্গোল শেংলবরা?

য়াইমা—হোয়!

গগন—চরু কল্লবরা?

য়াইমা—হোয়!

গগন—শন্থি শারবরা?

য়াইমা—হোয়!

গগন—লৈকোল ঈশিং চাইরবরা?

য়াইমা—হোয়!

গগন—কাগী লৈতেং শেল্লবরা?

য়াইমা—ইহে মহুদি কাউরে!

গগন—কাউরে! তোগদবা নথৌ কাউরে য়াইমা?
আঃ ওস্থোকপনিদকো য়াইমা নং অসে
তাঙলবা মতমগী ঈচেলদা
কুণ্ডলবা পুন্সিগী থৌরম পরেংদা
অকাওবগী লম্বী থমহুনা
থৌগাই থিরিবা নহাকসে
ওইরবোই, ওইররোই, মী, মপোকসিমগী
হুম! য়েংঙকউ ঐখোইদা

[য়াইমনা ফিংগব ২ য়েংই
গগন জজদা]

গগন -(স্বর শাংনা ২ অনিরক অহুমলক হোল্লি) অসি করিনো?
য়াইমা—স্বর হোল্লিবনি
গগন - হো!...স্বর হোল্লিবনি—ফরে য়াইমা! স্বর হোল্লিবসি করিগুম্বা লেপ্লবদি হায়বদি তোক্লবদি কাউহুনা কমদোনি মীদো য়াইমা?
য়াইমা—(মুন্না ঙাইহাক খল্লগা) অঃ অং শিনি!
গগন—শিনি! স্বর হোনবা কাউরবদি মী শিনি!
অতুগুমহুনা মথৌ কাউরবদি মী............

[ইংখোল মতোন্দা হুইনা ঙাহু নচা লাককে
তান্নবা উরকতুনা ফিংনা লাউরকই]

এঃ এঃ মাঙলে, মাঙলেনে য়াইমা! কনানা থাদোকই কনানা থাদোকপগে হাইমি, হুই অসি?
য়াইমা—ইবেম্মনা

গগন—খুমহুনা অমুক মতম্ মাঙহন্দুনা লৈরন্নুনে য়াইমা, ফাজিল্লু চৎলু হায়মি—

[য়াইমা ফিংনা চেনশিনখি
অহুগা রাকোক্ অচৌবা অমা
পায়হুনা রাংনা হাইগৎতুনা
নিংহন্ননা থোকলকই]

য়াইমা—য়াদ্রে! হুইনহাই—হুইনহাই!

গগন—লাকত্রিবরা? লাকত্রিবরা? লাক্সরিনি! শোয়ন্নোই।

[হায়না হায়না য়াইমগী মতুঙদা নকনা চঙশিল্লুই য়াইমনা হুই অহু রাকোক্লা থারগে হায়না কন্না হায়গৎলকপদা তুংদা লেপলিবা গগন জজগী মকোকতা রা মতোন্না কম্না থারে গগন জজ মকোক কায়রে লৈমায়দা তুরে মতাঙ অসিমক্তদা তুলেশ্বর, অরুন চংঙকই, য়াইমনা গগন জজবু থাংহুনা চৌকিদা ফমহল্লি অহুগা লরাইদা কামথরি তুলেশ্বর অরুন ইঙক ঙক্লা লেপই]

গগন—[জ্ঞান খরা তারক্লহুনা মকোক নাল্লুবদা ঈ পকলকতুনা ফিংনা] ইঃ! য়াইমা! তঙাং তঙাংলবা তয়িং তয়িংলবা হেক উবদা পূকনিংদা থুক লাউবা পোকলবা অসি ঈ নত্রা ঐগী কোক্তগী থোকলকপা! (শাউনা) ফাদোক পীগেদো মী অমা ঙসিদি—

[য়াইমা রা অসি তাবদগী শাউনা ইমুং চংখি]

গগন জজ—(শাউনা য়াইমনা চংখিবা তান্নহুনা য়েংবদগী তুলেশ্বর অমসুং অরুন লাকপা উতুনা) তু-তুলেশ্বর! য়েংউ অসে

(ন্নাকোক অহু উৎতুনা) চাউরবা ন্নাকোক্ অসিনা য়াইমা—নোয়রবা, চাওরবা, কল্লবা, মী অসিনা ঐগী কোকতা কন্না থারবা ফাওদসু কোক খিত্তং কায়রগা ঐ শিন্দহুনা লৈরমইবসি নং ওকত্রা ?

গগন—(অরুনকুমারবুসু উরকতুনা) এঃ এঃ ইবুংঙো অসিদি কনানো ? চংঙু চংঙুনে মঙ্গুং চংহুনা ফম্মু হায়বনি হুইনা চিঙনিনে হুই মবুক শেংদবা অসি থাদোক্তুনা য়াম্না বেরা তৌনরি হাইমি—তুলেশ্বর নং লাকপবু করিগীনো ? য়াইমা ! য়াইমা লাও !

(য়াইমা শাউনা খোকলকই)

নং ফাদোক লৈরোইদবগী মরম পীয়ু, ঐবু কোক থুগাইবগী (য়াইমদা শংগ্রিক য়েংহুনা লৈ)

(য়াইমা অমুকসু শাউহুনা চংখি)

ইয়া ! য়াইমা charge অমগী মথক্তা অমুকসু charge অমা লাউ য়াইমা লাকখো !

(য়াইমা খোকলকই)

মী অতোপ্পা অমসু লাকই—নংগী ঐজ্ঞা তুলেশ্বরসু লৈরি—ঐনা ন্না ঙাংবদা নংনা অশাউবা উৎতুনা থওইদনা চঙখিবা অসি মপু-মনাই লোয়নবগী ettiquette লা ? charge অমুকসু অনৌবা charge ! অমগী মথঙদা অমা মী অপঙবা !

তুলেশ্বর—চুমদবরদো ইবুংঙো য়াইমা ! নহাকসু তাইবুংঙোনা তাকপিরিব্রসি—অদু হৌনবরদো·

য়াইমা—মীনা হুই ফুগে তৌবদা শোয়খিববু কাদোপ পিনি হেকতমক হায়—

গগন করি শোইখিবনি হায়বা? Oh! খুমইনে হাই—To err is human য়াইমস্থ মীনি শোয়বা য়ায়না ঙসাইনা অতুম হায়বা য়াক্রা? চৈনক্রিঙৈদা

তুলেশ্বর—হোয়নে ইবুংঙো ঙসাইনা হেক অতুম হায়রবদি ফগদবা

গগন—অতুদি নং হৌজিক্তি শাউদ্রেদনা য়াইমা?

য়াইমা—শাউদ্রে।

গগন—অতুদি নোকউ! (য়াইমা শেমতুনা হিঃ হিঃ নোকই)

তুলেশ্বর—ফরেদনা—দো!

গগন—চৎলো চৎলো থবক অতৈ তৌজরুরো!

(য়াইমা চঙখি)

তুলেশ্বর—তাইবুংঙো ইবুংঙো অসি—

গগন—হা করিগীনো ইবুংঙো অসি পুরকইববো?

তুলেশ্বর—(লোল্লগা হায়গে হায়তুনা) শোমদা অমুক্তা—

গগন—করিগীনোনে হা? (তুলেশ্বরগী মনাক্তা চঙশিল্লি তুলেশ্বরনা নাকোংদা লোল্লা রা হায়)

ওঃ ওঃ হাই, ইবুংঙো অসিদি নহান লম্বীদা হুমিদাংরাই উখিবা অতনিনা—হা নত্রনে ইবুংঙো!

[অরুন কুমার গগন জজগী মতৌ অতু উবদা জ্ঞান মম্লতুনা তুমিনা চুবা মেৎতুনা কাচিন্দা ফমতুনা লৈরি]

পুং কয়া তাথে ভগি অসি! প্রতিমা মখোল তাদে কদাই
চংখি হল্লকত্রিবরা? প্রতিমা! প্রতিমা!

য়াইসা—(ইমুংদগী) ম্লাকিং চংখিবদগী হল্লকত্রি!

গগন—করি মিং কৌই ইবুংঙো? (অরুনদা হংই)

তুলেশ্বর—শ্রী অরুনকুমার কৌই আইবুংঙো!

গগন—মশাবু খুমহল্লু তুলেশ্বর! মসি. অরুন আইনগী রানি মী
অমগী রা অমনা খুম্বা—! য়াদেনে হায়য়ু ইবুংঙো

অরুন—(ইঙক ঙক্লা) হায়রিবা অসিনি

গগন—হুম রা লুনা খুমগন্থু—শ্রীঅরুনকুমার সিংহ কৌই হেক্তা
হাইযুবা ইচম চম্না।

গগন—অপোকপা লৈরিবরা?

অরুন—লৈরি!

গগন—মীং হাইয়ু!

অরুন—শ্রীমহেন্দ্র সিংহ

তুলেশ্বর—থায়না তেরা স্কুলগী ওঝা ওইজরম্বনি
হৌজিক্লা পেন্সি লৌহ্না

গগন—রা শাংগন্থু তুলেশ্বর! মতম মাঙহনগন্থু (অরুনদা) লৈফম

অরুন—থৌবাল নোংগাংখোং!

গগন—থৌবাল নোংগাংখোং হায়বসি কয়া লাপই তুলেশ্বর?

তুলেশ্বর—লাপ্পা নকপসি থোইনা হংনরুহ্না কান্নদেদা তাইবুংঙো
মরমদি ইবুংঙো অসিদি অসিদা

গগন—আঃ ভাব তাদেদকো তুলেশ্বর! খঙদনা অখঙবা শাবা
হৈতনা অহৈবা শাবা তৌগন্নুনে তুলেশ্বর!—মসিদা লৈবা

লৈতবগী question না অমনিনে—ঐনা হংজিনা অনি হংদনা য়াদবনিনে খঙদবা য়াদত্তুনা Identification কৌইনে মীগী খঙদবা য়াদবা !

তুলেশ্বর – য়াম্না ফরে তাইবুঙঙো ঐ খঙজদত্নুনা তৌবনি (শোম্বাংজনা) মীনা ঙাংবমখৈনা লোইনা লানবা তাইবুঙঙোমা ঙাংবিবা মখৈনা লোইনা চুম্বা (ফোংনা) রা শাংথবিরম্ মখা চথবিরো—

গগন—ঐগী য়ুম অসিদা পুন্না লৈবা ঙম্মনিদনা ঐগী ইচানুপী অসি লৌরবদি—? অমস্তুং ঐগী ইচানুপী অসিবু করিদৌঙৈদস্তু খাইনবা য়াদবী—হেক খাইনবগী রাফম লাকপদা Compensation ঐগী লুপা ৫০০০৲ অসি হনগদবনি মতৃনস্তু অতৈ legal bindnigs দগী নাম্বোকপা নত্রি -

(তুলেশ্বর, অরুন তুমিন তুমিন লৈ)

B. A. দি কুমশিত পাস তৌবরা ?

অরুন—B. A পাস তৌবদি হাকুমনি—কুমশি পরিক্ষা পিজরুবদি B. . L. গীনি পরিক্ষাদি হায়দোকলকত্রি ।

গগন –B. L. Oh ! My good God ? অত্তুদি you know all the legal bindings of a married woman or wife in the eyes of the law ! ঐগী Conditions শিং অসি য়ারবদি তুলেশ্বর ঐহাক চ্যেক ই-নবা থোরাঙ তৌরগে অত্তুগা নহাক্না লুহোংবগী অফবা শুমিৎঅমা য়েংথোকপা কৈ—

তুলেশ্বর --(গগনগী নাকোংদা লোন্না) তাইবুঙঙো ঙহাক্তং খন্নবা মতম পীবিবদি ফৈদকো—

গগন—Alright। চুমই - খনবা য়াগনি—করিগী য়ারোই খনগ-
দবনি—য়াম্না মুম্না –

(তুলেশ্বর ১সুং গগন জজ থংনবা কা অমদা চঙখি)

অরুন—(জ্ঞান তাদনা ফিংনা ফুক হোগৎতুনা) লুপা ৫০০০৲না ঐবু লৈখ্রবা! ঐনা লাইরিক তম্নবগীদমক ইপাগী লোরি-ইংখোল মাঙখ্রবা মশাগু শিবা চঙবগী অবস্থা খঙদনা লৈহৌরগা ঐনা লুপা ৫০০০৲ দা ইশা য়োম্থোকপা। লতাগা ঐগা অনিগী মরীনা কমদোৌবা বাবা! ইমা! অনিগী পামজরবা আশা! ধনেশ্বরগী লুপা শিংদ্রবদি বাবাগী হিংবগী আশাসু য়াৎলবা—মান ইজজৎ পুম্নমক চৎখিবা ঐহাক শিখিবনা ফরব্রা? হুম শিদ্রিডৈদা ঐগীদমক তোনবা বাবাগী লম্মন লুপা ২০০০৲ অসিদি ঐনা তশেংনা শিংফম থোকপা লুপানি।

(তপ্না অমুক মকোক পায়তুনা ফমফমদা ফমথৈ)

অতুদি কমদোৌবা! ইস! লুপা! লুপা নংগী নগুণ অসি চাউইদা মী! লুপা ৫০০০৲ পিবা মী লিশিং ১০ পিবা মী—! লুপানা মী লৈবা ফংই হাই—ঐঙোন্দগী হৌনা – আঃ তোনখ্রেদা মীগী মরল তোনবা!

(মরু লুকথতুনা লৈখি)

খঙহৌদনা প্রতিমা চঙলকই, Design তৌবা স্কট শেৎলি মথুৎতা Staff অমা পায়রকই য়াম্না খিং খিং লাউনা হেক চংঙক্লগা শকয়েং মিংশেল অচৌবদা মশক য়েংই—শকয়েং মীংশেলদা কাচিন্দা ফমলিবা অরুনকুমারগী শকতম উবা ফংলকই]

প্রতিমা—Who are you boy ! (অরুন কুমারবু শংত্রিক য়েংলগা)
Oh ! That stupid !
[অরুনকুমার য়া অমতা ঙাঙদে
শংত্রিকনা প্রতিমাবু য়েংহুনা লৈ]
Get up ! (অরুন হৌগংতে) I Say Stand up !
(অরুন লেঙদে)
(অরুনগী মনাকতা চংলগা) I Say Stand up !
(অরুনগী মমাঙদা লৈবা Table দা
Staff না কয়া ফুই অরুননা
করিস্সু নাচুংবিদনা ফমহুনা
লৈথোকপা অহু উবদা উপায়
লৈত্রহুনা মখোয়দৌ প্রোক ২
চাকনা)
Oh ! Who's there ! father ! father ! Yaima
Oh ! Dady : (কন্না লাউই)
(জজ, তুলেশ্বর ফিংনা চেন্থোকলকই
পৌদোক অহু উবদা ঙক্না ঙাইহাক
চগৌ য়েংহুনা লৈরুরগা
গগন—প্রতিমা ! What is that ? (মচাবু নাকল ওইরপ
কোনবী)
প্রতিমা—Dady ! Who is this naughty boy ! মীনা
হংবস্থু খুমদে—ঙকলিববু ঐ উরগস্থু লেপখংতে (অরুনদা)
Get out ! (খুদোনবী থিল্লি)

গগন—প্রতিমা ! Get in—(মচাবু ইমুঙদা ইনশিনবি)

প্রতিমা—(মপানা ইনবা খাঙহনা অরুনদা) নং খঙগনিদনা (চংখি)

গগন—য়াইমা ! য়াইমা ! (ঝিংমা, শাউনা, কা অহু পুমথুং
থুংনা চংলি, য়াইমা শুকচং চংলকতে
অমসুং খুমললকতে)

য়াইমা ! য়াইমা ! কদাইদা লৈ ? য়াইমা urgent লাকত্রিবরা ?
[য়াইমা অহু মহুঙ অচৌবা চঙজগে থৌরাঙজরমই—
গগন জজমা মরোল মরিনে করিনে য়াম্না কৌমনথ্রবা
অহদা মহুং চঙবা য়াম্না ৱানা খাঙহনা থোকললকই মহু
উবদা তুলেশ্বর, জজ, অমসু অরুন ঙকপদা থেংখি—
য়াইমাবু জজনা থিন্দনা তানশিনখ্রে ঈঙ্গিত তৌহনা]

গগন—তুলেশ্বর ! থৌদোক কয়া অসিগুম্বা ঐগী ইমুংগী নংদি
মশক খঙনরবনিনা থোইনা অনৌবা ওইনা থন্দুনা ঙকলি
রোই অহুগা অনৌবা লাকপা মীনিন ইবুংঙো অসিমদি
খরা তাকপিউ ঙকতনবা

তুলেশ্বর - মানি তাইবুঙঙো ! সে সে ইবুংঙো অরুন বাবু অসি
ঙাক্তনিদো ঐখোয় তাইবুঙঙোগীদি নত্তবা করিসু খল্লুহু পূৰ্কনিং-
দদি করিশু লৈতবা মপাল থোঙদদি ইরাং কনথ্রবনে। করি
খল্লি ?

অরুন—(হুংশা স্বর মপী হোন্দুনা) ঐ য়ারে Condition অহু
পিবিরো সহি তৌজরগে—অহুগা লুপাসু

গগন—লুপা ! পিগনি হৌজিকমক—ঐগী Condition দা সহি
তৌবা হেক লোয়বগা

[ৱা ঙাঙনা ২ ফাইল অমা পুথোকতুনা অরুণকুমারদা পীরে অরুণকুমারনা মত্থু হায়ফেৎনা পীরগা সহি তৌরে গগন-জজনা চ্যেক বুক পুথোকতুনা ইরগা, চ্যেক অত্থু শেং-তোকতুনা পায়রগা]

য়াইমা ! য়াইমা !

[য়াইমা পাক থোকলকতে]

য়াইমা ! নংবু খরা লাউ হায়বনি ! লাকত্রিবরা !

[য়াইমা থোকলকই]

লাউ ! লাউ ! য়াইমা ।

[য়াইমা ভাব তাদতুনা গগন জজদা মুন্না য়েংলগা মখুৎ অনি ৱাংনা থাঙ্গৎলগা "হো" হায়না কন্না স্বর থিংতুনা লাউরকই মত্থু উবদা ঙকমনগ্রতুনা]

তুলেশ্বর ১সুং গগসজজ } য়াইমা ! য়াইমা ! করিনো ! বুদ্ধি তাংনে হায় নংবো ঙাওরবরা ?

য়াইমা—লাউ হায়বত্থুদা—

গগন—ইয়া ! পঙইদকো য়াইমা নং অনে—ঐনা হায়বদি লাউ মানে—(হৌগৎতুনা তাকই) মফম অসিদা লৈবসি খোঙ অসিনা থাংতুনা থাংতুনা চৎলগা মফম অমদা থোকপা অসিবুনিনে লাউ হায়বগী অর্থ ।

য়াইমা—খঙজরনি, খঙজরনি ।

গগন -সে ! (চ্যেক অইবা অত্থু পীতুনা) চৎলু নংগী বাবুমচা (অরুণবু তাকতুনা) বাবুমচা কৌকো হয়েংমথৈ, পুতুনা Bank লুপা কায়রু-লুপা ৫০০০৲ খঙলত্রা অত্থগা বাবুমচাগা

চৎমিন্নৌ—থৌবাল নোংগাংখোং হায়বত্থদা বাবুমচাখোয়গী অহল-লম্মনগা বাবুমচাগা উনহল্লু ঙাংনগদবা রা ঙাংনহল্লু অত্থগা অমুক হল্লকউ মুমিদাংরাই তন্না সিদা, খঙলেদনা। গাড়ী পুখো ড্রাইভর কৌ!

য়াইমা—(ভাব-কয়া তাক্পাৎতনা) অহোয়!

গগন—(য়াইমনা ভাব তাদনা "অহোয়" হেক্তা থুমজিল্লে হায়বসি খঙলত্থনা) হায়য়ু অমুক! কদায়দগী করি তৌরগা করম তৌগদৌরিবা?

[য়াইমনা শেরান তুরাল থুমলকই মত্থ তারগা গগন-জজনা হন্না হন্না হায়ত্থনা তাকপিরগা য়াইমা, অরুণ অনিমক চৎহনখ্রে]

লাইট

৬ শুবা উৎপা

[থাবল ফবা সন্ধ্যা, লতা বৃন্দাদেবী মখোঙ তৈনা তৈনা ঈশৈ ঙংলমই থৌবাল নোংগাংখোংগী মহেন্দ্রগী যুম॥]

ঈশৈ

মপু থাদোকচবা ঙমজবোই ঐনা॥
থম্মোয়সুংদা থমজগে পুন্দুনা
সুংশিগী লিপুন্না কন্না
থাদোকপা ঙমজরোই ঐনা
কৈজগে নহাক্না লোয়ননা

লৌনম্বা মপু ২ ঐবু থাদোক্কুনা
করম্না চেল্লগে খল্লি, অন্না মুংঙাই মতম খুদিং ২
কাউবা ঙমজরোই নংবু লোইদাম থাজ কয়াবু খঙদা
মুংশি চেংলৌ উদনা, লাইবক থীরবী ২, রাধা ঐনা
করম্না হিংছনা লৈগনি ॥০॥

(ঈশৈ লোইরকপগা অরুণ ১মুং য়াইমা থুংলৈ)

অরুণ—লতা ! বাবা কমদৌরি ?

লতা—(ইকাই হঙ্গোইনা) করি থোইদোকপা তৌত্রে—

অরুণ—ইমা অমুক্তা কৌথোকউ !

লতা—তামোদি চঙবা য়াদ্রবরা ? (তুমিন্না ঙহাক লেপই)

অরুণ– চৎলো অমুক্তা কৌরু হায়মি ।

[লতা চঙখি ঙহাক লৈরগা কমলীনিগা থোকমিন্নরকই]

কমলীনি - নিপামচা ! করিনো ! ইমুঙদসু চংঙকতে-মতম ইচা চাদনা— ! বাজি করিশু তৌত্রে-হৌজিক ঙাইহাক্কুং পোথারি—

অরুণ—বীহারিনা তমহুনা তারে । পোথারি হায়বদি তুমইবা ? অহুদি -

কমলীনি— করিদৌরবগে নহাকপো ই ফিঙ ফিঙলহুনা ইমুংদা চঙবা য়াদ্রবরা ? করিনো মীরানদৌনা ঙাংলিবা অসিবো কদায়দা অমুক চৎখিদৌরিবনো ?

অরুণ— সে ইমা বাবাদা পিয়ু—ধনেশ্বরদগী ঐনা দলিলগা পাট্টাগা হন্দোকলুরবনি মাগী শেল শুনা শিংবিশ্রবল্লি । (দলিলগা পাট্টাগাময়োম অহু মমাদা পি)

কমলীনি —নংনা চংহুনা পিবদি য়াদ্রবরা ?

কদায়দা অমুক চৎখিদৌরিবা নংঙ্গে! লাউ চংঙকউনে—

[মনুংদগী]

মহেন্দ্র – কমলীনি— ! হা কমলীনি! করিনো! করিগীনো মপালদা অত্তক লাঙভিবা অত্বো? কনাগনো লাউনরিবত্না

[মপাল থোকলকই]

কনা কনানো?

কমলীনি—ঐখোয় নিপা মচানি—ধনেশ্বরদগী ইংখোল হন্দোকলুরে তু দাপাল পাট্টা (উৎপা)

মহেন্দ্র—অত্গা করিগীনো ওন্মাংদা অমম্বদা ইমুঙ চঙঙকপা য়াত্রবরা ?

অরুণ—ঐ···ঐ···

মহেন্দ্র—নঙ্গে নখোয়গীশিবু ইচাশা কদায়দগী শেলনা করমত্তৌনা হায়য়ু অরুণ নং রাঙাঙ অমা ইচং ইথৌ থৌদে—করিগীনো নত্তে ঐবু শোরি পারি খল্লে হায়বসি নত্তবা ফত্তবা করি করি

অরুণ নত্তবা করিস্থ ত্তৌরুদে বাবা! চিংনবিনু—তশেংবমক শেল শিংজরুবনি ময়েক ওইনা

মহেন্দ্র—কদাইদগী লুপানো অত্তক য়াম্বা শেলবু—

অরুণ—গগন জজ সাহেবত্তগী

মহেন্দ্র—পুরুরিবা

অরুণ—মাগী মচা তুপীগী কেশ অমগী?

মহেন্দ্র – হা! কৈশ পাঙথোক্লবগীদমক! কেশ! কেশ! "ধনেশ্বর"! নংনা নোংমা হায়খি "অস্থুক য়াম্বা লুপাবু নচানা শিংবা ঙমগদ্রা" ঐগী অরুণকুমারনা ঙসি ইরায় লায়না শিংবিরে-

দনা— সাবাস! ইচাতনি— কদাই ইতাও তাদ্রিবরা? লতা চৎলু নপা হৌদোকল্লুনে—ইতাও! ইতাও!

[গুনেন্দ্র থোকলকই]

গুনেন্দ্র—হা করিনো —ইতাও! করি তৌরবগে পুমলাঙ লাঙলিবা অসিবো — ?

মহেন্দ্র—ইতাও নচা-অরুনকুমারনা ধনেশ্বরগী শেল শিংঙুরে—সে য়েংউ দালিল পাট্টা - ঐনা হায়দা ইতাও করিশু চিংনরুনু ঐগী অরুনকুমার লৈরিবৈদা হায়না, চংঙসি চংঙসি ইমুংদা— ইতাও নং পাঞ্জি চৎলু নোং হেক ঙানবগা-কো! কান্নদে নচা ইচাগী থবক থৌদাং লোইথোকসি; থবক চাওত্থুসি লুহোঙবা চাউদনা কান্নদে—শিন্দ্রগা চাম্মরক তর্দ্ধাগনি মখোয়গী অওং অউনতু—ঐ-ইম্ফাল কাগে ঈশৈ শকপা অহৈবা অমা কৌরুগে থুংশিনা ইশৈ শরুগা লোইরে। থেঙলেনে, চঙশিনে ইমুংদা - ইচাশা চাক থোংবিয় নবুংগী—চাক চারক্লবরা নংবো নিপা-মচা! চৎলু, চৎলু, লতা নং খরা রারেদো ইচাশা!

তারুন—ঐদি হৌজিক তন্না হন্দবা য়াদে।

মহেন্দ্র করিগী?

কমলীনি—হৌজিক থুমিদাংদা!

অরুন—হয়েংদি অকনবা কেশ থুমিৎনি, জজ সাহেবকী মী য়াওরকইবা অসিনি। গাড়াস্থ য়াওরকই।

মহেন্দ্র—হয়েং কেশ থোকই হায়বা – অত্থদি ইচানা হায়বা চুমইনা অসিদা পন্থতনা লৈরবদি হয়েং নংনরোই শোয়নবা য়াবা রা

নত্তে ! বদনাম ওইননি। চৎলো চৎলো ইপাগী বরদগী মঙ্গল ওইজৌ, ঙম্লবদি ইপা নংগী বাজীগা হয়েং লাককে।

[অরুনগা, য়াইমাগা চৎকে হায়না মমায় হেক লৈরকই]

অরুন — ইমা !

মহেন্দ্র — নংগী বাজীদস্থু তাকলম্মু খুরমউ — অঙাওবা অসিদি—

গুনেন্দ্র — হেরা ইতাও ! মী হঙ্গোইজহুনা তৌরিবনি হঙ্গোইবা হৌনৈনে, চৎলো চৎলো মঙ্গল ওইজরকউ ইচাসিদি—

(য়াইমা অরুন থোকখ্রে।)

লাইট

৭ শুবা উৎপা

প্রতিমাগী লুহোংবা লোইরকপা মতম। মাপালদা ইমংদা মীং ৫০। ১০০ স্থু লাঙবগী মখোল তাবি চাবা খকপা লোইরকলে গগনজজ মস্থুং তুলেশ্বর অরাবা পোৎপাকপা ওইনা গগনজজগী Drawing Room দা বাগি তৌনবমহ লাপতক্লা যাইমা সিংহস্থু অস্থুম লেপ্লোই চৎপোই লৌহুনা লৈবমই— হুমিদাংবাই ওইরকলে ।।

গগন — তুলেশ্বর ! নহাক্কী নত্তেঙনা ঐগী পুন্সিগী অচৌবা থৌদাং অমা ঙসি পাঙথোকলে নহাক্কী তৌবিমল অসি ঐহাক খঙদবা অমস্থুং লম্মন শিংঙরোইদবা মী অমা নত্তেকো খল্লিবনি ঐহাক করিনা কমদৌনা নংগী লম্মন শিংসিগে হায়না—

তুলেশ্বর -তাইবুংঙো ! তাইবুংঙোগী দয়ানি ননাওনা করি ঙমদনবু-

গগন—মীনা য়াম্নমক থিনা ঙাংনখিবা লুহোংবমক্তি থোকতেনকো হা প্রতিমাগী ঙসিগী লুহোংবসে।

তুলেশ্বর—কৈদগী! কৈদগীনো! তাইবুংঙো—মী অমমম্না কৎপ-দগীদি ফনা য়াম্না হেন্না নিংথিনা কৎথ্রে।

তুলেশ্বর—অতুদা……

গগন—অতুদা হায়রগা তোক্লবদি করি তৌরে তুলেশ্বর হায়যুনে—

তুলেশ্বর—"বঝাই" অমতং……

গগন—ঐ খঙলে—ঐ খঙলে—হায়বক্কনি হায়বা ঐ হান্ননা খঙলবনি। মদো খঙনা খঙনা তোককে হায়না তোকপনি ঐনা।

তুলেশ্বর—তাইবুংঙো করিগীনিনা—

গগন—মীগী মতৌ তমচনিংথ্রবা মৈতৈ! মীতৌ তম্বদগী থাইনগী থাকতগী ফনা য়াম্নাসু হন্থররবনি অতুবু খঙদেদা—সমাজ অসি উতি চগেম ওনখ্রে ঐগীনি মীগীনি খঙদনা তোৎশিন-য়ানশিনবদা ঐগী ঐগী চংনবী Standard সু খঙদা শুন্দা পাইবা তেরা মফোলদোনা ইথকতা ইরাংদা তাওতুনা অসুম পাইশৎখিতুনা হয়েং হাদনা য়াদতনা হাবকপদা লোইনা মথিক কাইতুনা শিরগদবনি অমা অনি মচা তরাদি শিবা উরকলে—

তুলেশ্বর—তাকপীবিবা অসি অর্থ অমং। খঙদে—ভাব তাদে ননাওদি

গগন—কদাইদগী হাগদগেনে তুলেশ্বর! নংমক মৈতৈগী পংথবীদা য়াওথ্রবা শুন্দাৎলাংনা কুপথ্রবনি অতুনদি কদাইদগী ভাব হাগনি?

তুলেশ্বর—ঐ অসুম ওকশিল্লকইয়ে তাইবুংঙো!

গগন—নংনা হায়রিববু বঝাই বেগুণ খোংউ, হরাগাড়ী পরেং

লেংহ্না থৌ, শামু তোংই, শেল চাইয়ু অসি নত্তবরা?

তুলেশ্বর—হঃ হঃ তাইবংগে! তাইবুংঙোদি মত্থ ঙমদবা মী অমম্থু নত্তবনিনা করিস্থু লৈতবা মী অমনস্থু মচাই মশুগী লুহোংবদা—করিনো জীপ, কার, লোড়ী, বসনা মাইন অমা অনি লেংইবা তপ্পা মতদা—লেন্না থৌহ্না—মীকা লম্বী চৎফম লৈতে "বঝাই" অসিনা ফী ফজনা শেংহুনা নিপি মযুমগী অমা নিপা মগমগী অমা Mike অসিনা উতোন-বাতোন শঙ্গোই, জগমোহন, হৌনা হৌনা খোংখ্রিবা অউনপোৎ অসিনা চুন্নগী ফমুং কাংথোন কোম্লিকতগী হেন্দোকহুনা Radio, চাগী সেট, Electric কী Fan ইস্ত্রি খানা টেবিল, চৌকি, জাৎ, জাৎ, উন্নরে—হৈজপোৎ রাবোইপোৎতা লক্কী সন্দেশনা য়াম্না চানরিবা—

গগন—ওক্রে, ওক্লে মখং ঐহাক তারগে—মড় পুন্নমকতে। "মীগী মতৌ তমখাক হঙ্গোই মরিল ওৎ সাৎ" হায়রহুনি—খরস্থু রাৎলি—মঠা পূজাদা ফমুং মচা কাংথোল মচা নাওশুম—নাওখুম, চউস্পদা শারিক পবেং খজপ, খোংজী, খর্জী, পুখম লেঙ্গোৎ পংবা শাংথবা তান্নরকইবা—কৎহুনা লোইখ্রে নিঙোল মী অতুগী শাগৈদা তিনখ্রে নুমিৎ অদুদগী ঐনা ঙম্বা মীশিং অমা হেনগৎখিবগী হৌনর্বা শেংন চানবা অওং-অউন খবা তম্বীখ্রগা লোইরে অহুদি নল্লহ্না মচা মশু পোকখ্রবা ফাওবা পিথবা উনথবা তমর্থখ্রিনে—মী নিংথৌ মচা মশু লাখপতিশিংনা তৌগদবা থবক অত্থবু নিপা মযুম অহুনা মী ওইরমদহ্না তৌবনি মথক্তা কেশ থাঙ্গৎপহুম য়ারিবনি—করিগীনো নচা নিংঙোল ওইরমই ঙসিদগী ঐখোয়গী গোত্রদা তিল্লে দায়ীত্ব পুম্বা ঐখোয়গী ওইরবা

ঐখোয়না পুজগদবা ইথৌ ফাও তান্ন—তান্না পাংঙকপা অসিদি ঐখোয়বু ইকায়বা পীবা মখল অমনি হায়তুনা

তুলেশ্বর - খংদ্রেনা তাইবুংঙোখোয় পিথোকনিংদবনা শোল্লবা কাঙবুগী খুল্লোনথোক অসিনা অমনিদো লৈবাক্কী চৎনবিনা অমনিদো—

গগন - চৎনবী নত্তেনে তুলেশ্বর -সাহেবশিংদগী খরা বাঙ্গালী হিন্দুস্থানীশিংদগী খরা, চাংমী, পাঙ্গলদগী খরা চগেম পোম্বা ওল্লবনি হায়মি ঐখোয়গী সমাজ অসে লিশিংনা খুজিং ওইতুনা লুহোংলে মঙানি শুদনা খাইনরে মীগী শেম্বু থুম্বুস্থ লোইহৌদে মোকদ্দমাদা মমা-মপা কয়া তুনরকপগে য়েংউ—

তুলেশ্বর --লোয়ররোই লোয়ররোই তাইবুং ঐমা ইবুংঙো য়াইমা চৎলো চৎলো—নচন অদো শোমদা তাইবুংঙোখোয় অহল-লম্মন খুরমহল্লবা য়াদ্রিবরা হায়না তুক হংউ ঐজ্ঞাশিংদা

গগন - য়াইমা ! নংদি করি তৌরিবা অতুদা চৎলু-চৎলু মপান্দা থোঙগাল মগা কাদা লৈরু মীতা চাদবা মী চংহল্লকত্নু থোকখ্রি চৎখ্রিবা মাতাস্থ ময়েংউ পোৎ-চৈ অকুপ অতাই য়াম্না চাইরেনে হায় চৎলু চৎলু

তুলেশ্বর—এঃ এঃ নজাইবেম্মা খোয়স্থ চংঙকলে তাইবুংঙোবু অমুকতং খুরুমসত্নুনে—অতুগা

গগন নংবুস্থ খুরুমসত্নুনে ঙাইখোনে বরকা খরা মপিবিয়ু নংস্থ ব্রাহ্মণ অমনি।

[প্রতিমা, অরুন ফীজী কিনতুনা তুংথা মাংথা চংঙকই মতাঙ অসিদা য়াইমগা মী খরগা য়াম্না কন্না লাউনরকই,

জজ, তুলেশ্বর মপানলোমদা ঙক থিন্দোকতুনা য়েংনরি]

মহেন্দ্র --(মপালদা) চঙদবা য়াদবনিনে ঐ লম্বী থাদোকউনে --

য়াইমা-- চংবা য়াদে হায়রিসীনি ঐনা লম্বী থৎতুনা

মহেন্দ্র- মী পুন্নমকপুদি চৎহল চংহল্লগা ঐখোয়বুদি চংহন্দবা করিগীনো --

য়াইমা-- থিংউ হায়য়ে য়াদেয়ে চংবা

মহেন্দ্র--ঐবু খঙদ্রবরা ইবুংঙো নংবু - ঐখোয়দসু লাকলমলবদাই ঐ অরুনগী মপানিনে

য়াইমা-- জজ সাহেবকী হুকুমনি চংবা য়াদে --

মহেন্দ্র --মচা মুপীগী লুহোংফমদা মপাবু চংহন্দবা ১সুং খংহন্দবা অসিবু করম্বা জজনো -- মীরা ? শারা ! থাদোকউসে লম্বী থৎকনু

[মপান্দা লাউনরিবা অদু তারে, গগন জজনা চিং লেন্না য়াইমবু কৌশিল্লকই]

গগন - য়াইমা ! য়াইমা ! বা চাংলিবশিং অদু থাডিল্লকউ।

[ফিংনা মহেন্দ্র অমসুং গুনেন্দ্র চংচকই মা পুন্নমনকনা ঙকনা লেই]

অরুন-- বাবা !

মহেন্দ্র -- অরুনকুমার ! নিপামচা নং লুহোংলবা ! হা : হা, হা অরুন লুহোংলে জজ সাহেবকী মচা মিপীগা শোয়দ্রে ২ - হুম ! ইতাও ঐনা উরিবা অসিবু শোযদ্রবরনে --ঐগী মীংপু ঐনা থাজরকত্রে - ইস ! ইতাও ঐ-কোক য়াম্না চাওরে মীং অসি উরকত্রে-- ঙম্না মখে থিন্দনা মফম অসি থাদোকসি ঐবু অমুক্তা শম্বীয়ু। আঃ অরুনকুমার ! ঐগী ইচা, যা ঐ া নিংবগী ওয় তৈনবদা --

অরুন -- বাবা ! করিগীনো বাবানা 'অসিদা লাকপিরিবা অসিবো ?

মহেন্দ্র করিগী লাকইবনো হায়বা- মুর্খ। মপাদা লৌনম্বা ! নং হুংঙাইবা ফংলোইকো- য়েংউ নং হুংঙাইবা ঙম্ব্রা হায়দুনা - ইতাও - লাও চৎলসি ঐ মীৎ অনি অসি পুম্মম মমখ্রে ঐবু অমুক্তা খুৎ শম্বীয়ু হায়মি কদোগে ? ঐ লোইরে— অরুণ হায়বা ইচা অমা পোকলমই ঙসি শিখ্রে লোম্লরে—

গুনেন্দ্র - ইতাও ! হৌনদে হাযহৈদবা রা য়াম্না য়াওবে চৎলসি চৎলসি --

[তুলেশ্বরনা খাভম অদু খঙলদুনা অরুন অমসুং প্রতিমাবু মথুংদা ঈাঙ্গত তৌদুনা থাজিনখ্রে]

গগনচন্দ্র - শাউবা য়াবা মবম লৈদুনা য়াম্না শাউবিবনি হায়বা ঐ খংলে অদুম ওইননক মফম, মতম য়েংদুনা শাউবগী চাং খবগী মথোদ হন্দুনবা হোৎনবিব। কৈ ! পুনসিদা অমুক্তং থোকপা থোদোক—মচা মঙ্গল তোগদবা হুমিৎ অসিদা হায়হে ঙাংহৈদবা রা চাকতা শাউহ হায়দুনসু

তুলেশ্বর চুমহ্ ভাইবুংঙো ঙসি হায়বা হুমিৎ অসিদি অঙাং অনাগীসু অহ্গা তাহবুংঙো, তাদহন অনামক্কী য়াম্না শুভদিন হাযবা হুনিং অচনি অংনা মসিদা খংন চেনবা অমদি পুকনিং হুংঙাইভনা মাক্রবা অসিমদি করা ফৎতে হায়না নিংহৈজ।

মহেন্দ্র ইবুংঙো ! ঐনা য়াম্না লাইববা অতোনবা মা মচানি জজ সাহেবকা সঙ্গ তৌবা ঙমজবা মী অমা নওে ইবুংঙোদি লৈবাক অসিগী বায়েল থৌদাবা অচৌবা মীশকনি মচানিপা লুহোংবদা নপা তাক্কবা ঙম্বা অসিগুম্বা মাওই অসিবু মণিপুর

চীংনা কোয়বা লমদম অসিদা জজ সাহেবতমক থেংনৈনে। ঐগীদি হায়বিবসিনি ঐ-ইচা নিপা অমা লৈরমই লৈত্রে ঙসি মখে মরি তংনখ্রে শিখ্রে—

গগনজজ - শিখ্রে লৈত্রে হায়বতু যাওগন্নুনে অহল! ঐদি ঐগী ইথৌ মখৈদি চুন্না অমসুং শোয়দনা পাঙথোক্নবা হোৎনবা মী অমনি মীগী মথৌদা ঐ খুৎ থিং জন্দে—মীনা খনজগদবা রাখল ঐনা খনবিত্না কোক শাহন্দে Brain মাংহন্দে—অরুণ অঙাং মচা নত্তে মাবু ঐনা যান্না নীংথিনা ঐগী condition পুন্বা অমসুং অপান্বা শরুক মখৈ নীংথিনা ভাব তাহল্লগা ঐগী প্রতিমাবু পীবিবনে ঐগী খুদোং য়েংত্নুনা। অরুণকুমারবুসু ঐনা য়াইমগা শেল পিত্নুনা থারুবদাইনে তুলেশ্বর নোংমা অদে।

তুলেশ্বর তাইবুংঙো! (মহেন্দ্রদা) তাদহনবু! আইন ওইনা ঙাংনরবদি যাবরোই য়ান্না য়েৎনরগনি অত্না সাধারণ অমদা

মাহেন্দ্র—করি রানোদা ইবুংঙো তাবা ঙমশিল্লকত্রেদা করিগী আইননো—? আঃ ইবুংঙোখোইগী জজ অসিদি মরায়বক থীবা মী কয়া মহাক্কী অরানবা বিচার ফংত্নুনা রাখ্ররিনিদা—জজ সাহেব মক্সু হায়জরি পুনশিগী মক্নুংদা অমুক্তুগী হেন্না থোকপা য়াদবা লুহোংবা কুনিং হায়না—কুমিং অসিদা অরুণ কুমার অসিবু হেক পোকপা মপা, মমা, অনিবু খংহন তাহন্দনা—

গগনজজ—মতু ঐগী ইথৌ নত্তুনে তাদহন! মরমদি অহল লম্মনগা য়ানত্নুনা থাজবা ঐগী প্রতিমা নত্তে হাইমি অরুণকুমারগা য়ানত্নুনা থাজবনি মহাক ঐগীদা য়াওং ইন্দুনা পুনসি চুপ্পা লৈগদবনি অত্না ঐগী ইথৌদি অরুণকুমারতবু মশক খঙলগা

ইং.রম পুম্বা খঙনরগা প্রতিমা লুহোংবা হায়বসি ঐগী ইথৌনি—অরুণকুমার বাবুগী অপোকপা অহল-লম্মন অনিনা অরুণকুমার বাবুগী পুনসি করি ওইগদগে অমস্তুং থোক্কদগে হায়বা খঙবগী থৌদাং অত্থুগী দায়ীনি হায়বনি তাদহন!

তুলেশ্বর—ইবাই হায়বিয়ু তাইবুংঙো ইবাই!

গগনজজ- উরে, খঙলেদন থৌদোক পুম্ব.- অরুণকুমারবু মশানা য়ানা in his best knowledge লুহোংইবনি—

মহেন্দ্র -ইতাও! ইতাও নংবুনে করিনো করি রানো ঐনা তারিবা অসিবো চৎলসি চৎলসি—লৈবাক্কী চৎনরোল অমতা য়াওদ্রবা অঙকপা রা ময়াম অসি কয়া কুইনা তাখিদৌরিবগে ঐখোয়বু চৎলসি চৎলসি– লোইরেনে ঐখোয়গী রা অরুণ শিবদা ঐখোয় চংদবা ঐখোয় শিবদা মহাক চংদবা—বস লোয়রে।

(অনিমক চৎখি)

তুলেশ্বর—ইবুংঙো য়াইমা অসিনস্তু খরা শাওহনথ্রে চঙহন্দবনে করিনে—

গগন—অত্থুনা ঙাকস্তু নত্তে তুলেশ্বর মরম মচা অমবুদি মত্থুদগী ওইরবস্তু।

তুলেশ্বর—অত্থুবু তাইবুংঙো! ঙাইহাক্তং লেঙথোকতুনা অত্থুক থেম-উবা অম স্তুং খামউবা চুমগদ্রা?

গগনজজ– অত্থুনা চুমগদ্রা?

তুলেশ্বর—হোয়নে—তাইবুংঙো!

গগনজজ—ফরে চৎলু– (অনিমক থোকখি)

৮ শুবা উৎপা

[মফম—থৌবাল নোংগাঙখোং ॥ মতম—অয়ুক পুং ৭।৮ তাবা মতম ॥ অনৌবা শাবা শঙ্গোয় মচা অযেবা অমা উনা ফংই মী অমতা উবা ফংদে ইচিক চিকই]

অরুণকুমার চংঙকই মখুৎতা সুটকেশ মচা অমা পায়রবই রাবনা কুচু ফাওবা তাইফেং তাইখ্রে মশম মনা ইফা কাখ্রে ॥

অরুণ! ইমা! কনা লৈবগে? ইমা লৈতবরা? [কমলীনি ইংখোলদা মনা মশিং হেকলম্বদগী খোংকলকই—]

কমলীনি—ইবুংঙো! নিপ মচা।

অরুণ—ইমা বাবাদি।

কমলীনি—বাবা! করি বানো নংনা হংইবগে? নংগী ননাকুনি হায়তুনা চংখিবদাই লৈহাখোমগী পাণ্ডিত্য য়ৈথিবনি! আদা লাকতবরা?

অরুণ—লাকলমই হুমিৎ অদুদা ওন্না হনগার্নি। (শোন্থাংননা)

অদুদি কদায়দা চৎলমগনি?

কমলীনি—করি রানো হায়রিবা অদুবো! নিপামচা। নংগা করি হায়নখিবগে—খৎনা চৈনরবনে হা।

অরুণ—চুম্মতা খৎনবা নত্তেনে ইমা। ঐবু মপোক অসিমগী লোয়রবনি হায়না ইঙ্খোকলমতনা চংখ্রিবনিনে ইমা।

কমলীনি—হিঃ করি বাহৌদগী—?

অরুণ—রাহৌ হায়রবু অতৈ নত্তে ঐ! ঐ! ঐ অসি মহাপাপী অমনি ইমা, মমা মপাগী মমায় ডাক্তবা—মপানা হায়বা ইন্দবা মচা—ঐ হিংবগী কান্নবা লৈত্রে ইমা।

কমলীনি—করিনোনে—হায়রিবা অদুবু ইমা ভাব তাদ্রে- করি তৌরবগে নংবো শেংনা হাযযু হায়বা ইমাদা !

অরুণ—হায়রিংসিনি ইমা ! অপোকপী ! ঐহাক মহাপাপকী লম্বীদা চংলে ইশানা য়ানা ইশাগী ইনিংতম্না য়োম্থোকখরে লুপা—লুপা খবগীদমক। ঐ মীনাই ওতবে গগনজজ সাহেবকী—মচা নুপী প্রতিমা কৌবী অদু লুহোংলে—মগী থম্মোয় অসি চাকলে নিংঙম্দবা মৈনা—মকম অসিদা লাকলিংনা ঐ অসে বাবা চম্নং ইনাব লৈনা নিংজবা মচা অরুণ ডং নংবেনে ইমা মহাকর্তা শিংখ্র—ঐদি মহাক্কা ভুত ওইবা প্রেতাত্মা অত্তনি থোঙমদ্রবা, মমা মপাগী থম্মোই কায়হনবা শকতম লৌতুনা - ইমা ঐব অমুক্না চেকপিদা নচানা কবানবা অসি অমুক্তা নপিগু মপোকপা (অত্তোম্না কপলবই)

কমলীনি—জজ সাহেবকী মচা নুপী লুহোংনে হায়বা ?

(চুকতুনা লৈ)

অরুণ—Condition ! Condition ! ইমা ! মনেম্বগী শেল শিংনবা, বাবাগী খবাদা কোক্নবা হাযদনা মৈনা তাশং অমান খাক্তনা চাকপাক্সম অফ দম্ভ খাদ্না ঐনা গগনজজ সাহেবকী মচা নুপী লুহোংলুনে—অরানিনি ইমা বাবাগী নাব কোনপ্রা হাযবু ইমা, বাবা লতাখোয়গী পাজি পুন্নমকপু হাংদনে মাপাক অসিমগী মৈনা ইশিংনা চামতুনা কোক্নবোইদোবা মা চং থিবগী উরোং ঐনা খিল্লে—নিংঙমদবা মৈনা ঐ চাকলে - খাংদা চৌবা ঙানা শারে হায়রে, চোংথবদা মৈখুংদা তারে ॥

ঐ মীহাৎপা অমনি—ঐগী করি উপায় লৈরি হিংনবা—কদায়দা চেনগনি ! অমরোমদা নিপা ওইবগী জবান অমসুং কাবাব ! অমবোমদা বাবা ! ইমা ! ঐবু কবল্লা হিংউ হায়বগে ইমা !

কমলানি—কপকনু । নিপামচা—পুন্নমক ঈশ্বরগী লীলানি ইচাসিদি নংনা ঐনা কবি খঙবা ঙমগনি ? ইনাগু তুপীনি—তুপীগী অরাবা ইমানা খঙই—লুহোংলবদি জজ সাহেবগী মচা তুপীমচা অদো পুবকপ তাই সেবা তৌহন্নবা ঐখোয় খ্বাইগী মমং অনিশুহনবা যাদ নিপাগী ধর্ম্ম ঙাকপা তাই ।

অরুণ—পুবকপা—নত্তে নত্তে ইমা লাল্লে নিঙোল মরা য়াওং ইনগদবা—পুন্সি চুপ্পা ঐগী পুন'স অসি য়োনখ্রবনি ইম—কনাদগু তেংথাকত্তনা শুংশিবিগদবা নত্তে ইমা নচাবু—

(মপালদগী হৌন)

মহেন্দ্র হা কৃষ্ণ । হ কৃষ্ণ ! শুংডাইবে ! শুংডাইবে ইবুংঙো—মচা পোকপগী শুংডাইডবে—ইবুংঙো

অরুণ—(ইথক থক্কৎতুনা) বাবানি বাবা ! ইমা বাবা লাকলে—ঐ চংলে হাযনিংবা রা কয়া লৈবি তেংথানিংবা বাহৈ কয়া খাকাল অত্তবু ইমা ঐ চৎলে বাবাগা অমুক উনবা ঙল্লবোই ।

[অরুণকুমাব চেনখ্রে, মায়কৈ অমবোমদগী মহেন্দ্র চঙলকই]

মহেন্দ্র হা অঙাংশা ! নখোই বনা কনা লৈবগে ? কমলীনি মৈ পুরকউ চফু উয়ান থুগাইয়ু ঐ পোৎলোয়বা য়াওরুরে—হরে কৃষ্ণ ! হরে কৃষ্ণ ।

[শুম্মাং ময়ায়দা—তুলসীবোংদা প্রোপ প্রোপ তুথে]

কমলীনি—করি মতৌনো সিদে! কনা লৈতবা য়াওরবগে মাই-বাবা!

মহেন্দ্র—ইচিন অসিনা করম তম্মাসিগে মমা-শাবী কমলীনি—
লৈত্রে! লৈত্রে! ইতাও! ইতাও! হুংশিদা—

কমলীনি—করি রা কৌই হায়বগে তারিবা অসিবো!

কমলীনি—করমনা করিদৌবদগী?

মহেন্দ্র—নচা নিপানা, অরুণ মহাপাপী অতুনা হাৎপনে—হাৎপনে

কমলীনি—হরে কৃষ্ণ ইবুংঙো! করিনে ঐনা তারিবা রা অসিবো!

মহেন্দ্র—(মতেক মতেক ওইবা রাঙৈনা) ইতাওগা ঐগা গগনজ্জ হায়বা অতুগী ময়ুমদা হংলে নহান হুমিদাংরাই—নচানিপা অদো কয়াদা ভমথ্রবনো, তাও হুপী, নং ঐগী রানি হায়বা মচেৎ অমতা খাকতনা—ইতাও অতুগী মায়নি হায়বা করিমতা য়েংদনা জজগী মচাহুপী অতুগা লুহোংবা লোইতুনা লৈরমলে—কয়াদা কনথ্রবা মহাক্কী থম্মোয়নো করি হায়নি—অঙকপা ফংলবা কুম্মৈ অতু উবদা খঙহৌদনা কোকথক্তা বজ্র কোটি তাথ্রে—মায়কৈ তরা মমথ্রে—ঐ হায়নি হায়রোই খঙখিদ্রে মপোক অসিগী পাপী অতুগা মরি থদৎনরে—মহাক শিথ্রে হায়না লৌরে—করি উপায়দি লৈতবনিনা—ইতাওগা ঐগা হল্লকলে—

[রা অমতা ঙাংনদে, অমুক ২ চপ চপ লেপই হুংঙাই-তবনা মমখিতুনা লম্বীনি কাওখিতুনা কাব্লল চৎলুবদগী হরাগাড়ী অমনা থেংতুনা ইতাও তুথ্রে—ঐদি হুমিৎ-থা থোকই খঙখিদ্রে হুমিদাংনগা থেংজিল্লকপনে—হিংবগী আশা য়াম্না লৈরমই—ঐগী মরূপ অদো হাসপাতাল য়োরে কৈদোরোই মহায়নি—

অতুদগী, অতুদগী কমলীনি—নোংঙাল্লমদাইদদি উনগুম্না ইংগ্রে—ইতাওগী মশা মমিৎ অনি অতু তঙক তঙক ঐবু য়েংলমলগা উইশিগ্রে—অমুক পাঙথোকলকখিদ্রে হুংঙাইনা ইতাও তুমথগ্রে অমুক হৌদোকপা তাখিদ্রে-লতা অসি লাকলে মহাকতি পাউ অসি তাদ্রি তাদবদি য়ারোই ঐহাক করম তৌগনি—করি হায়গনি কমলীনি ঐ লতাগী মশক অসি করম্না য়েংগনি—ইত্তাও—লৈতবগী পাও অসিনা তমগনি মাঙোন্দা হা কৃষ্ণ! হে ইবুংঙো ননাই ঐবু হিংহনবিহু ঐ হিংজনিংদ্রে—ঐবু লৌশিনবীবো······ইতাও! ইতাও! (রা-রা কপ্ত্না লৈমাইদা ওল্লি)

লাইট

ঈশৈ

ইহুং শোরা তৈরক্লে নোংপোক মায়কৈ শেংলে
পোম্বী চেক্লানা য়াকায় শকলে হৌরো ২ হায়না॥
অরা কয়া খাঙলি নংনা থম্মোয়হুংদা চাকনা ২
খঙদে উদে কনানসু তাইবং মালং পানসে॥
রাজরবী নহাকনি কপ্পনা নংগী ওইরি
রাগহু কুইরোই লাক্কনি মতম লমন পেম্না শিংজহৌ
করিগীদমক খল্লি নংনা থারগে তাইবং মালংপানসে

অনিশুবা তাংকক

১ বা উৎপা

মফম লৈকোল। মতম নুমিদাংবাই লতা লেপ্তুনা তপ্পা তপ্পা লৈ হেকলি। তুংলোমদগী—অরুণ চংলকই—বেক গ্রাউণ্ডদা কনাগুম্বগী ইশৈ তারি। ইশৈ লোইখিবগা লোইননা

অরুণ লতা!

লতা—(খংলপ্পা) তামো! তামো! নং (লতা অঙাংগুম্না খোঞ্জেল থোকনা কপলকই)

অরুণ--কপকহু লতা। ঐগী থম্মোই অসি কায়গ্রে, ঐবু অমুক্তা ঙাকউ লতা। নহাক্না নত্তনা ঐবু ঙাকপিনবা কনাসু লৈত্রে, ইচনদি ধর্ম্ম কায়ত্রবীনি, ঙাকপিফমদি থোকত্রবা ইরালনি, অহুবু অমুক্তংদি ঙাকপিউ।

লতা—তামো! করিগী তামোনা লানগনি? পুম্নমক অসি ঐগী ইরায়বক্তা তমলম্লবনি কনাবুসু ঐনা লাল্লি চুপ্পি হায়না খঙবা লৈতে খল্লুবসু ইতিক নচ্চদে ঐনা নিংঙমজহৌদবা হাইববু লাইবক থিরবী ঐগী ইপা অদো—শিরমদাইগী মিকুপ অহুদা ফাওবা অমুকতং পেম্না কৌজহৌবা ঙমহৌদ্রে—মপোক অসি-মগী লোইরবনিকো হাইনা মহাক্কী সেবা ফংজহৌদ্রে আঃ পাজি! নমোম লাইবক থিবিবু কনাদা কনাদা শিন্নবিরম্নগা লাইরৈবাক্তা চৎপগে? নোংমদোন লাইরৈবাক্তগী নচা লাইবক থিবিবু খুবাং লাইখল শাহুনা অমুক্তদি য়েংবিরকউ অপোকপা—অরোয়বা মীকুপতা—নচাবু পুমমেন পাওমেন্নরমদববু—নচাবু

করি পেন্দবগে ইপা ইবুংঙো—(হিক্লা কপই) তামো ! নহাক চৎলো ঐহাক করিস্থু হুংঙাইতবা লৈজদে—নহাক্লা অসিদা সুম লৈরগা নহাক্কী নশক উরগা ঐগী থম্মোইদা পোথাফম খঙদবা অরাবা অমা পোকলকই। ঐগী অরাবা শরুক য়াবিহুনা মফম অসিদা মতম কুইনা লৈথোকপা য়াবা মহৌশাগী মতম অহুস্থু নম্ভে। ঙরাংতা লুহোংলীবী মরাইবক ফবী অমগী মবুংঙোনি—

অরুণ—লতা ! নং ফাওবনা ঐবু শাওরবা ? অহুদি ঐবু ঙাক-পিগদবা কনা লৈরি ! কনাস্থু লৈত্রে—

লতা—তমো ঐ অসে নহাক্কী কনা থোক্তুনা ঐঙোন্দগী ঙাকপিবা নিরিবনো ? ঐদি লাইরবী লাইবক থিরবী নিপি মচা অমনি ঐগীনি হায়না কনা হন্না য়েংবদা উন্দবা ঐনা তামোবু লাল্লি হায়জবা ঙম্বা ইতিক লৈগদ্রা ? ইতিক লৈজদে॥

অরুণ—থংঙে লতা ! ঙাকপিফম থোকত্রবা ঐগী ইনালনি মপোক অসিমদি ঐগী ইরাল অসি কোক্লবোই। প্রাযশ্চিত ভোগনি ঐনা লংজবা ইরালগী মতিক চাবা প্রায়শ্চিত ভোগনি। (Leather bag তগী লুপা ১০০০, লৌথোক্তুনা) সে ! লতা - পাক্কিগী কর্ম্মগীদমক অসি লৌশিল্লু—মতিকতি ওইদে অহুবু

লতা—(লুপা লৌদে) তামো ! করিগী লুপানো ঐনা পামজবদি লুপা অসি নত্তে ; লতাবু পোকপা, লাইবক থিরবা মপা অহুগী পীক্লবা কর্ম্মদা লতানা ঈশ্বরগুম্না নিংজরবা মহাক্কী অরুণ

অদো লাকতুনা লেপ্পিরবা অত্তনি। লুপানা কদোননি ? পুকনিংগী অপাম্বা রাখলবু শেলনা লৈবা ফংব্রা ? ঐ লুপা পামদে—(চঙখি)

(লাইট)

অনিশুবা থৌংপা

[লম্বী, বীহারী অমসুং কীর্ত্তি বারী শাদুনা থোকলকই।]

বীহারী—কীর্ত্তি ভায়া—Capitalist কয়াগী advantage মাঙহনদ্রিবা মথৌ লায়রবা প্রজাগী পুরিং চাওবা অমসুং থৌনা হাপ্পা য়াবা হৌনদে—হৌজিক্কী যুগকী হিংনবগী লম্বীদা শেল হায়বা অসিনা মরু ওইবা দরকাররনি অমসুং শেলগী মগুণ য়াম্না হেন্না লৈহনগ্রবনা হায়বা

কীর্ত্তি—মণিপুরদা Capitalist মাঙহনবা হায়বসে ওইথোক্তবনি মতুদি করিগুম্বা পাঙথোককে হায়রবদি সরকারগী মতেঙ নত্তনদি শুকওই ওইরোই।

বীহারী—করিগী— ?

কীর্ত্তি—হৈমা ! মৈতৈ প্রজা মহৌশানা লাইরবনা নম্মি, সরকারগী নত্রগা প্রজাগী ওইবা কল কারখানা, থবক শুফম, অচৌবা শিনশং, লৈতে। লৌউবা, ফী শাবা, অতৈ মচা মচা খুৎশা হৈবগী থবকতগী থোকপা শেলনা অচাশেল ওইনতুনা তোকই পুনশিনবা ঙমদে। লৌউবা লৌয়াম চাবশিংগী লৌশাল ষণশাল, ফী শারে—লং য়োনবা অমসুং সেঞ্জাও পায়বশিংগী কারবার—

বীহারী—অদু কোক্নবা সরকারনা মতেঙ কয়া পিরিবা অসিদি ঐখোয় প্রজানা শিনজবা হৈতদুনা তৌবনি—

কীর্ত্তি অদু হায়দুনে প্রজানা শিনগদবা নত্তে মদো সরকারনা শিনগদবনে—

বীহারী—প্রজাগী মতেঙ ফংলগা সরকারনা শিনবা অদু মহৈ য়ানগদবনি হায়মি—সরকারদি অরাঙফম ফম্বনি হায়মি কর্ম্ম মপুদি প্রজানি—নৎপু নত্তবরা ? মপু ঐখোয়না অস্নুম্না য়েনবিয়ু —অস্নুম্না শিনবিয়ু হায়বদু অরাঙফম্না শিনগদবনি—

কীর্ত্তি—মদু তাদ্রবদি— ?

বীহারী—তাদবা য়াব্রা ? ঐখোয়না ঐখোয়গী শক্তি মশক খঙজদ্রে অদুনা ঐখোয়গী অশোনবা উৎপনি মদুদি—

কীর্ত্তি—নোংমা নোংমগী চাবা শেৎপা ফংদবগী মশিং হেনগৎ লকলে—শুফম নোম্ফম ফংদবগী মশিং হেনগৎলকলে—

বীহারী—মদুদি ভারত পুম্বগীনি ভারতগীসু নত্তে পৃথিবীগী ওই-রক্লবনি—অদুনা ঐখোয়না ঙাউবগী মহুতা চাবদা শেৎপদা, থোদোক রাথোক কয়াদা চাদিং তৌবগী চাং অসি ঙম্বিবা মখৈ হন্থহন্দুনা শুফম নোমফম কয়া চাং হেনগৎহন্দুনা ইরৈবাক্কী-দমক থন্দুনা নোম্বা তমদবা য়াদ্রে হাযবনি ঙাঙতমক ঙাঙবা থবকতি নোমদবা মদু কান্নদে হায়বা - অদুগী মহুত্তা এনা এনা ঙম্বা শক্তিগী মনুংদা ইরৈবাক মচাশিংবু—লাইরিক হৈহন্নবা, শুফম চৎপম ফংনবা লৈতবা লাইরববু মরায়বক মরায়বকনি হায়দুনা থাদোকপিবগী মহুৎতা ময়াম চঙদুনা শোগৎপিদুনা মী ওইনা মতোম মতোম লেপচবা ঙম্নবা তম্বীবা, মতিকচাবা

Citizen অমা ওইনবা হোৎনবিবা অসিনা ইথৌনি হায়না নোম্লগা, অপুনবা ওইবা মান্নবা লিংজেলগী চাওহৌ অমা লাক্লগনা নিংলিবা পুম্বা অদু থুংগনিয়ে। অরুণ মানখ্রেদা লাকলিবসে ?

(অরুণ চংঙকই]

কদোমদগীনো ? অরাবা পুন্সি লোয়রবরা মরূপ ! পুবা থাংবা ঙমদ্রেবা অরাবা ঙাকথোকপদুবু হন্দকতি জজ সাহেবকী Condition অমদা তাখিদুনা খবদি ইংলরিনিনা !

অরুণ—বীহারী বাবু অরাবনি সংসার অসি মুংঙাইবা অইংবা হায়বা অদু শুকলৈ লৈতেদা—খাংদা ঙৌবা ঙানা শারে হায়দুনা চাংথোকলকপদা মৈনুংদা তাই হায়বদু শোইদে ইবেম্মা।

বীহারী ওহো! হৌজিক ফাওবা অরাবগী কোকথোং থাদ্রি ? থাংদে ইবেম্মা রাকনু—রাবা হৈনগল্লি হায়বা খঙদুনা অরাবা শেম্বা লাই অদুনা নঙবু মশক খঙলনিনি ঐখোয়বু য়েংলমলেদনা মেম্ববদগী চম্প্রাসী ফাওবা ওইগে হায়না দবাখাস্ত থাদুনা য়ানকত্রদুনা দেশ সেবা চঙলসি—রাজনিতী মৈবুল হায়রসি হায়দুনা লেপ্পরমইবনি নত্রবনি অরাৎপগী অরাৎপা ঙাক মুংঙাইফম লৈত্রে সংসাব অসি নংসু অঙম্বা নতেং পিয়ু।

অরুণ নখোয়গী নতেঙ পাংবদি লায়বদুনা ঐগী ইতেঙদম পাংবিয়ু হায়গে লাকলিবনি—ঐ ঙাওরে- বীহারী করিনো ঐঙোন্দা চঙলিবা দশা অসি ? অরাবা খজিকতং কোক্লবা হায়দুনা জজ সাহেবকী মচা অদু লুহোংলে - রাহৈ অমগা হণ্টার অমগা হণ্টারওয়ালী—রা অমা ফাও মেল তানা ঙাঙনবা য়াদবা—

মহাক লৌরুই হায়দুনা বাবানা ঐবু পুন্সি অসিমা, ইস্নোকলে - শিরে হায়দুনা চফু-উয়াল থুগাইগ্রে ঐগী বাবাগী মতম কুইনগী আশা—"লতা" হায়বী মুপীমচা অমা নিংবা কায়বগী ইপাক্তা তাউরি মহাক্কীদমক রাবনা মুংবংনখিদুনা লম্বী চৎপদা Motor accident তা লতাবু পোকপা পাজি অদু শিগ্রে—ঐ জ্ঞান তাগদ্রা য়েংউ।

কীর্ত্তি—বাবানা ইস্নোকপসু মচানি তৎনা-থানা য়াদবা মরিনি—মতম অমদা য়ানরক্কনি—বাবাগী আশাগী মমৌ মুপীমচা লতাগী রা অমা লিকলি অকায়বগী ফীবম--লৈখিদ্রবা অহল অদুগীসু শিগ্রে হল্লক্লরোই। হৌজিক হৌজিক্কী ইচেলদা অরুণবাবুগী ইবেম্মা হন্টারওয়ালী—ওইবীরি হায়বি অদুগী লমচৎ থরা মাঙজোননা শেমদোকহৌদ্রবদি পুন্সি অদু থরা রাই চিল্লনিদা—

বীহারী—মানি মুপী থীরবা পুন্সিগী ইচেলদি মুপীগা নিপাগা লিংজেল মান্নবা য়ান্না Co-operation লৈনা হিংবা নত্ত্রবদি হিংবা অসি রাননবগী মরম ওইরক্কনি।

অরুণ - মীওইবগী হৌনবী লমচৎকী রাংমদা অস্নুক্কী মতিক রাংনা লৈগ্রে—প্রতিমা হায়বী ঐগী মুপী অসি মাদুদি করম্বা মখলগী শাসন চালাইদুনা মহাকপু জ্ঞান তাহনগদগে হায়বা ঐ খঙবা ঙমদ্রে।

কীর্ত্তি—মহাক্না কীবা, থাজবা অমসুং মরালোবা মী-পোং অমা ফাও লৈতবরা বাবু! লৈরবদি মখোয়গী মতেঙনা—

অরুণ—কনাবু কীরি কনাবু থাজরি ১দি য়ারি ঐ হায়বা ঙমজদে মথোং অমতা খঙদে—।

বীহারী অত্থরা ? মত্থদি স্থম তৌবিয়ু—ঐ রা অমা তাকচগে।
মপা-মমানা হুংঙাইবা মচা অমা ওইত্থনা য়াম্না কেথোকনা থম্বা
মচাশিং অসি অত্থম্না য়াম্না তৌগল্লি। ঐহাক লাইরিক অমা
পাবদা থেংনখ্রে মখোয়গুম্বা জাৎ অসিদি খুদোং চাবা মতাঙ
অমা য়েংত্থনা অচিকপা মফম, কনাগীস্থ মতেঙ ফংহন্দনা মশা
মথন্ত অমুক্তং থা মখায় অমুক্তং খরা অরাবা থাঙহনবিবা—
চানিংবা মতমদা হেক পিজদবা, চৎনিংবা মফমদা হেক চৎহলদবা
শম্না হায়রবদা মহাক্না কেথোকপগী খুদোং ফংহন্দবা।—নোংমা
তানজা চাবা অমদা নিংথিনা থেমত্থনা পুথোকপিরকও—ঐগী
কিহোম লোগী—লৌতাংশঙ অসিদা লৈবিরো—তরানিমুক্তং

অরুণ—কদাইদগী পুথোকপনোদা রা ঙাংনবা য়োনা মনাক
নকউবা য়াবা পোৎ নত্তেনে—ভাই !

বীহারী—মত্থ য়োথ্রবদি খঙদ্রে—য়ারবদি—ঐনা হায়রিবা প্রোসেস
অসিদা মহাক ঐগী লৌতাংশঙদা ১০ নিদং থম্বদা কীহনবদা
হন্দবা য়ারোই লমহেনবা।

অরুণ—মত্থ ওইবা য়ারোই বীহারী। কান্নদেদা উপাই লৈতে।
ঐদা সংসার অসিদা লৈজদ্রগা লোইরেদা। আত্মাঘাট তৌত্থনা
নোংমা কোক হেক শিদোকথ্রগা লোইরে। মীনদি থীনা
ঙাংনহৌরনিদকো !

কীর্ত্তি—মতিক চাদেদা - মরম অত্থগীদমক শিবা মীনা নোক্লগদবা
রারম অমনি—

অরুণ—মওল মওল খল্লক্লবনি ঐ।

কীর্ত্তি—ঙম্নবা হোৎনবিয়ুনে বীহারীনা হায়রিবা অসি করিগী য়াদ-

দগে ? জঙ্গলগী কৈ, নোংশা, শামু অঙাওবা ফাওবা তেনব্না শিকার তমবীবা য়াব্রিপোৎপো।

অরুণ—মতমনা থুদোং চাবা পুবিরক্সরা, ওইবা য়াই হায়ব্রিবহু অহুগা হৌজিক মক্সীদি ঐ থাজদ্রে

কীর্ত্তি—আদা লাকৃইবব্রি— ঐজ্ঞা তুলেশ্বর B. A. থীবগা জজ-সাহেবকা মাল্লিদা—!

নীহারী—মানি হায়—কদোমদগীনো ?

কীর্ত্তি—হুম ! চৎলসি—চৎলসি ! মচী অমদা লৈশিন্দুনা লৈসি—ওক্সবদা কয়া হুংঙাইবা মীতা অমতা য়াওদে।

অরুণ—ঐনা হেন্না উনজনিংদে লেঙসি কদোমদনো !

লাংট

অহুমশুবা থৌপা

কা

সন্ধ্যা মতুং। প্রতিমাগী Drawing room. মখল মখা অয়াম্বা লৈতেং অমতা ৱাৎতে। য়াইমা সিংহ হঙ্গৎ-হন্দা চৎলি। প্রতিমা শাউনা চৌকিদা ফমলমই। মীয়েং অমতদা পোৎ থুদিং য়েংই।

য়াইমা—(মপাললোমদা য়েংথোকলুবদগী ফিংনা) এঃ এঃ হল্লকলে ! হল্লকলে ইবেম্মা !

প্রতিমা কনা ?

য়াইমা—বি, এ, বাবু—বাবু মচা !

প্রতিমা—কদোমদা চঙথি য়েংউ।

য়াইমা—(খুনিং কাওহনা য়েংলগা) বাবু মচাগী কাদা ! নত্তে, নত্তে, অসোমদা চংঙকলে।

প্রতিমা—থোং থিংজিল্লু, চঙহল্লকনু

য়াইমা—ইস ! য়োরকলবদবু—নঙদ্রে, নঙদ্রে।

"অরুণ চংঙকই—ফুরিৎ কোট লৌথোক্তুনা অনকপদা লৈবা ফীয়ান অমদা য়ানশিল্লি।" অদুগা চৌকি অমদা ফমই॥

প্রতিমা (অরুণদা শঙত্রিং য়েঙলগা শাউনা) করিগীনো 'সিদা চংঙকইবা ? চৎলো নঙগী কাদা !

অরুণ—ঐগী কা থোং লোনখ্রে।

প্রতিমা—হুমিৎ ৪।৫ নি থোঙ হাংহনা থম্বা ১সুং শঙবা ঙম্বা হৌনবরা ? হৌগৎলো কোটককা অদু পুখো

অরুণ—চৎলনি ! তায়াইমা ! ঈশিং গ্লাস অমতা থককে।

(য়াইমা ঈশিং লৌগে চৎলি প্রতিমা ফীংনা ফুক হৌগৎতুনা)

প্রতিমা ঈশিং অদু মাগী কাদা থম্মু।

য়াইমা - ফনি, ফনি, (প্রতিমা অমুক ফমথৈ)

প্রতিমা—চৎলো হৌগৎলো নঙগী কাদা লৈরুচো—

(অরুণ না অমতা খুমদনা তন্না হৌগৎলি ফুরিৎ কোট অদু ফীয়ান্দগী তপ্না লৌরগা খুদাংদা য়াল্লি। চৎপা হৌই)।

প্রতিমা—জবান পিরমখো ! ঙসি ৪।৫ নি অসি কদাইদা লৈরুই ?

(অরুণ না অমতা খুমদনা থোককে তৌই)

বাঃ A Good boy ! (ফুক হৌগৎতুনা অরুণগী লম্বী থৎলি। জবান পিরমদ্রবদি চৎখিবা য়ারোই।

অরুণ—য়ুমদা -

প্রতিমা – করম্বা য়ুম ?

অরুণ – (শাউরপ্পা) নংবু থম্নবা জেল !

প্রতিমা অতুপ চাওথোকপা পাউখুম ? চৎলো –

প্রতিমা Get out – ঐগী য়ুম অসিদা লৈবা য়ারোই।

অরুণ—থাঙগৈ শেংলবরা ?

প্রতিমা – উম !

অরুণ – ফরেদা করিগুম্বা হুমিৎ অমদা ফাওবা ঐবু নিংশিং-লরোইকো ?

প্রতিমা নিংশিংলোই ! নিংশেংলোই !

(অরুণ তপ্পা তপ্পা থোকখি)

প্রতিমা—(অরুণ চৎখিবা মুন্না য়েংলগা) করম্বা নিপানো ! মীগী রাঙাং ইঙ্গিত অমতা খঙদে, ঙাংই চৈরিবা মখৈস্তু তুমিন্না খাঙতুনা লৈথোকপা, হংঙি খোংলি থঙইনা তাদবা। অমুক অমুক খুমদোকলকপদনা মীগী খোইদে শিকপা রা ঙাক খুম-লকপা। য়াইমা থোঙ লোনশিল্লু– দরওয়াজা বন্দ করো, বস ! নিকল গয়া ॥

[ফীংনা গগনজজ চঙলকই থোঙ লোনবা নংহৌদ্রে ॥]

গগন প্রতিমা ! অরুণ বাবুবু কা অসিদগী নঙনা তান্থোকখি —নত্রা ?

প্রতিমা—Yes Father !

গগন – প্রতিমা ! বাবা ঙসিদি রা অমা হায়গে নপুক্লিং চঙনা তাও। মতম অস্তুক কুইবা অসি ইপা রা অমতা ঙাংদনা খাঙলকইবনি। নং মপুম ফানা চাওরবী হুপীমচা অমনি নয়ুম

পাল্লবী, লাইরিক মতিক চানা তম্নবী। ইপানা নথন্তা পোকচবা পিকনা নৌনা নমা কায়নরবী ঐনদি ইপানদি পিশক পিকলিবী প্রতিমা ঙরাংতা ঐগী তুংঙন্দুনা চৎলম্বা প্রতিমানি হায়না খল্লি; সমাজনা অমদি মতমনদি মতু ওইনা উদে। ইপাগী থবক অসি পিবাফম নত্তে, ইপাগী পুনসি অমর নত্তে। নোংমা তোকপা হুমিৎতা ঐগী থবক, মান সন্মান ঐবু উৎপিরিবা মীপুম খুদিঙনা তোকখ্রনি। নোংমা শিখিবা—হুমিৎতা সংসারগী মরি ককলে কদৌনি? ইপাগী আশাদি—মতম কুইনা নংনা নপুরোইবগা চান্ন চিন্ননা লৈহৌবা অসিনি। নং অসি ঐগীদি ইচানিনা নংনা ওৎলিবা মখৈ খাঙবা ঙমই অতুগা মপান-থোংগী সমাজদদি নং অসে থাঙগৈশেংনা ঙাওরবী অমনি হায়রবসু চিংনরোই। হুপীগী অথোয়বা ধর্ম্মদি মপুরোইববু লুনা নিংবা অসিতনি। ঙমইবা মখৈ নংগী ননিং তম্বগী চাং ককথৌ, অরুণকুমার অসে নঙগী নপুরোইবনি কাওগতু মাঙোন্দা অকায়বা চৎপা হায়বসে ধর্ম্মদা চংনবীদা সমাজদা খোৎখোৎ লোইনা কায়ববা ঙাক্তুনি। থৌদোক অসিনা নঙোন্দা মঙ্গল পুরক্কনি হায়বা থাজদে। হুপীদি মতম চুপ্পদা মপুরোইবগী অরাবদা রাবা হুংঙাইবদা হুংঙাংবা ওইজনা পুনসি লেনগদবনি সতী সাবীত্রীনা মপুরোইবগীদমক অশিবগী লৈবাক য়োনা চৎলি—যমমকপু মায়থিবা পিদনা মপুরোইবু হিংগৎহনখি। জগৎকী মমা ওইরবী জানকী সীতানা প্রভুরামচন্দ্রনা চহি তরামরি বন্দা চৎপবু তুং ইনখি। নংগুম্বী করিসু লৈত্রবী অমনা করিগী নপুরোইববু অতুপ থওইদনা খল্লিবা মমৈদা নিংঙমদবা মৈনা

চাকলক্কনি—ইপানা লৈত্রবা তুংদা কনানা নংগী ননিংতম্বা অসি য়াত্নুনা চৎপিগনি—পঙগস্থনে প্রতিমা—মীওইবগী পুনসিদি লাইজ ঈপাক থক্কী কোঙ্গোন গুম্বনি হায়মি মতমগী মশক লেপ্তুবনি—নথন্তা খনবা ঙম্বগী নপাঙ্গলস্নু লৈরিবা নহাকনি—খঙ্গোনে—নথন্তস্নু—অদুগীদমক তম্মীবনিনে লাইরিক অঙাং ওইরিঙৈগী পুনসি হৌখ্রে নমা নপাগা, নয়ুম পাল্লে নপুরোইবগা লেল্লনি নপুনসি খোংচৎ অমা হোংলনি—নচা-নশু শোকতুনা জাতি—সমাজগী থৌদাং পুরনি নরৈবাক নজাতিগী সেবা তৌরনি—অরোইবদা ধর্ম্ম তৌগনি নপোক অমগী অমুক নোমগনি—মীকুপ অমতগী মতম মাঙহনবা য়াবা নহেনে মীওইবসে প্রতিমা! অপঙবী ! চৎলু! চৎলু! তুমজরুরো! Get asleep! Get asleep.

(প্রতিমা চঙখি জজ তপ্না তপ্না থোকলকই অরুণকুমার অমুক চংঙকই ॥

অরুণ-প্রতিমা অসিবু থাংগৈ শেঙনমক বুদ্ধি তাদবী অমদি তারক্লরোইদবী নুপী অমরা? বুদ্ধি তাফম থোকই। মপুঙ ফানা চাউরে মতিক চানা মহৈ হৈরে, অদুদি মহাক অসি তশেংবমক হৌনবা খংদবী নুপী অমনি। মহাকপু থাদোকপা নত্তনা ঐগী মঙ্গল লৈত্রে। লুপা! লুপা ৫০০০৲ লৌত্নুনা ঐনা মাবু লৌবনি। মহাককুম্বী নুপী অমবু হুন্দোকলম্লবস্নু জজ সাহেবকী মখুৎতা ঐগী সর্ত্ত লৈহোগদৌরি। হুম! নিপামচা অমা ওইরগা ইচিন্না হায়খ্রবা ইপুকনিংনা য়ারত্নুনা ইখুৎমক্লা সহি তৌখ্রবা সর্ত্ত অদু থুগাইগদ্রা? আঃ তোনখ্রেদা মীখা

পোনবা—নিঙোল মরা য়াওং ইনবা। অসিনা ওইরেকো বাবানা ঐবু ইস্নোকলিবা। থাদোক্লগে—ফরে! ইস! ইমানা নোংমা হায়খি "নিপামচা—অরুণ মুপী ওইবীগী পুনসি হায়বসি অরুবনি মুপী অতুবু মমং অনি শুহনগনু নখুৎ চানবা রারকউ। মহাকপু কদৌমুংদসু থাদোকনু মত্থু নিপাগী ধর্ম্ম নত্তে" ইমা ঐ লাল্লে! ঐবু ঙাকপিয়ু! ইমা! (হন্না য়েংশাকপদা জজ সাহেব থোরক তুনা মনাক্তা লেপ্লুনা লৈরমই)

গগন—অরুণ!

অরুণ—ঐ-থংই। ঐ রাশকখ্রে। নিংঙোল মন্না অমা ওইতুনা লৈগনি। নোংমতসু ঐহাক জজ সাহেব অমদি ঐগী মুপীগী অপাম্বা মতকী ওন্ন-তৈনবদ চৎলোই। ঐ—অসিমসু থংই মতুদি ঐগী নিপা ওইবগী গুণ মাংবগা লোইন লোইননা মীওইবা হায়বতুগী গুণ অতুসু মাঙহনখ্রে ইশাবু য়োম্নোকতুনা—অতুম ওইনমক

গগন—অতুম ওইমক করি?

অরুন—করিসু নত্তে—ঐ মতম অসিদা লৈগনি লেংদনা কদাইদসু চৎলোই। ঐ নিপা অমনি ঐগী রাশক ঙাক্কনি। অতুগা জজ সাহেবনা পিনবিবা ঐগী মমল লুপা অতুগী মহুংদগী লুপা খরদি মীঙোন্দা শিংখ্রে। অরাৎপা লুপা অতুদি ঐ মতম খরা তাল্লগা শিংজগে। লৈরিবা লুপা খরা অসি লৌশিনবিরো, শিংবা তৌজরিবনি। (লুপা খরা পিবা, (জজনা লুপা লৌদবা) ঐ লুপা অসি অমুক হন্না যম্বা ঙম্নরোই। লুপা অসি লৌবিনবা মী কনাসু লৈত্রে।

গগনজজ – (শংত্রিক য়েংই অরুণদা) অরুণ !

গগনজজ—লুপা শিংবা চুমই ! লুপা শিংবগী য়া ঐগী Agreement তা য়াওরি অতুনদি ^ংগী মুপীবু থাদোকতুনা চৎলমে হায়না লেপ্পবনিদনা ! ফবে নংনা লুপা শিংলবস্তু শিংদ্রবসু ঐনা নংগী লুপা অত্ত কোকথোকর্দ্রবদি ঙসিমক নং চৎলগদ্রা ? প্রতিমাবু থাদোকলম্লগদ্রা ?

অরুণ - করিগী চৎকনি ! করিগী থাদোকলমগনি ! ঐ অসি ইনিং চন্নবা নিপা অমনি হায়না খংজবা মুমিৎ, ঐ অসি ঐগী নিপিগী অরৈবা মীনাইনি হায়না খল্লিবা অসি কোকপা মুমিৎ মুমিৎ অতুদগী হৌনা ঐত^ক থৌনা লৈবা নিপা অমা ওইরক্কনি, অনৌবা হৈনিংবগী খাশা অমা পোক্লক্কনি ইথৌ মশক নিংথিনা খংলক্কনি হায়বা অসি ঐগী অচেৎপা থাজবনি । মতম অতুদা ঐনা ঐগী মুপীবু য়াবকপা ঙমগনি অফবা লম্বীদা পুরক্লবা— শেম্বীবা ঙমগনি অফবা লৌচৎ নিংথিনা চৎনবা ঐগী ইথৌ, ঐগী ধর্ম্ম, মীখা পোন্দুনা মশক খঙদ্রে, শেলগী দরকাব মতম অমদা লৈরমই--শেল য়াম্না পামলমই শেল অতুত্তা পামতুনা ঐনা প্রতিমাবু লুহোংবদি নত্তে, মী অমা ওইনা, নিপা অমা ওইনা লুহোংবগী মগুণ খঙদবসু নত্তে । জজ সাহেবকী থৌজাননা ঐগী শেলগী দরকার কোকথ্রে—ইপানা তোনবা মীগী মরল শিংথ্রে অরেম্বা শেলনা ঐগীদমক রাজরক্লবা— ইমা ইপাবু মুংঙাইহনগে খনজরমই—ঐগী দলাল কীন্থখরে । ঐগী লমচৎনা, অমদি অরানবা রাখলনা বাবা অমসুং ইমাদা মীনম্বা ভাংঙুবনা লুহোংবা অসিগী রাহৌদগী বাবাগা ঐগা শিবা

ফাওবদা উনদবা য়ানা লৈরে। লানজদ্রবী পঙলবী মুপীমচা অমা চঙনা হাৎলে, মহাক অদু ঐগী-দমক লুহোংগনি মখোয়গী দমক হুংশিজরবা মপুকনিং তাবা মমৌ ওইজগনি হায়বা আশাগী ময়োন তেকখ্রে। মুপীমচা অদুগী মপা নত্তনা কনা হন্না য়েংবদা উদ্রবা···মপা ··অদু নিংবা কায়বগী ইপাক্তা তাত্তনা বুদ্ধি মমখি-ছুনা লম্বীদা মক্ষম অসিদগী হনখিবা মুমিৎতা Motor accident তা শিখ্রে। থোদোক পুন্নমক অসিগী মরু ঐঙোন্দগীনি ঐ হিংউবগী কান্নদে—অদুবু করি উপায়—লৈরি হ।—উরোক নমাংসু লাং নতুংসু তেন হায়বদু ঐগী হৌজিকমক চপ চাবা ফীভমদা লৈরি—ঐ হিংখিনি ঐগী সহধর্ম্মীণী, ঐগী সমাজ, জাতি অমসুং ইরৈবাক্কী তোল্লিবা লশ্বন শিংঙমখিনি—

[অরুণ য়া ঙাংবা অমুক থোকলকত্রে মপুংফানা চোক-থখরে তুমিন্না লেপ্তুনা লৈরি। জজসাহেবনা মহাক্কী file দগী থিত্তুনা অদ্বৈ প্রতিমা লুহোংলমদাইদা ইনখিবা agreement অদু পুথোকলকলে অদুগা অরুণদা agree-ment অদ উৎলগা চুমলে হায়বা খঙহল্লগা অরুণবু চিংনা চিংনা য়েংতুনা agreement অদু কুপ্না শেগাইরে অদুগা ফুরিৎখাওদগী মৈখেৎ লোথোকতুনা মৈ থারে—]

গগন—Agreement অসি মৈ থারে। মৈখু, হুংশিন্তা তিন্দুনা মাঙখ্রে। agreement কী য়ারোল পুম্বা মৈথুনা মাঙখিবগুম মাঙখ্রে—নপুক্লিংদা মমি তারম্বদি য়াই অদুবু ঐনা হায়রিবা অসিনি মমি অদো মুথৎখ্রো। মিকুপ অসিদগী হৌনা ঐগী সর্ত্ত অমতনা পুনম্রবা ননিং তন্নগা অরুণকুমার ঐগী প্রতিমাগী

মপুরোইবা অমা ওইরবনি হায়না লৈরে। ঐদি পুন্সিগী অরোইবা মীকুপ্পুং ঙাইহুনা লৈরিবা মী অমনি প্রতিমাগীদমক থৌদাং তোল্লমই মহু হৌজিক কোকলে—মতিক চানা লাইরিক লাইস্নু তম্লবা মী অমনি নহাক মীনা তাকপা নত্তনা নথৌ মশক খঙজবা ঙম্লবা মী অমা ওইফম থোকলে চিংননিংঙাই লৈতে। শাস্ত্রগী হৌনবী মন্ত্রগা লোইননা ঐনা ঐগী প্রতিমাবু কৎথি নঙোন্দা লুহোংবা হুমিৎতা ঐখোয় মীওইবদি কাউথিবা য়াই হুমিৎ, থা, মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ প্রকৃতিগী পোৎশক পুম্নদি উহুনা খঙচনতা সাক্ষী ওইহুনা লৈগনি অচুম্বা অরানবা পুম্বা। নখুৎ চানা রারক্লগা নঙগী হুপীবু পুরকউ য়াইফ য়ুম্বাল, পুখৎলকউ—লৈখা তারবা ঐখোয়গী সমাজ চাউথোকচফম ওইনবা মীরৈবাক মচাগী মমাঙদা, পুনসি তোলোইনা পাল্লু অফবা নচা নশু পোকতুনা লৈবাক শেম্বা ঙম্বা লমজিং মৈরা পায়হুনা চৎলু পৃথিবী জাতি পুম্বগী। খঙহল্লু মণিপুরগী নিংথিবা শকতম, মর্ত্তগী অমরাপুর, লোৎতুনা লৈরিবসে ইন্নুংবুংগী মণিগুম॥ পুক্সি অসি ষ্টেজনি; ঐখোয় খুদিং আর্টিষ্টনি, তেল্লবা খোঙচৎতা শংলবা ইথৌদাঙ পুবকইবনি মীওইবসে, কাওরবরা অরুণ অয়াম্বগী রাখলদা থৌঙমদবা উৎনবা! take resh! Think over!

(তপ্না তপ্না জজ চঙখ্রে) অরুণকুমার চৌকিদা চোকথনা ফমথৈ মরু লুকথহুনা মখুৎ ২ না মকোক্তা হাপ্তুনা ঙহাক লৈরিঙৈদা তপ্না তপ্না য়াইম্না চংঙকই—কা অত্তুদা পোৎফম চাদনা লৈরা পোৎচৈ লোইশিল্লি মত্তু উরগা)

অরুণ—তায়াইমা! চৎলো চৎলো তুমজরুরো!

প্রতিমা—(ইমুং কা অমদগী ফিংনা থোকলকতুনা) য়াইমা চৎখিন্থু অসুম লৈয়ু। (য়াইমা হুইঙক য়েংঙক চাহ্নুনা লৈ)

অরুণ—চৎলোনে—তায়াইমা!

প্রতিমা—(কন্না) নহি চৎখিহু—(অরুণদা অমুক হল্লকইবা অসি ইক্নাইদ্রা? চৎকনি হায়হ্নুনা চৎপ্রবা নহাক্না?

(অরুণ খুমদে)

জবাব পিয়ু! জবাবদো! (খুদোনবী শিংহ্নুনা চ্যেকশিল্লু মহু য়াবা মী নত্তে ঐ, খুমদবাকানা চৎনপোৎ নত্তে—ঐবু ওৎখিনি অসিরা অমুক হল্লকইবগী মরম? Never! (অরুণ খুমদে) তুমিন্না অসুম লৈরিবসি করিগীনো? ওঃ ছন্ত্রি ওইবি-দৌরিবা হায়হুরা?

অরুণ—উম! কয়া তোয়না মাথা খারাপ ওইরকপগে হায়বা হিসাব থম্নবা ছন্ত্রি ওইবা তারি।

প্রতিমা—(শাউনা চঙশিল্লকতুনা চৌকি অমা) অরুণগী মনাক নকলপ ফম্নগা) ঐবু মাথা খারাপ ওইরে হায়বা ঙম্বা! হায়য়ু! মহুগী কৈফিয়ৎ ঐ পামই। খুমদ্রেদনা! চেয়ার অহু ঐগীনি থংউ! হোগৎলু! Stand up! (অরুণ চৌকি অমা হোংহ্নুনা ফম্মি) করিগীদমক চৎকনি হায়না চৎপ্রবা নঙনা অমুক হল্লকই? নিপা নত্রা? হায়খিবা রা হোংব্রা? ঐনা বাবাদা হায়প্রবনি—নং অমুক হল্লকতবনা ফরগনি হায়না—Understand!

অরুণ—ঐনা হল্লকইবা অসিনা চুমই অমসুং ফৈ হায়বসি খঙনা হল্লকইবনি।

প্রতিমা—করিগী ?

অরুণ—নঙবু লাকশিন্নবা— !

প্রতিমা—ঐবু লাকশিন্নবা ! মতুগী অর্থ

অরুণ—(মোমন নোক্তুনা) অর্থ ! নঙগী চাং হল্লবা ননিং তম্বা অতুগী মমু য়ৈথেক্লবা।

প্রতিমা—অতুক চাউথোকপা পাউথুম ? য়াইমা ! ঐগী Hunter

অরুণ—চংখিন্নু তায়াইমা হন্টার উঠার করিমতা কান্নরোই ঐনা লোয়না মৈ থাদোকখ্রনি-

প্রতিমা—চাউবিরেদা—বাবাগী পিষ্টোল অদু পুরকউ। (য়াইমা চংতে) আচ্ছা মৈ যাউঙ্গি ঠিক করোঙ্গী—(শাউনা চংখি)

য়াইমা—(হুংশা থিত্নুনা) বাবু !

অরুণ—চংলো তায়াইমা ! নঙ তুমজরুরো ! (য়াইমা হায়রমক তৌমরক ওইনা চঙখি ককোক হোৎতুনা)

প্রতিমা -(ফীংনা থোকলকই, পিষ্টোল অমা পায়রকই অরুণদা aim তৌরগা) অসুপ নাপল চাউখ্রবা ঐগী অরৈবা মীনাই-নবো।

[অরুণ ফিংনা হৌগৎতুনা লেপই। মীরৎ নারৎ য়েংতুনা প্রতিমাদগী পিষ্টোল অদু মুল্লে অতুগা প্রতিমাবু চৌকি অমদা ফমহল্লগা ফিনা পুল্লি। প্রতিমানা "বাবা ! বাবা !" "য়াইমা ! য়াইমা !" হায়না লাওই—অরুণকুমারনা মচিন মেল্লি—উপাই লৈত্রতুনা প্রতিমা মখোং ফ্রীং ফ্রীং কাওতুনা লৈরে। অরুণ হন্দোকতুনা চৌকি অমদা ফমই।]

অরুণ—খঙব্রা ? করিগীদমক ঐনা নঙবু শাস্তি পিরি ? মরমদি

নহাকপু ঐনা য়ান্না। হুংশি করিগী নহাক ঐগী পুম্সিগী লোয়নবীনি লুহোংতুনা লোবা তৎন থানবা য়াম্রবা খঙব্রা? তা য়াইমা! তায়াইমা!

(য়াইমা থোকখ্রকই)

চ[illegible] [illegible] সাহেব[illegible]। [illegible]মু—নখোয়গী মে সাহেব অসে ডাওরদুনা ঐনা পুন্দুনা থমগ হায়না—

(য়াইমা হুং[illegible] কোংদোনবতুনা মোমোন নোকচ অনমুং চংখি)

প্রতিমা—[illegible] [illegible] বিচার তৌহনগনি।

অরুণ—[illegible] [illegible] লানগনি খঙব্রা? নাকপু নাকপিগদ্রনে?

প্রতিমা—থৌনা [illegible] [illegible] অসে! খঙ[illegible] বানানা নঙবু [illegible] পিগা [illegible]।

অরুণ—এনা [illegible] নৈরগা নঙ য়াম্না ফজবনি।

প্রতিমা ([illegible]) [illegible] [illegible] [illegible] ঐ—স্বর কুম্লে হায়মি [illegible]! [illegible] [illegible]!

([illegible] [illegible] [illegible] চৌখোকপরে প্রতিমা কুগ হৌগৎলি অরুণনা [illegible] পায়দুনা অমুক থোক হেক নমথদুনা [illegible]।)

অরুণ—এবু ন[illegible] খঙদোদনা—[illegible] পঙহেল হেলগনু।

প্রতিমা—হেনগনি!

অরুণ—নিঙথিনা নৈরমউ—ঐ নোংমা নিনি চংথোবউখিবা তারি

প্রতিমা—ঐস্থু চংকনি—

অরুণ—ফরেদা অদুদি শেম শারুবা চংনবা

প্রতিমা—অতুদি চৎলোই—।

অরুণ—লৈজহৌবা হায়বতুনিদনা অতুগা—।

প্রতিমা—লৈহৌরোই।

অরুণ—চৎসি- চৎলো অতুদি—(প্রতিমা ইন্দুনা পুবিখি)

লাইট

মরীশুবা উৎপা

লম্বী

চীংয়া অঙবা অয়ুক

কমলীনি, লতা, থোকলকই। মায়কৈ অমবোমদগী বীহারী চংঙকই —উনৈ।

কমলীনি—ইচা বীহারীনিনা কদোমদগীনো?

বীহারী—ইমা! ঐ অসিদা লৈজেনে—

কমলীনি—করিগী? কদায়দা?

বীহারী—চীংতুম মচা অসে কীহোম পামদা। কদায়দা লেংঙু-রিবনো ইমাবো ঙস্তানা।

কমলীনি—নচনগী স্না—কোনবিরুই।

বীহারী—ও! অতুগা অরুণদি থক লাকতবরা ইমা!

কমলীনি—নঙগী বাবানা য়াদবতুদা কদায়দগী লাকপা ঙমগদগে? নখোয়না থরা তাইশিন্নবা শিল্লুনে ইচাশা!

বীহারী—ঐখোয়বু হায়জো হায়রবদি ইমা, অরুণবু কৌশিন্দুনা ইমাখোয়গী সেবা তৌহন্নবা হোৎনবিবনা হেন্না কৈ অতুগীদমক

মতম অয়াম্বদা ঐখোয়না অরুণগা নৈনজ্ঞে -- ইমাখোয়রোমদসু বাবাখোয়—অহল-লম্মন খরনা খরা কুপ্পা [illegible]বদি হীরম অসিদা অরেপ্পা অমদি কুইদনা খভগনি খঞ্জে--অতুগা ইমা ঙাইহাক-তংদদি ঙাইবিরমখো—ঐ বাবাখোয় ইমাখোয়গী কীহোম অতুগা অতৈ অতৈ চান থক্নবা খরদং লৌথোকচরুখিগে—(চৎখি)

লতা—ইমা কনানো অসিবো — !

কমলীনি—নঙগী তামোখোয়গা লাইরিক তম্মীন্নবা মরূপ বীহারী হায়বা অতুনিদনা নঙদি খঙদ্রিবোইরে—বীহারীবু ? নবুংগা মাগা তিন্নজবা হায়বতুদি করি হায়রুনি চারে চামিন্নবা তুম্নে তুমিন্নবা ঙহাক্তা থানপোৎ নত্তে—

লতা—অতুননিদ্না মহাক্না ইমাবু য়াম্না কোইদ্রিবা !

কমলীনি—নবুং অরুণ-মকনি খনবা য়াই—তামো হায়না হরাও-হরাও কৌ—কৌনববসু—

লতা—ইমা তামোতুবু অসুম্মক লৌখৎলরোইদ্রা ঐখোয় বাজীনা তৌরিসিবো—

কমলীনি—কনানা খঙনি ইচাশা ! অসি পুন্নমক শিনগদবা— নঙগী বাজীনা কন্না শাউরিবনিনা ইমাখোয় হুপীনা র্না কন্না ঙাংউবা য়াবদি নত্তে অসিরাইদনি হুপী ঐখোয়না তোল্লকইবা

(বীহারী থোকলকই)

বীহারী—ইমা ! ঙাইগাক্তং ঙাইনরেদো—শাউবিহু -কীহোম, মঙ্গা,—মাইরেল, পালনচিংবা য়াম্না পুথোকলকই - অতুগা থাঙদোক—থাঙদোকতুনা হায়রকই- অসিনা ইমাগী, অসিনা বাবাগী, অসিনা ইচনগী--

কমলীনি—য়ামল্লে, ওকলে, ওকলে।

বাহারী—এগী মরাপ থবক জৌমিনবদো লংফৈ চংখ্রি অজুনা এ চখোকপা শংদ্রে নগ্রবাদ এ তংতনা লাকতুনা বাবাগী করি করি চানবা খিল্লক্ষোনানি—অজগা রারীমু জৌগদবনি—

কমলীনি—জোয়নে হচাঙা! আগদ গোজ্রে হায়জনা নখোর অমজু জেক লাকজা। অজুদি এখোর রাজ্রে।

বাহারী—লাকচান লাকচানি, গুনা! ... চানি নানি—গোংজো অজুদি এ খিজোকত্রে

কমলীনি—হরে! হরে! গোজোরো।

(অনিমাক চংখি)

[... ... ... বানু ... ... লাকজুনা থোবলাকত]।

জৈগে

ময়াম—জো রাজো জো রাজো, রাজুঙা
জোহনা পানবু রাজুঙা॥

নিপা—নিপা ... নাজনাগ
ফুপা ... থাহনাসি।
লোরানা ... থানাসি
জমবু ... ...

ময়াম—নিপা ... থানাসি
ফুপা ... পাহনসি।
জমু লোরবা ... ...
পাঙদ কাংবু চোপসি॥

নীপা লৌরি কারল শারদা।
খুবাং লাইখল শারিবী॥
খুনিং মপন কাংলিবী
থংলেন মানজ ঙাইরিবী॥
হুরা লৈরাং মানবী ও
হুংশি শমাই লৈরকও দে॥
নিপী কোরৌ-মৈশা লাংহুনা
কোয়েৎ তোলোক চিল্লিবা॥
লোইবী চীঙমায় হোংলিবা
হুরাগী পুকনিং হুখিবা॥
পাখঙ খোইমু পাংখকপা
হুমিদাং রাইবু য়োরেদা
নয়ুম পোংশং পাঙলকও
হো পাঙলকও—হো পাঙলকও দে॥
(বীহারী হরাওনা ঈশৈ তারমই
ঈশৈ লোইবগা লোয়ননা ষ্টেজ মমথ্রে)

মঙ্গামঙবা ঊংশা

কা মচা অমা। চীংথক্তা শাবা বীহারীগী লৌতাঙশঙ। তৌ, লাংনা ফকলাং খাই জুগোৎ চাদ্রবা খাংপোক অমনি। হিদাল অতেকপা অমা, মেজ মখোঙ পৈবা অমা, করাক চৌকি কা-হেন্না রাংবা অমা, উয়ুং মশা হিদোকতুনা শেম্বা ফিয়ান,

ফল্লাংদা কেলেগুর অমনবা অমসু য়াল্লি। চফু খরা, খাং অমনবা, লিকলি খরা ফকলাংদা থেংলি। কোঙৌ টিন মকক অমদা ছম্থি অকংবগী মৈ হৌত্নুনা মৈখু লিরি ২ কারি,—তেঙ্গালি য়াম্না কাবা লানটেন থাওমৈ অমা মৈরী চাওনা লৈখৎতুনা থাল্লি। অরুণ প্রতিমাগী মখুৎয়েৎ অত্থু ওইনা পায়তুনা

শম্লগা বেডিং অনী লোম্না মকোক্তা থোংতুনা রানা চংঙকই। ফক্লাং খারি হায়দ্রুনসু কা মনুংদা নুংশিৎ হুমজিল্লকপা কনবা ঙমদে। নুংশিৎনা প্রতিমা ১সুং অরুণগী মশাদা কন্না য়ৈরি হায়বা মখোয় অনীগী ফীজীনা হুমত্থুনা তাকলি। ইমুং লময়াই হেক য়োৌবদা অরুণনা বেডিং অনী অত্থু খঙথা থাদে, অত্থুগা হিদাল অত্থুগী মখক্তা ঙেক লাউনা ফমথৈ, মখুৎ অনিমক চুবা মেৎতুনা ফমই রা অমতা ঙাংদে। প্রতিমানা কা অত্থুগী মচি অমা ফাও চিথবা লৈতনা মীয়েং অমতদা লৈত্থুনা য়েংই—অরোইবদা উৎশিৎতরপ্না হায়রকই অরুণদা শংত্রিক য়েংতুনা।

প্রতিমা- My good God ! নংনা ঐবু চেন্দুনা পুরকলেদন। মঙগী লৈবাক্তা, মায়াগী খাংপোক্তা মিত্রং তৌত্থুনা -

অরুণ—ফজ্রনেসিবো !

প্রতিমা— ফখরেদা হায়য়ু ঐবু মফম অসিদা পুরকইবা অসি করিগীনো ?

অরুণ—ঐগী খুসী !

প্রতিমা—খুসীনি হায়বা ?

অরুণ—উম ! খুসীনি। নংনা ঐবু নখোয়গী চাউরবা কেথোক মৌথোকপনা থল্লবা য়ুমগী কা অমদা থম্বদাইদো অরাৎ-অপা

অমতা লৈহন্দনা জেলগুম্না ! নংনা ঐশু নয়ুমদা থম্বা মীনাইগী পান্দমগুম্না কাহেম্না রা ঙাংবা অমসুং রারকপগী মওং মতৌ তোয়না শিজিন্নবদা ননিং তমখি। ঙসি ঐসু নংনা মতম অমদা ফংথিবা অধিবার অত্ ফংনবা মফম অসিদা থমগদৌরিবনি।

প্রতিমা—লম্মন খুমলিবা হায়বত্রা ? কান্নরোই, কান্নরোই।

হায়য়ু—মফম অসি করি লম কৌই ?

অরুণ—মপুরোইবনা মহাক্কী সহধর্ম্মীনিবু রারকলম কৌই।

প্রতিমা—ঐবু রারক্কদৌরিবা। ঐদি লৈরোইকো !

অরুণ—ঐনা সিদা থমগনি।

প্রতিমা—উনাগী খাঙপোক অসিদবো ?

অরুণ—উম !

প্রতিমা—নমত্না থমগদৌরিবা ?

অরুণ—হোয় !

প্রতিমা—ওইথোক্তবনি ! ঐনা পুলিশতা তাক্কনি।

অরুণ—ঐসু পুলিশতা তাক্কনি।

প্রতিমা—করি হায়না ?

অরুণ—ঐগী হুপী অসি ঙাওবে, মহাকপু জববদষ্টিনা লায়েংগনি হায়না

প্রতিমা—হুংঙাইরেদা—ঐসু "ঙাওরে-ঙাওরে" হায়না পঙলাও হেক লাওগনি।

অরুণ লাউ ! লাউ। ঙম্বা মখৈ হৌনা লাউ ! কনানা তাবিবগে য়েংশি--মাইল ৬।৭ লোমগী লম মী তাখিদ্রে কনানা তাত্না লাকপিনি ভুত মকোল শাত্না লৈরবা লম অসিদবো

(বাক্সে অসিগা লোয়ননা নীহ্নারী ১সুং মাগী মী খরনা মশাকতি উহন্দনা ভুত শাতুনা করি করিনো হো হাঃ লাউরকই প্রতিমা কীবনা কুচু ওনখ্রে)

প্রতিমা—(ফীংনা ১সুং কীনা) ইমা! ভুত!

(চেনশিল্লকতুনা অরুণগী মতুঙলোমদা চেৎনা কোল্লি মখদাংনা অরুণগী মকোক্তা শোই। শাশিল্লবা ভুতকী নিল খোংলম্বা তোকখ্রে।)

অরুণ— চৎখ্রে ।

প্রতিমা কনা?

অরুণ—ভুত!

প্রতিমা—নত্ত হৌজিকমক ঐবু য়ুমদা থিল্লু—থিনগদবনি!

অরুণ তুমিন লৈয়ু ঐনা হায়রিবসিনি তুমিন লৈগদবনি।

প্রতিমা বাঃ অমুকস্থু বাহাতুরী উৎলি? খঙউ ঐঙোন্দদি মতু য়ারোই।

(অরুণ প্রতিমাবু য়েংই. মুন্না অস্থুম য়েংতুনা লৈ খজিক্কুং নোকই প্রতিমা লেমলপ তৌনা হঙ্গৎ হন্দা চৎলি খোঙথাং ৩।৪ গী মতুঙদা)

অহিং অসি কয়া থেঙ্খ্রে—ঐ চাক য়াম্না লামলেনে!

অরুণ—চাউদনা শে! (বেগ অমদগী চেনা য়োম্বা ময়োম অমা হুল্লকই।)

প্রতিমা—ওঃ ঙসাইগী—হোটেলগী তল চজিক অতুরা? ঐবু অতুগুম্বা পোৎ চাবীবা মীতারা?

অরুণ—হৈনদ্রগা ঐ চাগেনে!

প্রতিমা নঙগী মতুগুম্বা চাবতু অভ্যাসনি- ঐগী নত্তে!

অরুণ অতু ওইরগা চরা হেনবা তম্মুদনা—!

(অসি হায়রমগা খবর অমা পাতুনা লৈথোকখ্রে প্রতিমা উপায় লৈত্রতুনা ওহাক লৈরগা তল ময়োম অতু লৌথোকতুনা চাবা হৌবকই য়াম্না তম্না য়ারবদি অরুণসু মতু উদনবা হায়না হুইসারি য়াম্না তৌনা। অরুণদি হুতুনা য়েংলকপদা উরে। খরা চারগা তোকলে)।

অরুণ—ওক্লববা?

প্রতিমানা হংবিতু কৈস্থ—ইস! মসিবু চিঞ্জাকনি হায়না চারবদি ঐদি শিরেদনা—ঐ য়াম্না রারে তুম্মগেনে? ফম থারোনে!

(অরুণ তাশিন্নদে তুমিন লৈ প্রতিমা শাউনা বেডিং অমা তিংথোকই পোৎ-চৈ থোইনা য়াওদ্রে ফী শেগায়বা খরা য়াওরমই। মতু উরগা)

প্রতিমা—Oh My God! মসিদবু ঐনা হিপ্পা?

(শাওতুনা নাপ চাদবা চৌকি অতুদা ফমই—অতুগা তুমিন মনা থাঙ্গত্তুনা করি করি তৌরকপগে তারি। মতাং অসিদা মপালদগী করি করি শব্দনো তৌরকই)

হো ইমা! করি করিনো অমুক লাঙলকলে ভুত! ভুত লাক্লমাল্লে।

(অসি হায়তুনা অরুণগী মনাক্তা চঙলক্তুনা হিপলিবা অরুণগী নাকলদা ফমতুনা খুবাকনা হন্না হন্না অরুণদা থাতুনা লৈ।)

অরুণ—করিনো করি হায়রিবনো সিবো?

প্রতিমা—হৌগৎলু ভুত লাকলমই হৌজিক্তা—

অরুণ—লাকচসনু—সে ঙহাকতা তুমগে ঐ। নংসু তুমনিংলে হায়বদাই হৌজিক্তা তুম্মুরোদনা—

প্রতিমা—পুং কয়া তাপ্রে ?

অরুণ—নোংয়াই মতুং ওইরে।

প্রতিমা—ইস! অহিং নোংশোয়বা তুমদ্রবা! হয়েংদি—ঐ শোয়রোই হকচাং অসি পুমতেক তেক্লনি।

(অরুণ তুমশিন্নখ্রে ' তারিবরা ঐনা হায়রিবসে (অরুণ খুমদে)

প্রতিমা—তাবু তাদ্রা করিনো? মীনা মুক য়াম্না ঙাংশকপা অসিবো ? সে ঐ য়াম্না কীরে হায়মি

অরুণ—(শাউরপ্না) আঃ অহুবু ঐনা কিহনবরনে ?

প্রতিমা—করি করিনো মায়কৈ মরিমক্তা খোংলি-লাউরিবা অসিবু তাদ্রা হায়মি ?

অরুণ—খোংগে হায়বমখৈ খোংলসনু নঙতা তুমিন লৈবিয়ু।

প্রতিমা অহুবু ঐ য়াম্না কীরে হায়মি! তারিব্রা ?

অরুণ - তায়য়ে—তায়য়ে!

প্রতিমা তায়য়ে—তায়য়ে। মীবু কাহনবদি ঙল্লগা কীবা ফহনবদি ঙমদবোইরে ?

অরুণ—কীবা ফহল্লুরা ?

প্রতিমা উম।

অরুণ—অহুদি নহাক ঐনা হায়বমখৈ হুনবা তাইদো।

প্রতিমা—রা মখৈ হায়বদে ?

অরুণ—নঙ ঙসিদগী হৌনা নঙগী থোইচৎ রাংচৎ লমচৎ অসি

থাদোক্কদবনি। অহুগা মৈতৈ হুপী অমগী মতৌগুম্না চাকথোং ফৌস্নদনা মচা মরাগী সেবা চৎতুনা—

প্রতিমা—চাক থোংবা!

অরুণ—No 2! রাইশিং লমশেংগদবনি ফীসু ফীজামগদবনি?

প্রতিমা—ঐবু নঙগী Sweeper, অমদি ধোবীরা?

অরুণ—No 3! শম্না হায়রবদা ইমুং মনুংগী থবক অকুপ অতা পুম্বা পুগদবনি শুগদবনি—

প্রতিমা—ঐ অমতা শুরোই নঙগী রা অমতা তারোই।

অরুণ তাগে তাও—তারোই তোকউ ঐগীদি হায়রিবা অসিনি No 4! ঐবু ঙসিদগী হৌনা ঈশ্বরগুম্না নিংজৌ অসি নত্তবা item কয়া মরূম ইতুনা থমলি—পাগদবনি!

প্রতিমা—ওকলে! ওকলে! তানিংদ্রে—ঐ তুম্মনিয়ে শে চঙশিল্লো।

(অসি হায়তুনা অরুণগী নাকল্দা হিপথখরে)

লাইট

মঙাশুবা উৎপা

(অঙনবা অযুক, থৌবাল নোংগাংখোং মহেন্দ্রগী য়ুম। গগনজজগা তুলেশ্বরগা চঙলকই)

গগনজজ—কনা কনা লৈবগে হংউ তুলেশ্বর!

তুলেশ্বর—থোঙদি হাঙই, মীবু অমতা উদেদা—(থোঙ ময়াদা চঙতুনা) কনা কমা লৈবগে?

(ইমুংদগী কমলানি থোকলকই। জজগা তুলেশ্বরগা উবদা হঙ্গোইনা মকোক খুমজিল্লি। ইমুংদা চণ্ড্রগা ফিদা পুথোক্তুনা থাই—নাকল ওইনা লেপ্তুনা লৈ॥)

তুলেশ্বরনা—কদাইদা চৎখি তাদহলখোয়দি ?

কমলীনি—ঙস্তা হৌত্নুনা চৎথোকখ্রে। করিগী ওইরবনো ইবুংঙো ?

গগনজজ—কয়া লাপ্পা চৎখিবা ওইরিগবা !

তুলেশ্বর—কৌরুবা য়াগদ্রা ইতৈমা !

গগনজজ ফরে তুলেশ্বর কৌরুদ্রবসু।

কমলীনি—ঐ অমুক্তা অসিরাইদা য়েংজরুখিগে। (থোকখি)

তুলেশ্বর—তাইবুংঙোখোয়দি অশিঙংনি জজনি ঐখোয়না হায়জবা ঙম্বা নত্তে অত্থবু—

গগনজজ—নঙনা হায়রক্কদৌবিবা অত্থ ঐ খঙলে। মতম মাঙহনগন্থু ঐ হায়গে—

তুলেশ্বর—খঙদ্রেনা। ঙাংদ্রে হা তুলেশ্বর—হা তুলেশ্বর ! হেক-মক হায়বিদে। য়া ঙাংবদা লমজেল তান্নরে-

গগনজজ—মতম মাঙহনত্থু হায়মি তুলেশ্বর, ঐ ঙাঙগে হায়মি

তুলেশ্বর ঙাংবিরো ঙাঙ্খিরো তাইবুংঙোনা পাহ্নদা হায়বিরো।

গগন—নংনা খল্লিবদো অরানবনি। ফরবসু ফৎত্রবসু অরুণ বি, এ, অমনি। জ্ঞান ফনা লৈতবা মী অমা ওইরবসু লাইরিক হৈবা মী অমা ওইনা মহাক্কী মগুণ খরতংদি লৈনি। মহাক নিপা অমনা অত্থ ষ্কোনা পুকচেল পিক্কনা থবক তৌরমগনি হায়বসি ঐগী Common Sense না য়াদেনে। শোয়দনা মফম অমদা নিংথিনা লৈরমগনি হায়বসি ঐগী অচেৎপা থাজবা অমনি।

তুলেশ্বরনা—অহুবু অসিদদি লৈত্রেদনা - অঙাং অনি অহুনদি ঈশিংগা থাউগা তিন্নবগুমথিবা অহুদা লংফৈদা কোক হেক চেল্লমগা তাইবুংঙোগী মায় পঙচোপ হেক চোপকত্রা হায়বতনি। ঐথোয়নদি চোপলোয়দো তাইবুংঙোবু খঙদবদি য়াওদবনিনা—

গগনজজ—রা শাংথহু - মতম মাঙহনগনু তুলেশ্বর ঙাংলিবা থরা অহুনা ঐ ভাব তারে - শেল য়ান্না পাম্বা মীসু নত্তে—অরুণ অদো থাঙবা কনবগী—পাঙ্গল শুকলৈ লৈতবা মী অমসু নত্তে, মহাক থন্থবগী - পাঙ্গল লৈত্রবা জ্ঞানগী মঙাল ফংদ্রবা মী অমদগী হেনবা মী অমনি। B. A. দগী B L. তম্নবা নিপা অমনি। আইনগী মপাল থোকপা থবকসু হাকনা চৎলোই মহাক—

তুলেশ্বর - তাইবুংঙোথোই অশিংবনা ঙাংলবদি অরানবসু অচুম্বা হেক্তা ওল্লি। চুমগনি চুমগনি তাইবুংঙো।

জজ—নপুকনিংদা য়ানিংদ্রি হায়বা নঙগী রা অহুনা তাকলে— অহুবু নঙগী রাখল অহু লানবদি লাল্লবনি তুলেশ্বর।

তুলেশ্বর—নজাইনেম্মা প্রতিমাবু অরুণনা জ্ঞানগী লম্বীদা চিংশিন্দুনা পুরকপদি লায়রহুনা পুল্লপ ঙাওমিন্নখিহুনা—

জজ—খঙলে রা মথা তারহু মতম মাঙহনগনু তুলেশ্বর, নং অসি মী মমল য়ামদবা অমনি, রাখলগী মচাক য়ান্না লৈরবসু থনবা হৈতবা মীতা ওইহুনা রাখলবু অরাবা পিবা মাংশকনি॥ বি, এ, হায়বসি পাস তৌরবদি মী অসে থজিক্তং—হেক থন্থবদা আঃ য়োনা উবা ঙম্নবনি হায়বা নহাক্তি খঙদে—করিগীদমক ঐনা প্রতিমাবু থাজনবগীদমক বি, এ, বি, এ, হায়তনা থিরিবনো হায়বদো হৌজিক ফাওবা নং ভাব তাদ্রিনে তুলেশ্বর!

তুলেশ্বর—বি, এ, হেক ওইরগা মী অসি হেকতা ফগনি অমসুং শিংগনি হায়বসি তাইবুংঙো ঐ ভাব তাজদে

জজ—অতুনা ঐনা নং অসি তুলেশ্বর ইথকতা তাউবা মী মখল অমনি হায়বসিদগী খক হোংনা উবা ঙমদে। খংদনা অখংবা শাগন্থু, হৈতনা অহৈনা শাগন্থু—তুংদা য়াম্না রারক্কনি অতুগা মীবুস্থু রাহনবনি !

তুলেশ্বর—হায়বিয়ু,—হায়বিয়ু, তাইবুংঙো! মী মচাগা অচৌবগা র়া ঙাংনবা মী মচানা ফনা চুম্লবস্থু অতুম লাল্লগদৌবনি।

(কমলীনি চঙলকই)

কমলীনি- লাকহৌরে ইবুংঙো—ঙাইহাক্তং লেংশিনবিখো।

তুলেশ্বর—ফনি-ফনি, ইতৈমা - অতৈ করিগীস্থু নত্তে অঙাংশিংগী মরমদা তাইবুংঙোনা তাকপীনিংবা খরদং লৈত্তনা—

কমলীনি—হুগীনিদো ঐখোয়দি অতুনা করিবু হায়গদনো খঙজদে—মাইবাবা লাল্লগা ফনবা খবা খন্নবিয়ু ইবুংঙো—

(মহেন্দ্র চঙলকই)

মহেন্দ্র—এঃ ইবুংঙোশিং লেঙবিরকই—করি তাকপিগদবা

তুলেশ্বর—তাদহনখোই ময়াম্থু করম করম খন্নবিরবনো অঙাংশিং ইবুংঙো অরুণ--অতুগা

মহেন্দ্র—অঙাংশিং হায়বসিবু কনানো? অরুণ হায়বসিনা কনানো

জজ—অশাউবগী মৈরি হৌজিক ফাওবা নেমথদ্রি—অহলগী অতুবু অরুণ অসিবু অসুম মাঙহনবদি চুমদে, অমতা পোকচবা নচা হুপানি ঐগীস্থু অমতা পোকচবী ইচানিপী অমনিনা মাবুতা খল্লি কাউবা ঙমদে—মপালথোঙদা ফনা শাউনিংলবস্থু পুকনিং-

দদি মচাবু হেক কাউবা ঙম্বা মপা-মমা অসি লৈবা হৌনদেদা

তুলেশ্বর —

মহেন্দ্র—ঐদি ইচানিপা পোকচদে।

তুলেশ্বর - তাদহন !

জজ—ঐ ঙাংগে তুলেশ্বর ! মতম মাঙহনগনু

তুলেশ্বর—ইহে ঐনা অসিদা লাকলিবসি কান্নদেদনা লাকতবসু য়াইদনা—সিদে

জজ—লাক্তবসু য়াদেনে তুলেশ্বর—নং লাকপগী কান্নবসু লৈরি—রা ঙাংনবগী কান্নবনা ঐগীনি

মহেন্দ্র—অরুণ হায়বসিবু জজ সাহেবকীদা য়াও ইনখী হাযত্না নত্তবরা ? ঐগীদি করি থোইনা থোক্নবিবোইদা— !

জজ—হৌগ্রবা থবক্কী হুংনাংবা পোকপা অসি কয়া কন্ন অশিংবা ওইনা শিঙথানদে হা—? তুলেশ্বর !

তুলেশ্বর - হোয় হংবিরকইবনিনা খুমদবদি য়াক্লেদনা শাস্ত্রদদি "গতস্য শোচনা নাস্তি" অসুম হায়রয়ে হায়বদি -

গগন—হায়রিবা অত্না খঙলে ওকলে, মখা হাদবসু—মতম মাঙহনগনু তুলেশ্বর !

তুলেশ্বর - ঐ চংচরম্নগেনা হাইবুংঙো।

গগন—মতম মাঙহনগনু হায়বতনি রারেম্না—নংবু চৎলো হায়বদি ঐদি হায়দেনা—

তুলেশ্বর - লৈবগী থোইনা কান্নদ্রে হায়জবনিমা। রা অসি চরমদা থবৎ থবৎ মেৎতুনা থৎলে হায়জরিবা। ঐখোয়সু তুলেশ্বর হায়ত্না ইমিং হায়ফেৎ চৎরিবনি—রা অসি হায়ফেৎ ফাওনা ঙাংজবা অমগা—অমগা

গগন—নংগী অহু নপুকথোক্কী রা নস্তে—মীগীদগী পুবা—হুরুবা রা ঙাক্তনি হায়নিংই হায়মি

তুলেশ্বরনা—হিঃ রা হুরুবা হায়বা অমসু য়াওরকলেনা করমনো !

মহেন্দ্র—মচা নিপা পোকপা হায়বসিবু ইবুংঙো—

গগন—চিংনবা পুম্বা হায়বিয়ু—রা মমৎতানা থন্নবা নৈনবা য়াম্না পাম্বা মী অমনি ঐহাক

(কমলীনি হিদাকনচিংবা সেবা তৌখি)

মহেন্দ্র—য়াম্না নঙবনি ঐ অসে, মতম কুইনা পাঠশালাগী ওঝা ওইজরমই, অহল ওইদুনা তোকলে, লাইরিক তম্বা হায়বসে য়াম্না পামজত্তনা ইস্কাল সহরদা লৈনিংলবসু লৈবা ঙমজদতুনা লরায় তাবকলে, ইবল লৈজবা তুম্মদুনা মীঙোন্দগী শেল পুত্তুনা মহৈ তমহল্লে, ঐনা নিংজবা ঐগী অপাম্বা অহুদি—মহাক্না থুংহনবিকম থোকইদনা—ইস ! শেলনা ইথাং কোযনা তোনববু মহাক তাখিগনি হাযবগীদমকতা রাজবনা ঐগী লায়থুং ওইনা খাংজরকই ॥

তুলেশ্বর---শেলগী অরাবদি কোক্লবদাইনে অকণ বাবুনা শিংদুনা (জজদা য়েংই)

মহেন্দ্র---শেল শিংথ্রে চুমই ইবুংঙো --অহুবু শেলনা মেনবা ঙম্মবোইদোবা পুক্নি অসিগী কোক্লরোইদবা—বদনাম অমা লৈরি—শেলদি শিংলগা কোকই, লৈত্রবসু তাল্লগা ফংই।

গগন—রা অহু ঐ মহুংদা লোইনা তারে । ঐখোয় পুন্নমক্কী ইথক্তা ঈশ্বর হায়বা অমা লৈরি—সংসার অসিগী অরাংফম ফমলিবা— । "মীনা নিংজবনা অমা মহাক্না তম্মনা ঙমা"

মসি মী খুদিঙদা য়াম্না তোয়না থোকই। ঐখোয় মীওইবনা ঈশ্বরবু লালহল্লি অতুগা মহাক্তি তশেংবমক্তি লান্দে। অরুণগী দমক তাদহন্নদি খনজবা নচা শক্লবী নমৌ ওইজগে হায়না নিংজরম্বা নিপীমচা অতুগীদমক মতিক চাবা নিপা অমা ঐখোয় খ্বায় চঙতুনা থাজগ্রগা ঐখোয় পুম্বা ঈংনা লৈরগদি বদনাম পুম্বা কোক্কনি খল্লি।

মহেন্দ্র—খন্দুনা য়েংউ জজ সাহেব! ঐনা লরায় তারকপদগীনা ঙসি ফাওবা লৈখিদ্রবা লতাগী মপা ইতাও অতুগী মফমদা লমন তোল্লি। ঙসি ফাওবদা ঐহাক মাগী ইংখোলদা য়ুম তাংলি। অয়ুক চারগা হুমিদাং চরা হেন্দুনা অরুণবু লাইরিক তম্বস্‌ পাংজরমই। লতা হায়বী ইচা হুপী অসিগীদমক্তা রাজবনা মথৌ ওইজরম্বা ইতাও অতু মহাকথক্কী নিংবা কায়তুনা শিথ্রবা। লতাবু পোকপী মমা ইচল অতু হিংলিঙৈদগী হৌনা হায়না—শীংনজরকপনি—হৌজিক মখোয় অনিমক লৈত্রবদা, লতাবু মতিক চাবা নিপা অমদা থাজরমদনা ঐনা ঐগী ইবুক শিনা অরুণকুমারবু ইচানিকো হায়তুনা কৌশিন্দুনা ইনাক্তা থম্বাকাদি ওইথোক্তবনি।

তুলেশ্বর—মতিক চাবা হায়রবদি বি, এ, তারেনে—অমা, অনি (মখুৎ থেকই)

মহেন্দ্র—মানি ইবুংঙো B. A. নত্রগা M. A. মতুতদা ঐগী পুকনিং অসি পেনগনি অমস্‌ং ইংগনি।

তুলেশ্বরনা—উম! ঐনা রা য়ানজবা অনিরক্তি শুরে। অহম! অহম! (খোদেমই) হে ঈশ্বর—ইবুংঙো অহমলক্তদি

শুহনবিয়ুকো, (ফীভম শেমহুনা) বি, এ গী জাৎতি অরিবা অনৌবা ঐনা খঙদবা লৈতে। মরম অসিদগী লৈবাকনা ঐবু ঐজ্ঞা তুলেশ্বর বি, এ, থিবা অসুম হায়না উপাধি পিবিরবনি ॥

গগনজজ -- মখা তাউনে,—মতম মাঙহনগনু—রা শাংগনুনে—

তুলেশ্বর ইহে, অহুমলকতং শুবা – য়ারোইদৌরিনসিদে !

গগনজজ – মখা চৎথৌ, মখা চৎথৌ, মতম মাঙহনগনু

তুলেশ্বর—এঃ এঃ মখা চৎথৌ হায়বা কুপা অমদি লাকইদনা (চুবা মেৎতুনা রাখল তৌই) কনা বি, এ, দা থাজসিগেদো···

(রাখল তৌনা তৌনা হেক য়েংথোকলুবদা উতুনা)

এঃ ! ঈশ্বরনা তমলকলেদনা ! ঐগী ইনাওনিপা শ্রীবীহারী B. A. লাকলেদনা—হিঃ হিঃ হুপীমচা লতাসু ফাওরকইনা— অনি অসিদি পুন্সিগী লৈপূননিদনা, ওন্থোক্লা মকম, মতমচানা লাকথ্রবা হায়নিমা কায়নহনবা য়াদ্রে জোড়া—ফরেদা অরুণ-বাবুগসু লুনা তিন্নজবা ॥

(বীহারীনা মাঙ থাই, লতা তুংদা লৈ – য়েন্দাই অমা পায়রকই চংঙকই)

মহেন্দ্র—ঐমা ইচা বীহারী লাকইনা—করি থবক্কীনো ?

বীহারী—ঐ অসুম—

তুলেশ্বর – ইবুংঙো বীহারী ! নঙ রা অমতা হংখিগে লাউ ! (বীহারী পুথোকতুনা মচিওইরপ্পা) নঙ বি, এ, হায়বসি পাস ওইরেকো !

বীহারী—ওইজরে ঐজ্ঞা ঐজ্ঞাখোয়গী কুপাদগী

তুলেশ্বর—নংঙাইজরেদকো ঐদি শ্রীগোবিন্দ ইবুংঙো নঙবু লৈতে

করম্না হায়সিগে য়েংঙোই চুরাম্বাবনা মচা হাংলি হায়বদো ঐঙোন্দা থোক্লরেনে হায় ইবুংঙো বীহারী

বীহারী -- ঐজ্ঞাগী রা অসি – করিনো হায়বা ঐ ভাব অমতা তাজদে।

তুলেশ্বর—তারোই! ইবুংঙো তারোই! সে নখোয়না ঐবু হেক ঐজ্ঞা বি, এ, থিবা হায়না হেক হেক লকনবদো – ঙসিদি ইয়াম্বা নঙবু থিবা তারেনে ইবুংঙো—অরাপ্পদগী নত্তে – তু, তু, নতুং ইনজরকইবী লতা হায়বী অসিগীনি। (লতাদা য়েংতুনা) ইবেম্মা লতা! হায়বী—হিঃ হিঃ শকনা শক ফজবনে ইচাদি ইকায়রুম্নু—ইচাসিদি নহাক হায়বীসে ঐগী ইনাওনিপা বীহারীদা লৈবা তারেনে ঐখোয়না পিরবনি –

(লতা ইকায়তুনা চঙখিগে তৌই)

নঙগী তামো অরুণ অতুগসু লুনা তিন্নজগ্রবপোৎনি—চাকলুক অমতদা চামিন্নরিবা মতুগী মশক্তা থৌদোক অসি নঙগী তামো অতুনসু পামজগ্রবা -

(লতা ইকায়তুনা চঙখি, ময়াম তুমিন তুমিন লৈনৈ।)

মহেন্দ্র—করিগীনো বীহারী ইচানা লাকপবো? (বীহারী খরা নিংজিং মাঙজিংনরি) হেক্তা হায়য়ু ইচাসিদি—চিংনগনু

বীহারী—সিবি······বাজী অরুণ অদো ঐগী চীংগী লৌতাংশংদা লাকতুনা লৈরবা ঙসি ৪।৫ নি শুরে। মাগী হুপী ইবেম্মা অতুস্ন য়াম্না হায়বা ইনবী মরম ওকপী অমা হায়বত্ত থেংন্ত্রে, অতুবু অরাবনি ইতাও অতু য়াম্না কন্না নাতুনা লৈরে, মীরোল মীয়ি কাওবা খরা রাম্নে তাবা—মহাক্লনি রা অসি তাকলুন্নু

হায়না য়াদে, অদুবু অবস্থা অসিদা অম্নুম লৈরবদি ফংলোই, বাজীনা শাউবগাদি য়াম্না শাউরি—অদুবু

কমলীনি—(ঙসাইমখৈ মাঙ্গল মচিদা ফমদুনা লৈরম্নদগী হৌগৎতুনা) কয়া কন্না! মীরোল মরি তাদে হায়বা বীহারী! হা—ইমাগী ইবুংঙো—

মহেন্দ্র—তপখোদা নখোয়স্নু ইকিংদা হেক ফিংই।

গগনজজ—কয়া লাপ্লদনো?

বীহারী—মফম অসিদগী মাইল ৭ লোম ওইগনি।

গগনজজ—চৎসি ভুলেশ্বর—! (হৌগৎপা)

বীহারী—বাজিদি? লেঙডোইদ্রা?—হৈনা!

(মহেন্দ্র ফীংনা হৌগৎতুনা ঙকতুনা লৈ॥)

কমলীনি—চৎলোইদৌরিবরা?

মহেন্দ্র—মখা থংবগী তাদা মাইবা অদুবু লৈবমগদ্রসে (থোকখি)

গগনজজ—গাড়ী চংবা য়াগদ্রা মফম অদো ইবুংঙো!

বীহারী—য়াগনি—

গগনজজ—অদুদি ইতৈমা—ঐগী গাড়ীদা ঙাইরমখো। মাইবা লাকগা তাদহন থারকলো—নত্তে পুম্নমকস্নু চৎপা য়াইনা---কদৌগে

বীহারী—হোয়! ময়াম্মক!

ভুলেশ্বর—চৎকদবনি চৎকদবনি—

তরুকশুবা উৎপা

নীহারীগী লৌতাংশংগী কা—চীংয়া

অয়ুক পুং ৮।৯ তাবা মতম। অরুণ চৌকি অতেকপা অমদা ফমহুনা লৈ। প্রতিমাগী মওং মতৌ য়েংহুনা ঙহাক নুংঙাই অহুগা অমুকসু অতোপ্পা মাখল অমদা খন্দুনা শুন্দ য়েংহুনসু লৈথোকই। প্রতিমানা ফকলাং শেগায়বদা চৈ মতেক অমনা লেংহুনা থেৎপা চেজেৎ অমা পাহুনা থবক নোমলমই।

প্রতিমা ১বা আইটেম—থেঙলবদা অয়ুক্কী পুং ৫ দা হৌগৎপা মায় অরাং ওন্দুনা গুরু নিংশিংবা হৌগৎতুনা থোকপা—হুমিৎ খুরুম্বা—লোয়খ্রে

২শুবা উৎপা, চিন, য়া, হকচাং শেংদোকপা লাইখুরুম্নবা লৈ হেকলম্বা লাইখুরুমফম তৈরম্বা তুলসীবুং তৈবা—লৈসু হোদে লাইখুরম্বীনবা অহলসু লৈতে—তুলসীবোংসু লৈতে—তোকলে

৩ শুবা আইটেমঃ—কোল্লাক রাইরম লোয়বা, কোকলু তুমহুনা ইরুজবা, চন্দণ চরা থিনবা, লোয়রে। অহুদগী—চা লোনবা পুং ৭ নল্রগা ৭॥ ফাওগী মহুংদা—(অরুণদা) পুং কয়া তাখ্রবগে?

অরুণ—(নোকফেৎ তৌহুনা) পুং ৭ তাদোরে!

প্রতিমা-ইহে চা লোনবা থেঙখ্রে—চাদি কদাইদা লোনগনি—চা, চিনিসু লৈতে, কেটলিসু লৈতে, লৈতবগী লৈতবা ঙাক্তা আইটেমনি হায়হুনা হাপচিল্লে- ঙম্মোই তোক্লনি।

অরুণ—"স্বভাব মুৰ্দ্ধনি বৰ্ত্ততে" হান্নগী ফীভমদা হনজিল্লেদনা—

প্রতিমা—Sorry ঐ কাউরুরে! লাল্লে!

অরুণ—লাল্লে নত্তে।

প্রতিমা—ওঃ লানজরে লানজরে।

(অরুণ য়াম্না রাখল তৌনা ফমই প্রতিমানা শংত্রিক য়েংহনা লৈ) ঙহাক লৈরগা য়ুমদা চৎলসিবা! অরাৎপগী অরাৎপা ঙাক্তা হুংঙাইবিরিব্রা?

(অরুণ মুন্না তাদে পুকনিং খে য়জংদে মাগী রা অতুদা, মত খঙলতুনা প্রতিমানা মনাক য়াম্না নকশিন্না চঙলগা মরেঙবাল পায়ত্তনা)

করি করিগুম্বদনু য়াম্না কৈনিংবা, থবাই য়াওনা ঐবু থোদাই. মায়থোং মকা লাম্না পুকনি, পোংলা উই. খঙহৌদনা মীকুপ অমগী মতুংদা নিঙব। কায়বগী শক্তমসু পথোকই—লাঙ্গা ফংদ্রবা রাখলগী ঈপাক্তা তাউহনে, ইবুঙ্গমসু উৎলি - হায়যু ডুসিদি ঐগোন্দ। হাযদবা য়ারোই—ঐবুদি নংগী নিপা ওইবগী গুন্না। পুকনিংগী অমম্বা পুম্বা নোং হন্নীরে মথন্না শুক্ষংপা লীংলা। নহাকনা পুনিংবা মায়কৈদা ঐন তোইহনা পুরে— অহনা নহাকতি নিংব, কায়বগী শক্তম অমা ৎংংনা। নহাক্তি পাম্মাইদা পুংগা তৌবি হাযবা ঐ তশেংনা খঙলে। মত উসিদি ঐগোন্দ, শেংনা হায়দোক্কনা য়ারোই।

(অরুণ করিমতা থুমদে)

প্রতিমা—হায়রো হায়মি!

(অরুণ থুমদে)

প্রতিমা হায়ররোইদ্রা?

(মমিংতা ঈরা হোরে) ফরে! ফরে! ঐবুদি নহাক্কী হুংঙাইবনা হুংঙাইবা ওইয়ু অরাবনা অরাবা ওইয়ু হায়না।

তাকপিহুনা মীনম্বীরে। পঙলবী হুপীমচানি হায়দুনা চিনবান থোংগী পাউতাকতনা শুক্কৎপিবা অতুগা থম্মোই দগী থোকলকপদা অংশংবা হুংশিবা হায়বা অতুগী মঙাল পিবিবা নত্তবোইরে।

(হীকনা হীকনা কপলে)

অরুণ — প্রতিমা! কপকনু! এগুম্বা লাইবক থীবা অমগী পুন্সিগী লোয়নবা ওইকহুন নহাক্না চুসি নংগী হুংজাইব নত্তনা চঙজফম পিদ্রব, থম্মোই অতবা অয়ানগী মফমদু কল্লি। উন! (স্বন শারেন। তেংহি [illegible]নি, মম্ম কুইনা হায়দোল্লবোই খন্দুনা থমগ্রব। এগী অবাবগী বানী চুসিদি লীথোক্লগে ত্তাবো। ঐ [illegible] মচা [illegible]নিদন। [illegible] [illegible] [illegible]না লেপ্পবা, মঙ জজ সাহেবনা কোকহনবাগ্রে। ঐবু হুমিং থাগুম্না খনজবা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]নিমক [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] খল্লম্না [illegible]— [illegible] [illegible] [illegible] নত্তে। [illegible] থৌইনশিন [illegible]না [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] "[illegible]" হাবৰা হুপীমচা অমা। ঐগী পুন্সি [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]নি হায়না ইমা [illegible] বাবাগী অমকপা য়াওনবা চংখ্রব রাখলগা ঈচেলনি। ঈচেল অহু ঐনা [illegible] ঐগী পাপ্না নৈহৎহুনা॥ "লতা" হৌজিক ফাওব তিংনি। ঐগা রাখলগী লতাবু পোকপা অতল অহু Motor accident — শিংগ্র [illegible]খোয় অনি লুহোংবা হুনিং অতদা হনখিবদগী। ইমা, [illegible] বাবা লতাবু যাবতুনা ওসি ফাওবা তাংহুনা মথেয়গাদবা [illegible]নি। খন্দুনা ভমুক্তা হেংউ প্রতিমা শেংলবী হুপীমচা লতাগা রাখলগা ঈচেল, নিংবা কায়নবী ইমা

পাঙ্গল শোল্লবা বাবা অনিগী রাখল—অসি পুন্নমক থোক্লবা শিল্লিবন। ঐহাক—ঐহাক করি হুংঙাইফম লৈরি। পাপকী প্রায়শ্চিত্ত! ঐন ফংলিবসে ঐন। ত্তৌজব পাপকী মহৈনিনে প্রতিম।!

প্রতিমা—(মরূ লুকথডুনা মুন্না থল্লগা) করিদি হেক পামলিবা?

অরুণ—করি পামগনি? শুন্দ পাইবা ত্তেরা মফোলনা হুংশিৎ মায়রমদা হুমথিবগুম ঈপাক্তা তাউবা কংনা লাইজ ঈচেল পাংবগুম নিংবা কায়রবা ঐগী রাখলনা পোল্লেপফম নাইদনা নোংম নোংমগী হৌখিবা মতম ঙাইরিবসিনিদনা?

প্রতিমা—অতুদি লতা হায়রিবী ঐগী ইচেম শক্লবী দেবী অতুগী নাক্তা ঐবু অমুক্তা পুবীয়ু। দেবী অতুগী মখোঙদা তুতুনা ঐগী অরানবা অসি অমুক্তুং ঙাকপিয়ু হায়না হায়জগে। অতুগা—

(মতাং অসিদা মপালদগী বীহারী ফীংনা কৌরকই)

বীহারী—অরুণ! অরুণ!

(অরুণ ফীংনা হৌগৎলি প্রতিমা রা মখা তাবা ঙমখিদ্রে, বীহারী চংঙকই প্রতিমা কাচিন্দা থৈজিন্দুনা লেপখি।)

বীহারী—ওইদবা অম ঙাংঙুরে। নং হিপ্পো ইবুংঙো অনাবা শাদবা য়াদ্রে। ওইদবা অমা কুপ্পবা হোৎনবদা ওইদবা চাম্মা চঙই হায়বতু সিনিদো।

অরুণ- করিগীনোনে?

বীহারী হেরা ঐনা বাবাদা নঙগী রা হৌদোক্কে হায়না চৎপদা বাবা, ইমা, জজ-সাহেব—অতুগা ঐজ্ঞা তুলেশ্বর লোইনা ফমতুনা লৈরমই—করিগী মরমদা রারী শাবা নল্লগা রা ঙাংনবনো

হায়বা ঐ তাবা ফংদ্রিঙৈনি নখোয়গী মরমদা মওইরমগনি নিঙই ! "লতা অদো লৈ-থিরুমাগ্লে, লৈ য়েন্দাই অমা পায়তুনা নখোয়গী কোম্বোংদা থেংনৈ। মানা য়াম্না কৌনিংবা উৎলি কৌবা ঙমদে ঐস্সু কৌনিংলমই কৌবা ঙমখিদে। ইবানি তুংথ-মাংথ চঙই। ঐজ্ঞা তুলেশ্বরনা ইশান হান্না ফাগী অমা তৌবকই" লতা ! ইবেম্মা ! নহাক নঙগী তামো বীহারী অসিদা লৈরোহায়, নঙগী তামো অরুণগা ঐগী ইনাও বীহারী অসিগদি চাকলুক অমংদা চাগিন্নবনি হা চানখ্রবনি—নঙগী তামোনা হবাঙজগনি ঐ ইবায়বনা উং লাউই—মতাম্সু ইকায়-খ্রগাম্লে—লৈমম খউখিদ্রে—মা পুন্নমক তুমিন ১ লৈনবা রা অমতা মেক কেক শাউনদবি মতনা থোইনা ইকায়খ্রেদা ঐ কদায়দা লেপ্লিবগে হায়না থক্লিদে। হানজা অসিদা বাবানা "ইবুংগো বীহারী ইচা লাকপনু বরিগীনো" হায়লকই—ঐ ভাগ অমা ডাওগি হৌনা উত্তানকা হাদনা "বাবা অরুণ অদো কনা নারেমীগী থান মাগি তাদে" হেক্তা হায়খিবনিনে কদোমগী বরিগী ঐনা মাগ হায়খ্রিবনো। ঐ খউদে ঐনা অসুম থল্লুনবুদি নঙ অসিনা কনা নাবা লৈকপা থোরগদি যত্রে বাবা নখোয় অসি লৌখৎলসি হায়না বাবাদা ঐ রা হৌদোককে অদুগা নখোয়গী রা ভাংনখো হায়নবুদি খন্দুনা চৎপনে--অত্তুদগীদি ময়াম্মক গুরুং হেক হৌদ্না চৎলি অদুদি কদায়দনো ? করি লায়নানো হায়তুনা হেকতা হৌরকপনিনে—ঐ মাঙলে হায়তুনা ময়াম অদু চীংখোংদা গাড়ী থামতুনা থনম্লগা নঙোন্দা খজিক্তং হান্না পাউ অসি হুৎননবা খ্রিখ্রি তৌরমইবনি। য়ৌরক্লনি—

হীপলো—সে হীপথরো কন্না নাশিল্লবা মী মাল্লহল্লুকো—
(কিংনা থোকখি)

অরুণ—(ঙহাক খল্লগা) অঙক অঙকপা থবক অসি তোয়না থোক্কদৌরিদা পুন্সি অসিদা প্রতিমা! অনাবা শাবা তারিদনা। অনাবগী সেবা তৌবা মালহল্লুকো-ঐ হিপলে। (হীপথখি)

প্রতিমা—(ফীরোল শের্মজিন্দুনা) লতানবু য়াগদ্রনে?

অরুণ—ঐনা হায়রবদি য়াবা য়াই!

প্রতিমা—মতাঙ চানা কৌদোকপিরকউ-নত্রগসু ফগদবা লৈরবদি ঐসু খুরুমতুনা বীহারী দাদা অমসুং লতাগা অনীদা মখোঙ পায়তুনা হায়জগে, ভিক্ষা ওইনা নিজগেনে—

(মপাললোমদা মীনিন অমা তাতুনা য়েংথোকই) হায়মা ময়াম অসি য়োৱকলেনে। (অরুণ কপ্না নাহেখি, প্রতিমানা মখোঙ পায়দুনা নোৱরি। জজ, মহেন্দ্র, তুলেশ্বর, কমলীনি, লতা অমসুং বীহারী মথচ মনাও নাইনা চঙলকই। হেক য়োবদা মহেন্দ্র অরুণগী লুখুনদা, জজ মমায় মপাদা, তুলেশ্বর জজগী মতুংদা, বীহারীনা মখুৎ তুঙবুন্নতুনা ইঙাও ঙাওনা চৎলি লেপই শোই খাংই। কমলীনি মচাগী খুয়াদা, লতা নাকচেপ ওইনা লেপই—প্রতিমা হোংগৎতুনা মকোক মরূ খুমতুনা হন্দোক্লগা লেপই)

কমলীনি—অরুণ! ইমাগী ইবুংঙো! ইমা লাকলে—

মহেন্দ্র—তুন্মিবরা? ইখুম খুমদবা সিবো? হায়—তারিবরা নঙবো? নিপামচা!

জজ—রা ঙাংহনবিরুরহু – তুলেশ্বর নঙ গাড়ীদা চৎলু ডাক্তর কুমুদ পুহনা লাক্তবা য়াদে হুম ঙাইখো অহুনা ফরবরা ? নত্তে— গাড়ীদা হাপ্তুনা পুরসিরা ?

তুলেশ্বর—(অরুণগী মখুৎ মশা মমায় অমস্তুং মখোয়দৌ পায়রুনা মীতুল য়েংই বুদ্ধি তানা) অতুগা ফুক হৌগৎলগা থিংনা জজদা তাইবুংঙো ! সোমদা অমুক্তা ! (জজসু থিংনা হুংশা থীহনা)

জজ—হা ! করি তৌরম্বগে ? নহেনু নিঙথিনা খঙবরনে হা ?

তুলেশ্বর—(ঈঙ্গিতনা রা ঙাংদিহু) হিস ! অঙাং অসিদি পন পান্দ্রেনা

তুলেশ্বর—(মন্ত্র শোল্লি) হায় য়েনখা গা উতানা শায়গং কোল্লিবা মহেলকমদা হল্লো মহেন্দ্রমদা হেল্লো গুবগী য়াথংনি ॥

জজ—খবা ফরবরা ?

(তুলেশ্বরনা জজনু ঈঙ্গিতনা কৌথোক্তুনা রা চাংনগে হোৎনবি)

অরুণ—আঃ আঃ ঈশিং ! ঈশিং ! কনানো খোঙ পাংলিবা !

কমলীনি—ইমানি-ইমানি ! অরুণ ইমা লাকলে য়েংঙো নিপা-মচা বাবাসু য়াঙরকলে—

অরুণ—বাবা !

মহেন্দ্র—ইপা লাকলে –ইপা লাকলে !

অরুণ—বীহারী !

(বীহারী চঙশিল্লি অরুণগী নাক্তা মতাঙ অসিদা প্রতিমা থুনা য়াঙনা চৎখৎলকতুনা লতাদা)

প্রতিমা—ইচেম শক্লবী লতা ! ঐহাক নঙগী ননাওনি— ঐগী

ইবাল অমুক্তা ঙাকপিয়ু—

(জগ, তুলেশ্বর অর্না চেক্ত প্রতিমাবোমদ লেংডুনা লৈনি)

ঐবু অমুক্তা নহাক্না পোবপিয়ু—নখোচ পাযত্তুনা হায়জবি—

ঐনা নিংজবিবা ভিং অসিগদি পিনবিয়ু।

(অসি হায়দুনা লতাগী মথুং নাম্মা পাযত্তুনা থডিক্তুং চিংশিল্লগা বংবাদা) [illegible] ! পোবচৈদগী অমক্তম্ [illegible] চসি [illegible] খনবিদনা ঐনা [illegible] অসিত্তি পিনবিয়ু। ঐগী [illegible] মশা নাফিচৈগী মতমদা [illegible] পুক্নিংগী লোয়নবা [illegible] [illegible] ঐনা ঐগী [illegible] পিয়ু [illegible] হায়না বন্না [illegible] [illegible] মহাক [illegible] [illegible] চসি [illegible] মমাংদা [illegible] শিন্নত্তগে

([illegible] মথুংবা [illegible] [illegible]

মতাং [illegible] অকণনুগাবসু যিংনা হৌগৎলুনা ।

অরুণ—[illegible] ! মবা ! প্রতিমোনা হায়দবিবা [illegible] অসি ঐগী মতম [illegible] খনবিদনা [illegible] লৈবক্তুগা—(মহেন্দ্রদা) বাবা ! (খৎমই) !

(মীগী মথুংবা ইচেক ডরডুনা লৈনি—মহেন্দ্র মপুখ নিংদা মতাক্কী শিথবা মবাপ লতাগী মপা জ্ঞানেন্দ্র নিঙশিংত্তুনা। মপী ইবা চেকবর্তী মতু উত্তুনা, গগনভেদ)

গগন— নিংগীদমক কপ্পী । চসি মুংঙাইববা হুনিং অসিদ, ইবাই।

ঐনা অওং অউন তমতুনা ইচা লতাগী লুহোংগনি। প্রতিমাগীদমক তমখিবা লুহোংপোত্তগী শিংতুম অমা ফাও রাৎহল্লোই। চৎলসি ময়াম পুম্বা চৎতুনা কৈথেল কাক্লসি—(ইরাঙ লাঙই)

(গগনজজ ১স্নুং তুলেশ্বর নত্তনা মী পুন্নমক চৎনগ্রে।)

গগন—আচ্ছা তুলেশ্বর! নঙনা ঐগী ইতেঙ পাংবিবগীদমক লুপা ১০০০৲ লিশিং অমা পিগনি।

তুলেশ্বর—তাইবুংঙো! (য়াম্না থাজদবা উৎতুনা জজদা য়েংতুনা লৈ)

গগনজজ—তুলেশ্বর নঙগী মীয়েং অমস্নুং রাঙাং অতুনা ঐঙোন্দা তাকই মতৃদি—ঐনা হায়রিবা অসি থাজদে।

তুলেশ্বর—নত্তে! নত্তে! তাইবুংঙো! ননাওবু মঙ মঙলিবরা হায়তুনা

গগনজজ - মঙ নত্তে পীনিনে—

তুলেশ্বর— করিগীনিনা তাইবুংঙো!

গগনজজ—বকশিশ বি, এ, থিবগী

তুলেশ্বর—তাইবুংঙো! ঐ ভক্তি তৌজরি (খুরুমগে তৌই)

গগনজজ—নত্তে! নত্তে! তৌহৈদেনে হায় অতো ব্রাহ্মণ নহাক্না ক্ষত্রিয়দা করম্না। ইতে! মী পুন্নমক ঐখোয়বু ঙাইনতুনা লৈরেনে হায় তুলেশ্বর!

তুলেশ্বর—লেঙলসি!

(অনীমক ফিংনা [illegible])

লোইরবা

